ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ

লাই হরাউবগী কাংলোন

ꯂꯥꯏ ꯍꯔꯥꯎꯕꯒꯤ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ

লাই হরাওবগী কাংলোন

অহানবা শরুক

UMANGLAI KANBA APUNBA LUP
Regd No
2890 of 1979
MANIPUR

উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)
পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল

লাইরিক মমিং ঃ **লাই হরাউবগী কাঙলোন**
অহানবা শরুক

অফোঙবা ঃ **উমংলাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল)**
পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল

অহানবা ফোঙবা ঃ মেরাগী ১৪ নি পানবা (নোংমাইজিং)
ওক্টোবর ২৮, ২০১২

লাইরিক মশীং ঃ ২০০০

হক ঃ উকল

মমল ঃ লুপা ২৫০/-

কোভর দিজাইন্দ ঃ দিজিতেল প্রিন্টর্স

নম্ফম ঃ লময়ানবা প্রিন্টরস, কোনুং লম্পাক ইম্ফাল.

MAHARAJA OF MANIPUR

SANAKONUNG, IMPHAL

সনা কোনুংগী পাউজেল

“লাই হরাউবা” - ঐখোয়গী লুখ্রবা লাইথৌ থৌরম অসি ঙসিদি নোংমা নোংমাগী অশেংবা শক্তম অদু কায়থরকপগী মমি তারি। মসি খুন্নাই অসিনা নত্রগা লাইথৌ পাঙলিবশিংনা শোয়বদগীরা হায়বসে অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। অদুবু শোয়রিবদি ঐখোয় পূন্নমকনি, কনাগুম্বা অমখক্তদা তাইনবা চুপ্লোই। লুরিবদি লাইথৌ অসিনা মূৎখ্রবদি ফুরুপ অসিসু মূৎখিগদৌরিবনি। স্বাইসিদা “উকল” না লাই হরাউবগী অশেংবা শক্তমদু ঙাক্তুনা থম্নবা অমাইবা, অমাইবী, পেনা, লাই-শেল্লুংবা, লাই পান্নবা, ফমথোল-ফম্নাইবশিং অমদি অশীল-অরাঙ পূন্নমক্লা তঙাইফদনা ঙাক্কদবা, তৌগদবা, তৌরোইদবা কয়া য়াওবা লাইরিক অমা হন্দক্কী মেরা-মীফমদা পুথোক্কনি তাজবদা য়াম্না নুংঙাইজৈ।

মতুংদসু “উকল” না চঙশিল্লকপা থবক থৌরম কয়াদা মায়-পাকপা ইবুধৌ পাখংবনা নোংদমবিবা ওইসনু।

ওক্টোবর ১৭, ২০১২ লৈশেম্বা সনাজাওবা

পেনা, ইমা অমাইবীশিং মাইচৌ, মাইনৌ, অহন-লমন, রিছার্স স্কোলার পূন্নমকপু করিসু খঙজদ্রবা ঐনা কোক নোন্না খুরুমজরি।

অদুবু চীংঙু খোইয়ুম লাইনা থৌজানবীবদগী কুমসি চহী অসিগী ওইনা উকলনা পুথোকচরিবা লাইরিক অসিদা অচৌবা মতেং পাংবিরিবা ওজা কাংজিয়া মঙাং, মুতুৱা বহাদুর, নাউরোইবম ইন্দ্রমনি, য়ুমলেম্বম মৈরাবা, মুতুম মনিতোন (ঙানবা), মোইরাংথেম জিলাঙম্বা (লৈঙাকপা), লোংজম অরুন (সোমোরেন্দ্রো), হিদম নন্দো (য়াইমা), মাইবম সুর্জাবোরো (মঙালজাও), থৌনাওজম রুহিচান্দ মীওইশিংনা অঙম্বা মতেং পাংবিবগী থাগৎচরি। চীথ-নাম্থবা, অরান অহুই কয়া য়াওরম্লবসু পাবিরিবশিংনা ঙাকপীহৈবগা লোয়ননা ঙাকপীগনি। তম্বা ঙমদে শোয়বা য়াওরম্লবসু মতুংগী খূৎনমদা চুমথোকচগে। অরোইব্দা লাইরিক অসিবু নম্বগী থৌদাং লৌবিরিবা লময়ানবা প্রিন্টর্সকী ইচিল ইনাওশিংনা হোৎনবিদুনা মতম চানা ফোঙদোকচবা ঙমজরিবসিমক্তা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি।

চনম পারিহল (নবচন্দ্রা) মৈতৈ
থৌবুরেল, উকল
চৈচৎ, ১১-৯-২০১২

ৱাহৈ খরা

লাইগা মীগা শন্নরিঁঙে পাথাং পুথাং তৎনবা থানবা লৈতনা ঙসিফাওবা চৎনদুনা লাকলবা লাই হরাউবা অসিগি অমতা ঙায়রবা থৌরম অসিগী লাইরিক কয়া ফোঙখ্রে। অদুবু অমনা অমগি হুন্নদুনা লাকলি, পূন্নমক অসি নাথৈদুনা থমখ্রগা অদুগুমলবা মাইচৌ, মাইনৌ, রিছার্স স্কোলর কয়ানা ফোঙবিখিবা লাই হরাউবা লাইরিক অদুদগী খরা লৌখৎচরগা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না মান্নবা লাই হরাউবা অমগিদমক তুংগী মীরোনগীদমক উকলনা থিজিন হুমজিনজদুনা কংলৈ মীয়ামগীদমক লাই হরাউবগী চৎনা পথাপ কায়দনবা মান্নবা মওংদা পুরকনবগীদমক " লাই হরাউবগী কাঙলোন" কৌবা লাইরিক অমা-পুথোকচরে। লাইরিক অসিনা ইরমদম অসিদা লৈবীরিবা অনম অথৌ কোকপিরিবা অমাইবা, লাইবূং খুদিং লাইগি য়াকাইরোল শৈশক তম্বীরিবা পেনা-শৈশকপশিং, খোইয়ুম লাইগি লাইপাউ চেনবীরিবা মালেমদা তাইবং মীগী অফ-ফত্তা পাউতাক পীবিরিবা ইমা অমাইবী, খুল খুলগী ইবুধৌ ইবেনধৌ খোইয়ুম লাইশিংবু লাৎপিরিবা লাইগী লাইশক খঙনা চহী খুদিংগী হরাউ মথোই কাবগী লাইশক খঙনা চহী খুদিংগী হরাউ মথোই কাবগি থৌদাং লৌবিরিবা লাই শেল্লুংবশিং উকলনা মীয়ামগী মতেং লৌদুনা অমতা ওইবা হরাউবগী লাইরিক অসি পুথোকচবদা মীয়াম্না পীবিরম্বা চৎনা পথাপ অমসুং মীয়ামনা থম্বীরম্বা ৱাফম কয়া ইকোক নোন্না লৌজরি লোয়ননা মীয়াম্না লাই হরাউফমদা শক শোনবদা অমগা অমগা মান্নদবা লৈরমবা অদু কোকনবা লাইরিক অসিনা অচৌবা অওনবা পুরকলনি। লাইরিক অসিনা লান্না হরাউরম্বা অদু ঙসিদগী মান্নবা হরাউবা অমা ওইরগনি।

উকলনা পুথোকলকপা হরাউবগী লাইরিক অসি চৎনহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিগদবা, অচৌবা থৌদাং লৌবিগনি হায়বীরম্বা ইম্ফাল ইষ্টকি লাই থৌগল লূপশিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকি লাই থৌগল লূপশিং, থৌবাল ডিষ্টিক্টকি লাই থৌগল লূপশিং, বিসেনপুর চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুরগী লাই থৌগল লূপশিং, ইরমদম অসিদা লৈবীরিবা অমাইবা,

খাবশিংনা লৈ লাংলগা চাক্লোন কৎতুনা পাঙথোকপা হৌখিবা অসিদগী তুংগী মীরোল কয়ানা মৈনা ৱায় তাংনা শন্না পাঙথোক্লদুনা লাকপনা ঙসিগী মীরোল অসিনসু লৈকাই খুঙ্গং কয়াদা লাই হরাউবা থৌরম পাঙথোক্লরি।

ঙসিদি লাই হরাউবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী পুন্সি মহিংগা শেৎতোক খাইদোক্লবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা অমগুম লৌনরক্লে। লাই হরাউবা হায়বা লাইথৌ কূম্মে অসিবু থোইদোক হেন্দোক্লা মরুওইবা মশক অমা ওইনা লৌনরিবা অসিগী মরম নৈনদুনা য়েংবা তারবদি অসিগুম্বা লাইথৌ কূম্মে অসিদা মমাঙথক্তা লমদমসিদা চঙশিল্লকখিবা মপান লমগী লাইনীং লাইশোল অমদি চৎনবী কয়াগী ইথিলনা খূৎ চঙদনা ঙসিফাওবা লৈরক্লবা অমদি লমদমসিগী ওইবা তোপ-তোপ্পা চৎনরোলগী মশক অমা লেঙদনা উবা ফংলিবা লোয়ননা লমদমসিদা খুন্দা খুল্লিংলিবা মৈতৈশিংগী নাৎকি অশেংবা শক্তম্বু লেঙদনা ঙাক্তুনা থম্লিবা থৌরম অমা ওইবা মরম্না লাই হরাউবা থৌরম্বু য়াম্না মরুওইবা কলচরেল হেরিতেজগী শরূক অমা ওইনা লৌনরিবনি অমদি ঙসিগী মীরোলনা য়াম্না লূম্না অমসুং লুনা লৌনদুনা মাঙহন মূৎহন্দনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনরিবনি।

অসিগুম্বা লমদমসিগী খুন্নাইরোল, পুন্সিরোল অমদি চৎনরোল কয়া মমি তারিবা লমদমসিগী নাৎকি শকয়েং মিংশেন অমা ওইনা হিংদুনা লৈরিবা থৌরম অসি পাঙথোকপদা হান্নদগী চৎনরকপা লাই হরাউবগী অশেংবা কাঙলোন অমদি শক্তমদা মায়কৈ কয়াদগী হুমজিল্লকপা অকনবা শাফু অমদি ইথিলনা লাইথৌ কূম্মে অসিগী অশেংবা মশক মাঙশিল্লকপা খুদম ওইনা লাইবূংদা হকথেংননা খোঙদারিবশিংনা অশেংবা হরাউবগী লীক্লমদগী নাথৈদুনা মানা মানা থোকপা পঙতৌ তৌনরকপা, মানা মানা থোকপা জগোই-ঈশৈ, খূথেক শাথেক অমদি লাইরোল তীল্লোন্দা পঙহাপ হাপচিন্নরক্তুনা হরাউবগী পরমদা মান্নরক্তবা, খেৎনবা কয়া লাকপসিনা হরাউবগী নুংগী ওইবা ঈচেলগা চান্নরক্তবা, মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা চাওখৎপগী ইথিল চঙলক্তুনা মপাল লমগী জগোই ঈশৈ, চিত্রমালা, চিত্রহার, ফিল্ম ঈশৈ, বিহু-অমদি বাঙ্গ্লানচিংবা ঈথক ঈরাংগী ওইবা কয়ানা লাইবূং লাইবূং কয়াদা চৎনবী অমা ওইনা পাঙথোক্লরকপা লোয়ননা নুংঙাইনবনি, নোক্লবনি হায়দুনা মতম ঈশৈগী শৈহেক শৈদা কয়া শকচিন্দুনা লাই হরাউবগী অশেংবা শক্তমদা মাঙথ-কায়থরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকপা কয়া অসিবু মতম চানা কলহৌনবা অমদি লাইবূং খুদিংদা পাঙথোক্লরিবা লাই হরাউবগী পরমদা মান্নদবা, খেৎনবা খূথেক শাথেক অমদি শৈহেক শৈদাদা চপ মান্নবা মশক অমা লেপথোক্তুনা থম্বা ঙক্লবগীদমক উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না ইং শোক

ৱামাঙ য়ানবা ৱারোল

ঙসি ঙসিমক মনিপুরগী লোইজি-লোইয়া, লৈকাই-খুঙ্গং কয়াদা খুভম য়াদুনা লৈনরিবা খুন-খুনবু কোনবা লাই, উমংলাইশিংগী লাই বৃংদা চহী কুমজা খুদিংগী খোঙগং ঈকংবা মতমদা নুমিৎ থাবান অফবা, তীনচা-লাইচা শেংবা নুমিৎ য়েংদুনা, খুন খুনবু কোনবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনীবু হরাউ শকশেম তমদুনা লাই হরাউবগী থৌদোক কূম্নে পাঙথোক্লরি। লাই হরাউবা হায়বা লাইথৌ কূম্নে অসি লমদমসিগী অচৌবা ফুরুপ অমা ওইরিবা মৈতৈশিংগী পুন্সিরোল অমসুং খুন্নাইরোলগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা অমদি মৈহৌরোলদগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা য়াম্না মরুওইবা লাইথৌ থৌরম অমনি। লাই হরাউবগী থৌরমদা তাইবং মীওইবনা হেক পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লরিবা থবক থৌরম কয়াবু অমত্তা চিখদনা পাঙথোকই।

চহী অমগী মনুংদা মাগী মাগী খুন খুনবু কোল্লিবা উমংলাইশিংবু মতম মাঙনা, শেল চঙনা হরাউবা থৌরম পাঙথোক্লরিবা অমদি হরাউবগী থৌরমদা শক শোল্লিবা লাইরোল তীল্লোন, ঈরাৎ থৌনি পূম্বা অসি মরুওইনা উমংলাইশিং অদুনা কোল্লিবা খুন নত্রগা লৈকাই অদুদা লৈরিবা মচা মনাই ওইবশিংগী পুন্সিদা চাকহোঙ ঙাহোঙবা, খুঞ্জাউ লৈচাউবা, নুংঙাই য়াইফবা, চাদা নাউদা মরাং কায়বা, লৈবাক ঈং-তপ্পা পানবা, মীশি মীনা থোক্তবা পীনবিনবগীদমক তেংবানবা অসিদা পী-পা ওইরিবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনীদগী চাদা নাউদা শন্দোকপিখিবনি হায়বা নীংশিংদুনা মখোয়গী মতীক ময়াইবু মচা মনাই ওইবা তাইবংমী ওইবশিংনা শৈথাজদুনা হরাউ তয়াম্বগী থৌরম অসি পাঙথোক্লবনি।

লাই হরাউবা অসি খোয়ুম লাইশিংগী মতমদা অৱাং কৌব্রু চীংগী হরাউথেলদা লাইয়াম্না লাই হরাউবা থৌরম পাঙথোকপা হৌখিবনি হায়না থাজনৈ অদুগা খোইয়ুম লাইগী মতমদগী মথং চখরকপদা তাইবং মীগী মতমদনা মণিপুর পুৱারীগী হৌগৎলকপা মতম খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদা নোংপোক পাম্বোইবী অনীবু খুভম য়াদুনা কংলাদা পানবা

২০১০ গী মেরাগী ১৪ নি পানবা শগোলশেল অমসুং ১৫ নি পানবা ঈরাই, ওক্তোবরগী তাং ২১ অমসু ২২ নুমিৎ নিনি চুপ্পা ইবোয়াইমা সূমাঙ লিলা সঙলেন, পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা উমংলাই হরাউবা মীথেলপুংদা লৌখিবা ৰারেপ ঃ লাই হরাউবগী লাইশোল-তীনশোল, জগোই-ঈশৈ, তৌগদবা-তৌরোইদবনচিংবগী ময়াঙ ওইবা লাইরিক অমা পুথোকপা হায়বা ৰারেপকি মতুং ইন্না অহানবগী ওইনা লাই হরাউবগী হৌরক্লোন, উমংলাইগী মশক, লাই হরাউবনা লমদমশিগী নাৎকি পূক্কেদা লৌরিবা শক্তম, লাই হরাউবগী থৌরম কাঙলোন, লাইবূংদা হকথেংননা কূমদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মাইবা, মাইবী, পেনানচিংবগী থৌদাংশিং, লাই হরাউবগী কাঙলোন অমদি মসিগী অশেংবা হরাউরোনগী শক্তমদা কায়থরকপা কয়া, হরাউ থৌরমদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা পরমশিং, লাই হরাউবনা পীবা কান্নবশিং লোয়ননা মীয়াম পুন্না খঙজিনমিন্নবদা কান্নবা ৰারোল কয়ানা হীরম ওইবা লাইরিক অসি পুথোকচবনি।

অহানবা ওইনা পুথোকলিবা লাইরিক অসিগী মথংদা পুথোক্লক্কদবা অনীশুবা লাইরিক্তা লাই হরাউবগী থৌরমদা শীজিন্নগদবা চপ চাবা লাইরোল-তীল্লোন, হৈথা-লৈথা, জগোই-ঈশৈ অমদি চত্থগদবা মওং মরিল চুম্বা কাঙলোন পরমশিংগী ওইবা লাইরিক অমা মখা তনা পুথোকচরকখিগনি অদুগা অহুমশুবদা লাই হরাউবা লাইথৌ থৌরম পাঙথোকপদা অমাইবা, অমাইবী, পেনানচিংবশিং, লাইবূংশিং, লৈকাই, খুলশিংনা তৌফম থোক্তবা পরম কায়বা থৌরম পাঙথোক্লিবা, তৌশিল্লিবা কয়াগী মরমদা মরীক চুন্না শুগাইনা ইবা ৰারোল য়াওবা লাইরিক অমা অহুমশুবা শরুক ওইনা পুথোকচগনি।

লাইরিক অসি মীয়ামগী মাঙদা পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা অঙম্বা মতেং পাংবিরকখিবা উকল অমদি মসিগী মপানগী মীওইশিং উমংলাই হরাউবা কাঙলোন ঙাক শেনবা লূপ (লাইলুপ) কি অহল-লমন, অখঙ-অহৈ কয়া লোয়ননা লাইরিক অসিসু মতম চানা মীয়ামদা পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা লময়ানবা প্রিন্টর্সকি ইচিল ইনাওশিং পূম্নমক্কি মফমদা উকলনা তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা মতম পূম্বগী ওইনা শিংঙমদ্রবা লমন তোঙ্গিল্লে হায়বা ৰাফম অসি থমজরি।

মীয়ামগী

চৈচৎ ১৭-১০, ২০১২ ইং **উমংলাই কনবা অপূনবা লুপ (উকল)**

উমংলাই হরাউবা

মৈতৈ হায়বা কাঙলূপসি লাইশিংবু য়াম্না কিনা লুনা নীংজবা অমদি লাইবু য়াম্না থাজজবা মীওই কাঙলূপনি। ফুরুপ অসিনা হৌরকপঁ য়াম্না ঙল্লিপঁ মতমদগী হৌনা লৈশেম নোংশেম্বদা য়াওরক্লবা লাইশিং অমদি লাই ওইখ্রবা মপা মপুশিংবু ঈরাৎ থৌনিদুনা অমদি লাইথৌ তীন্থৌ পাঙথোক্তুনা লাকই। অসিগুম্বা লাইশিংবু লাৎপগী থবক অসি ঙল্লিপঁ মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকপনা ঙসি ঙসিমক ফাওবা তৌদবা য়াদ্রবা চৎনবী অমা ওইনা লেপ্তুনা পরিং কায়দনা চত্থদুনা লাক্লি। মৈতৈশিংনা মখোয় মখোয়না খুন্দারিবা খুনশিং অদুবু কোল্লিবা উমংলাইশিংবু চহী খুদিংগী অফবা নুমিৎ, থাবান, তীনচা লাইচা শেংবা য়েংলগা হরাউ শকসেম তমদুনা হরাউ তয়াম্বগী থৌরম **"লাই হরাউবা"** হায়দুনা পাঙথোকই। লাইশিংনা মহৌশা লৈশেম নোংশেমপঁ, তাইবঙ মীওইবনচিংবা থৱায় পানবশিংবু শেম্লকপঁদা তৌরম্বা থবকশিং অদুবু অমুক তাইবঙ মীওইবনা মতৌ তমদুনা উৎপবু লাই হরাউবা কৌই। অসুম্না তৌবা অসিদা লাইশিংনা পেনবী। লাইশিংবু হরাউনরিবসি তাইবঙ নমু পোং ওইবা মচা মশূশিংবু শূক্তা শোয়দাননবা, পুন্সি নোংশাংনবা, খুঞ্জাউ লৈচাউনবগীদমক লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোক্লরিবনি। মসিতসু নত্তনা মৈতৈশিংনা মচা মশূশিংবু লুহোং খোঙদোংবা অমদি অপোক অশা লমলাই থাবা মতমদা খুন খুন অদুবু কোল্লিবা লাইশিং অদুগী শরুক চাকথা তমদুনা কৎনৈ। অসিগুম্বা খুন খুনশিংগী ওইনা খুভম লিংদুনা খুভম য়ারগা লাৎনরিবা লাইশিং অসিবু উমংলাই হায়না খঙনৈ।

য়েলহৌপঁদা লাইয়াম্না অৱাং কৌব্রু চীংদোলগী খারোমদা হাইথবা লৈতেম মান্নবা মফম অসিদা কৌব্রু কৌবা লাইনা কৌরগা চহী অমগী মেরা থাদা অফবা

নুমিৎ থাবান য়েংলগা খোইয়ুম লাইয়াম্না চাকচা হৈজানরগা নুমিদাংৱাইগী মতমদা হোই লাউবা থৌরম অসি হোইরাউথেন্দা লাইয়াম তিন্দুনা হরাউখি। মদুদা য়েনবিকাপ্পনা চামলৌ লা খাঙজখি, লারোই ওইখি, য়েনবিরুংবনা শীংলোই মকোক ওইনা থৌ পুখি: মোরিয়াবনা কৌবা লোকলেন চঙনা শীংঙেল লৈরাং থিদুনা লৈরোই ওইখি, মদুগীদমক্তা লৈরোইহনব- ও কৌখি, চান্দেবা, খোংদেবা লাই অনীনা অশীন অরাঙ ওইখি। অসুম্না কৌব্রুগী হরাউথেন্দা লাইয়াম্না অহানবা ওইনা লাই হরাউখি। অসুম অসুম লাংহৈ কুমশিং কয়াবু খোইয়ুম লাইয়াম তিন্না লাই হোই লাউরকপবু মথং মথং কায়দনা শুনা খঙবা লাইশিং শুদবনা খঙঙমদবদগী খোইয়ুম কনাবু কৌশিবনো হায়না চীংঙু লাইয়াম তিনবা কুমজা খুদিংগী থবি লমতা থাগী থাঙজ অহানবা নোংমগী খুনদিন নোংদা লাইয়াম্না খন্নরে। অশীবনা হান্না লৈশেম্বনিনা খোইয়ুম মাদসু পাউহংসে হায়না লাইয়াম্না ৱারেপনববু খোইয়ুম অসীবদি কদাই লমদবু থৌপুবনো হায়না থিববু খোইয়ুম নোংপোক লাংওনঙৈনে। অসুম্না লাইয়াম্না কাউদনা নীংশিংদুনা হোই লাউরে অদুবু মাঙ-তুং শোয়ববু লাইয়ামদি খঙদেয়ে। থেংনহৌবা মশক অদুবু নুমিদাংৱাই মমদ্রিঙৈদা লাইয়াম্না হোই লাউরে হায়বগী লাই হোই লাউই হায়বদগী লাই হরাউবা কৌখি।

অসুম্না অশীবনা শেল্লোই লংমাই চীংদা খোইয়ুম নোংপোক ওইনা লাংওনখ্রবদা লাই হরাউবগী মথং মনাও থৌরম ৱাৎতনা খঙলবা নোংপোক নহা পান্থোইবী অনীনা শীললাঙদুনা মথং লাইয়ামগা লোয়ননা লাই হরাউখি। অসুম্না লাইয়ামদা হরাউবগী নুংঙাইববু উহল্লি হায়বগী লাইয়াম পূন্নমক্না লাই হরাউবা হায়খি। শেল্লোই লংমাইদা লাইয়াম্না হরাউবা মতমদা খোয়রিফাবনা কাংহুনা নুপী কোৎখিবগী মরমবু মৈতৈনা হরাউবদা লাই কংলৈ থোকপনি, লাই নুপী থিবনি হায়না খঙনরিবা অসিনি। অদুনোংদা লৈশেমঙৈগী ৱাদু মথং কায়ফদনা য়োন্দনা পাউদম পাউতাকপিয়ু হায়না চীংঙু লাইগী থৌরমবু নুংঙোল থৌকাউদনা পাউতাক পাউমেনখিবদি অতৈ কনাদবু হায়দে, মখোয় মরিল চিংনা লাংগোই মোইশা অয়াঙববু ফাঙৈগী চীংঙু মারজিং কোলোয় ময়াথংবু কোনদে খুচুম মাইবদা শিন্থা পীখিঙৈনে। মরম অসিগীদমক্তা কোনদে খুচুম মাইবনা হে লাইকন চীংদা তাকখিঙৈনে, মশানৌদি তম্পাক লৈহৌ মাইবীও কৌখিঙৈনে। অসুম্না মথং মথং কোন্দে নাকথং মাইবা, তম্পাক লৈহৌ মাইবীবু নোংপোক নহা পান্থোইবী অনীনা শায়োনখি।

লাই হরাউবা অসিমক মীওইবনা লাইশিংগী তৌরম্বশিং অদুবু নীংশিংবনি। অসুম্না চৎনরকপা কাউদনা থৌরমশিং অদু মাইবা, মাইবী, পেনা শকপনা শক শোনবনচিংবা তৌদুনা লাইনা পেনবিনবা লাইশিংবু চহীগী ওইনা লাইবুংদা

লৈথোল লৈয়াৎনচিংবা য়ুংদুনা ফজনা লাই হরাউখি। করিগুম্বা ঙমদ্রগা নুমিৎ থাবান য়েংলগা নোংমতং ওইরবসু হরাউরগা লাই কুম চল্লি। চহীগী ওইনা হরাউবা ঙমদ্রবদি নোংমতং ওইনা নুমিৎ থাবান অফবা য়েংলগা নোংমা হরাউববু কুম চনবা কৌই। সনা লুপা কোনয়াই চনগনি। লাই চাকলোন কৎপদদি সনা লুপা কোনয়াই থাদে হৈকৎ লৈকৎলবসু কুম চনবগী লাইরোলগা মান্নদে। লাই চাকলোন কৎপদি চনৌ কৎপসু কৌই। পোৎচঙদি শরেন ঙা, ঙাপং, চবানফু, হৈ-লৈনচিংবা মান্ননা চঙগনি। লাই হরাউগে খন্দুনা চনৌতা কৎলগা তোকপা করিগুম্বা হরাউবা ঙমদবা তারবদি লাই অদু কুম চল্লি কায়ফদে। অসি নত্তনা চহী অমদা লাই অনীরক হন্না লাই হরাউবসু য়াদে। করিগুম্বা শোয়বদগী থা ৱাংমা লানখিবা তারবদি থংনবা থাদা নোংমা পানবদা ফমদেংলিবা লাইবু হীরী ফান্দুনা লাইমাঙদা কোন্থাদুনা নৌনা অমুক ঈকৌগনি। হীরীলং অদু লোইনা তিংলোই। ঈশিংদি কোন্থাগনি, মওংদি কোনপাক্লুম্বা অমদা ঈশিং হৈরগা হীরী ফানগনি, পেনা খোংগনি। মাইবনা খোইজু লৈখাম ওকনা অনম অথৌ কোক্কনি।

লাই হরাউবদা তৌফম থোকপনা কদাইমখৈনো হায়রবদি লাইবৌ শান্নরিঙৈদা লাইগী শেনপোৎ লাইপোৎ পুবী নুপী অমনা মশাদা শোক্ল-পন্নবা য়ারক্ত্রবদি মানা পায়রিবা পোৎ অদু পায়দুনা অতৈগা শম্নদনা শোক্লদনা মশাদং থোরক্লগা পোৎ অদু লা থারগা লা মথক্তা থমগনি, অদুগা পোৎ অদু মাইবনা অনম্বা কোক্কনি। লাইপোৎ অদু ফেঙদোকহল্লগা, ফেঙলিবা মী অদুসু অনম্বা কোক্কনি। সনা লুপা মচুম তাইরেল নাহৈরগা মাইবনা হংগনি করি তৌরে? মাইবীনা পোৎ অদু পায়রগা মি নল্লে হায়না খুল্লগা লাইগী পোৎসু মীনা থৌগলদবা য়াদে মিকোলসে হায়না অতোপ্পা নুপী অমদা অমুক তাইরেল খীকনা লাইপোৎ অদুবু পীদুনা শিন্নবা মতমদা খীকফেন চাইথোকপিগনি। অসুম্না লাইপোৎ অদু শিন্নবিরমগনি। নৌনা চঙলকপা নুপী অমদা পীবা য়াদে। অসুম্না লাই হরাউবদা লাইনা করম্না তৌরকপা, মালেম অসিবু মতৌ করম তৌনা শেন্নকপা মদুদগী মথং মথং করি লাইনা করি তৌরমই, করম্বা লাইনা করি থৌরম তৌবদা করম্বা লাইনা থুগাইখি, থুগাইগে তৌবদা কনানা করম্বা লাইনা করি পুথোক্তুনা মালেম অসিবু লৈশেম্বা লৈরোইবা নাইরগা লাই কয়াবু মকোক ওইনা শীংথাদুনা লাইবূংথৌ লাইনুরাশিং অদুগী মশিল, করি মথৌ তৌরমই, শৈশক-শৈথা, খোন্থাং-খোন্থোক, ৱাহৈ ৱাতাশিং লাইশিংনা হায়রম্বা লোনদাশিং অদুবু কাউদনা মথং মথং চৎনরি। অসুম্না অখণ্ড অহৈশিংদগী তমজহৌবা থিজহৌবনা য়ূমফমনি।

লাই হরাউবদা শরুক য়াবদনা চহী খায়দে, নুপী নুপা খায়দে, খুন্দুদা, লৈকাইদুদা লৈবা খুদিংমক শরুক য়াবা য়াই। ঙম্নমক পিশক পীক্লিবা অঙাংদগীনা চৈশু হেক পায়দ্রিবা মীপূম খুদিংমক লাই হরাউবদা শরুক য়াই। য়াম্না ঙক্লিবদি লাই হরাউবদা য়াওরিবা নুপা নুপী খুদিংমক জগোই শাবা হৈ, ঈশৈ শকপা হৈ লোয়ননা তানগী তানমীৎ খঙই। থোইদোক হেন্দোক্লা ফজরিবদি মৌগী পরেং অমা লৈশাবীশিংগী পরেং অমা লৈশাবী মৌ খঙনা ইনাৎকী ওইবা ফিজেৎ অদু ফজনা শেৎলি। মসি নুপা অহল অমসুং পাখংশিংগী ওইনসু পারী পুরিগী হাক্তক্তগী চৎনরকপা নাৎকী ওইবা ফীজেৎতু ফজনা শেৎলি। মসিদা লাইরা ঈনাকখুনবা য়াদে। লোয়ননা নেসনেল হেরিটেজ অমসুং নেসনেল আইদেন্টিটিগী ওইবা ফজরবা মশক মওং তাবা নেসনেলিজম স্পিরিটকি ফজরবা মচৎ অমা য়াওরিবসি য়েংলুবদা লাই হরাউবগা মণিপুরগী খুন্নাইগা অনীগী মরক্তা থাদোক্লবা য়াদ্রবা অচেৎপা মরী অমা লৈরি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা কৈদৌনুংদা কাউফম থোক্তে হায়না থমজগে।

লাই হরাউবদা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং হায়বা খায়দে। মঙাং লুৱাং খুমনগী মতম অহুমগী য়াওন্দা লৈশেমলোন, খুন্নাইলোন, মীপোকলোন অমসুং য়ূম্বাল্লোনগী ঈচেলদা ঈরু-ঈশেং ওইনা চেন্থদুনা লাই হরাউবগী কৃষ্টি অসি পাঙথোকই। অদুনা মসিদা হ্যুমেন সাইকোলোজি, বাইওলোজী, কলচরেল এন্দ ফিজিকেল এনথ্রোপোলোজি, সোসিএল অমসুং লাইফ সাইন্সকী চেপ্টর অমা ফজনা য়াওরি। মসিগী লৌশিংগী মঙাল অসি লাই হরাউবদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক্তা নুংশিরবা ফোল্ক ম্যুজিক অমসুং দান্সকা লোয়ননা শরুক য়াহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা, অঙাংশিংদা মহৈ তম্বদা প্রি নরসরি কোর্স তম্বীবদা নুংশিরবা ঈশৈগী তান্থাদা অদুদগী লাই হরাউবদা লৈরিবা থাক অসিনা হেন্না ৱাংই হায়না লৌজনিংই। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি অহিংদগী নোংঙালফাওবা পাঙথোকপসিদা নত্তবা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রি। নুপী অঙাংদা ইজ্জৎ মাঙবগী পাউ অমত্তসু তাখিদ্রি। মতৌ অসুম্না অসুক্কী মতীক ফজথ্রবা ৱাংখ্রবা খুন্নাইসিগী থৱায় হকচাংসু ওইরিবা লাই হরাউবদা মতুংদসু কৈদৌনুংদা নত্তবা থৌদোক থোক্তনবা ইপা ইপুগী মতৌ তমদুনা হোৎনফম থোকই। মতাং অসিদা থমজনিংবা ৱাফমদি কনা কনাগুম্বা খোর্জে পায়বা অইবশিংনা লাই হরাউবা ফেষ্টিভেলবু লান্না উখিনবা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীশিংনা লান্না উখিনবা মওংদা খূৎ থাবা য়াওদবা নত্তে। মসি তৌবিগনু, লাই ওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদা ওন্ন-তৈননা উখিবা য়াবগী লম্বী চাউনা লৈ। মরম অসিনা নৌনা অনৌবা মায়োন অমগা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী মশক উৎননবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা তাথোক তাশিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

5

উমংলাই মখল

লমদমসিগী অখঙ- অহে কয়ানা উমংলাইবু মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা উমংলাইগী মখল পীনবা হোৎনৈ। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলনা উমংলাইশিংবু (১) মৈতৈ পূম্নমক্কী ওইবা লাই, খুদম ওইনা - পাখংবা, নোংপোক নিংথৌ, পান্থোইবী, থাংজিং, ওক্লরেল, কৌব্রু, মার্জিং, ৱাংব্রেননচিংবা লাইশিং, (২) মৈতৈ পূম্বগী ওইবা উমংলাইশিং তৌইগুম্বসুং অকক্লবা য়ূম্লাক শাগৈতনা লাত্তুনা থৌরম পাঙথোকপা লাইশিং খুদম ওইনা- তাইবংজমনা লাৎপা লাইখুরেম্বী, সোরেনসঙবম্না লাৎপা সোরারেন (৩) শাগৈ শাগৈগী ওইবা উমংলাইশিং খুদম ওইনা- সৌবামনা লাৎপা সৌবোল লাইরেম্মা, হিজম্না লাৎপা হিজম লাইরেম্মা, পাউনম্না লাৎপা লাইনিংথৌ ঈশিংচাইবা, য়ুম্নাম্না লাৎপা য়ুম্নাম লাইরেম্মা, লাইরেনময়ুম, ফৌগৈশঙবম অমসুং পোলেম য়ুম্লাকশিং অসিনা লাৎপা মোইরাংপোকপা অসিনচিংবা।

সরোজ নলিনি প্যারেতনা উমংলাইশিং অসিবু মখল মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা উৎলি। হায়রিবা উমংলাই মখল মরি অদুদি (১) মমাঙঙৈ হৌখিবা মতমদা তাইবংমী ওইনা হিংদুনা লৈরম্বা লাই নত্রগা ইপা- ইপুশিং (২) অকক্লবা য়েক সলাইগী ওইবা লাই (৩) অকক্লবা শাগৈ নত্রগা য়ূম্লাককি ইমুং- মনুংগী ওইবা য়ূমজাউ লাই হায়না খঙনবা লাইশিং (৪) অকক্লবা মফম অমবু ঙাকপী শেনবীরিবা লাইশিং অসিনচিংবা।

রাজকুমার অচৌবগী মত মতুং ইন্নসু উমংলাইশিং অসিবু মখল মরি থোক্লা খায়দোকই। মখলশিং অদুদি (১) লৈসেম নোংসেমঙৈ, মালেম অসিনা হৌরকঙৈদগী লৈরক্লবা উমংলাইশিং খুদম ওইনা- কৌব্রু, থাংজিং, মার্জিং,

ৰাংব্রেননচিংবা, (২) মপা মপুশিংনা ওইখিবা উমংলাইশিং খুদম ওইনা-পাখংবা, খাগেম্বা, নাউথিংখোং অমসুং তবুংবনচিংবা (৩) শাগৈগী উমংলাইশিং হায়বদি মতম অমদা মী ওইনা হিংদুনা লৈরম্বদগী মীশি চাদনা শিখিবা নত্রগা মতম পুম্বগী ওইনা মাঙখিবদগী ওইখিবা লাইশিং খুদম ওইনা য়ূমজাউ লাইরেম্বী, ঈরৈমনচিংবা (৪) মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা হিন্দু ধর্ম্মগী ওইবা উমংলাইশিং খুদম ওইনা- থিনুঙ্গৈদা লৈবা রামজি নিংথৌ অমদি য়ুম্লাম হুইদ্রোমদা লৈবা সেনকুদেব অসিনচিংবা।

ৰাহেংবম লুখোইনা মহাক্কী লাই হরাউবা কৌবা লাইরিক্তসু উমংলাইশিং অসিবু মখল মরি থোক্লা হায়বদি (১) শাগৈ শলাইগী ওইবা উমংলাই (২) খুল খুলগী ওইনা লৈবা উমংলাই (৩) নিংথৌগী মচা মশূনা ওইখিবা উমংলাই (৪) মপান্দগী মণিপুরদা পুরক্লগা ওইখিবা উমংলাই অসুম্না খায়দোকই।

পূম্নমকসি য়েংলগা অমুক হন্না নৈনদুনা উমংলাইশিং অসিবু চাউরাক্লা মখল তরুক থোক্লা নৌনা খায়দোকপা য়াই। মদুদি (১) য়েলহৌঙৈদগী হায়বদি হৌবদগী লৈরক্লবা লাইশিং (২) খুন খুনশিংবু কোনবিরিবা লাইশিং; (৩) শাগৈ শাগৈশিংগী ওইবা লাইশিং, (৪) নিংথৌ মচা মশূশিংনা লাইরল্লেন্দা তিনখ্রবদা লাই ওইনা খুভম য়াদুনা লাৎনহৌবা লাইশিং (৫) মীশি চাদনা শিখিবা অমদি মতম পূম্বগী মাঙখ্রবা মীওইশিংনা ওইখিবা লাইশিং অমদি (৬) মপাল লমদগী পুশিল্লক্তুনা লমদম অসিগী উমংলাই ওইনা লৈখ্রবা হিন্দুগী লাইশিং অসিনচিংবা।

7

উমংলাইশিংগী লাইচৎ

মৈতৈগী লাইগী পরমদা লাইচৎ হায়বা অমা লৈরি। লৈসেম নোংসেমঙৈগী লাইশিংনা লাংওন মথং মথং লাক্তুনা মপোক কয়া পোল্লকপবু পোল্লক্লিবা লাইশিং অদু লৈসেমঙৈগী লাই অদুগা লাইচৎ তিন্নৈ হায়না লৌনৈ। লাইগী লাইচৎ তিননবা লাই মশেন্দি অকল্লবা লাই অমগী লাইশোন তীনশোন, হৈকৎ-লৈকৎ খঙদ্রবসু লাই অদুগী লাইচৎ অদু লাই করম্বগী লাইচৎনো হায়বা খঙলবদি লাইদুগী লাইশোন তীনশোন, শক শোনবা অমদি হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা ঈরাৎ থৌরম পাঙথোকপদা অকায়বা লৈতে চপ মান্নবা মহৈ ফংঙি হায়না লৌনৈ।

লাইশিংগী লাইচৎ অসি মপৃংদা লাই নিপা অহুম হায়বদি। (১) লাইয়িংথৌ অশীবা (২) লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপা অমদি (৩) অতিয়া সিদবদগী লাই নিপাশিংগী লাইচৎ মথং-মথং চথে অদুগা লাই নুপী অহুম হায়বদি- (১) লাইরেম্মা লৈমরেন (২) লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমা, অমদি (৩) লাইখুরেম্বী হায়রিবা লাইরেম্বী অহুম অসিদগী লাই নুপীগী লাইচৎ মথং মথং চথে। মরম অসিনা লাই তরুক অসিবু লাইচৎ লাইওনগী মকোকনি হায়না লৌনৈ। হায়রিবা লাই নিপা অমদি লাইনুপী পূন্না লাই তরুক অসিদগী চথরকখিবা লাইচৎশিংদিঃ

লাই নিপাগী লাইচৎ ঃ

১। লাইয়িংথৌ অসীবগী লাইচৎ ঃ

(১) সামদোন অয়াঙবা (২) খাকপা পুরাং পুরৈরোম্বা (৩) নোংপোক (৪) সরারেন (৫) পুথিবা (৬) লোইয়ালাকপা (৭) ময়াং নহা সারৈ থেকপা

(৮) য়োইমোংবা (৯) সনামহী (১০) থোংনাং নিংথৌ (১১) তাউরোইনাই (১২) কুপত্রেং (১৩) খুমু তুংইন্নবা (১৪) ৰাংথা মৈরোইনবা (১৫)ৰাইকোক সরিবা (১৬) লাইয়িংথৌহনবা (১৭) য়েনলাংবা (১৮) হঙ্গোই নিংথৌ (১৯) সেংপান (২০) ৰাংবরেন (২১) ৰাখালাকপা (২২) কৈরাউ লাকপা (২৩) খোংজি লাকপা (২৪) অরোইনুং (২৫) লোকনিংথৌ (২৬) ঈশিং চাইবা (২৭) নোংকাচেং (২৮) ৰানঙৌবা (২৯) নুংকা সিংপাক (৩০) মোংবহনবা (৩১) পললু লৈয়েনবা (৩২) ওকসুরাকপা (৩৩) থোঙাইবা (৩৪) য়ুচেং (৩৫) খোরিফাবা (৩৬) কোরৌহনবা হায়রিবা লাই নিপা ৩৬ অসি লাইয়িংথৌ অসিবগী লাইচৎ ওইবা লাইশিংনি।

২। লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপগী লাইচৎ ঃ

(১) কোংলৌরেন অপানবা (২) পাখংবা (৩) নাউহন অহনবা (৪) খম্লাংবা (৫) মুৰা নিংথৌ (৬) তাউথিংমাং (৭) য়াংগোই নিংথৌ (৮) তুবু চীং নিংথৌ (৯) অচাবা (১০) য়াংগোই (১১) থাংজিং (১২) সেক্লে (১৩)ঈকোপ নিংথৌ (১৪) অয়াপা (১৫) লৈকাচেং (১৬) ৰানমুবা (১৭) নূংজোংবা (১৮) নোংথিলচাইবা (১৯) য়ৌঙাইবা (২০) কোংতিংলেন হায়রিবা লাই ২০ অসিনা লাইয়িংথৌ কোঞ্জিন তিংথোকপা পাখংবগী লাইচৎ ওইবা লাই নিপাশিংনি।

৩। অতিয়া সিদবগী লাইচৎ ঃ

(১) নোংশাবা (২) চাখাবা (৩) মার্জিং (৪) লুৰাং নিংথৌ (৫) লাংবুম নিংথৌ (৬) সম্নুম নিংথৌ (৭) থৰারেন (৮) পোনবি লুৰাংবা (৯) সিংতাবুং (১০) পোইরৈতোন (১১) খুনথিবা (১২) পুদাংকোই (১৩) নূংপোকপা (১৪) নূংগাং মহারাবা (১৫) চীংখৈ নিংথৌ (১৬) মহৌ নিংথৌ (১৭) উতিন উকাং নিংথৌ (১৮) ঈপুনলেন (১৯) ইতাইরেন (২০) মকুরেন (২১) থোংথোক কারান (২২) অন্দ্রো খুল্লাকপা (২৩) চেংঙা (২৪) থৰা (২৫) কৌব্রু হায়রিবা লাই নিপা ২৫ অসিনা লাইয়িংথৌ সিদবগী লাইচৎ ওইবা লাইশিংনি।

লাই নুপীগী লাইচৎ ঃ

১। লাইরেম্মা লৈমরেনগী লাইচৎ ঃ

(১) য়ারিরোক (২) হীরৈমা (৩) ঈরাইলৈমা (৪) হীকুবী (৫) তরুংলৈমা (৬) য়ূমজাউলৈমা (৭) উসোইলৈমা (৮) পেতঙা (৯) চীনবানলৈমা (১০)

৭

ঈরোংলৈমা (১১) নোংগালৈমা (১২) ইচুমলৈমা (১৩) চেঙলৈমা (১৪) চীংঙালৈমা (১৫) হৈবোকলৈমা (১৬) হিয়াংথাং লাইরেম্মা হায়রিবা লাই নুপী ১৬ অসি লাইরেম্মা লৈমরেনগী লাইচৎ ওইবা লাই নুপীশিংনি।

২। লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমগী লাইচৎ ঃ

(১) পান্থোইবী (২) তাম্থোঙলৈমা (৩) লেমথোংলৈমা (৪) লমদেংলৈমা (৫) হৈনৌবোকলৈমা (৬) তাংজিংলৈমা (৭) চনিংলৈমা (৮) নূংগোইবী (৯) কোলোয়লৈমা (১০) থুমলৈমা (১১) ঙারৈমা (১২) থারৈমা (১৩) ফৌওইবী (১৪) য়োৎলৈমা (১৫) ৰাত্রৈ সিনহৈবী (১৬) কোনলৈমা (১৭) খাকপা নিংথৌ চনু (১৮) মোইনু চনু (১৯) পিথেৎলৈমা (২০) লেরালৈমা (২১) লাইনথানবী (২২) খাবী লুকোক চনু (২৩) লিক্লাবিচা (২৪) য়াইবীলৈমা (২৫) পিথ্রাই খোংদ্রাইবী (২৬) সরিকলৈমা (২৭) পূকস্রিলৈমা (২৮) লৈমা নূংলাউবী (২৯) খাম্বী ইয়েংচা হায়রিবা ২৯ অসিনা লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমগী লাইচৎ ওইবা লাই নুপীশিংনি।

৩। লাইখুরেম্বীগী লাইচৎ ঃ

(১) লৈনাউতাবী (২) লাইস্না (৩) চীৎনুলৈমা (৪) থমনুলৈমা (৫) অহুমনু (৬) অরৈনু (৭) থেরেলোংবম চনু (৮) তোনথাংনু (৯) সৌবোনলৈমা হায়রিবা লাইনুপী ৯ অসিনা লাইরেম্মা লাইখুরেম্বীগী লাইচৎশিংনি।

উমংলাই মাপল পুথোকপা ঃ

নোংমা কোরৌনোং পাখংবগা লাইস্নাগা অনীনা মোংবা সঙ্গাইরেন্দা হীপলিঙৈ লৈনুং থারুক অসৈবনা য়াহৌববু লৈমরেম্বী লাইস্নানা লাইয়িংথৌ য়াহৌহিগুনো নিংথৌ নহিসাং, ফমথৌ নঙাইরোই কনাসু লৈতরিএ হায়না মসাবী পাখংববু থৌখামখি। মদুদা পাখংবনা মহাক্তগী লাইফংথৌ মাপল চিংথোকখি।

পাখংবনা মহাক্তগী চিংথোকখিবা লাইফংথৌ মাপলগী মমিংদি ঃ

(১) লাইয়িংথৌহনবা (২) খম্লাংবা (৩) মোংবহনবা (৪) চাখাবা (৫) নাউকন (৬) মুৰানিংথৌ (৭) লুৰাং পুন্সিবা (৮) মার্জিং (৯) কৌব্রু হায়রিবা মাপল অসিনি।

হায়রিবা লাইফংথৌ মাপল অসিবু উমংলাই মাপল হায়রগনু খঙনৈ। পাখংবগী ফমলুপ নিংথৌ পোংবা তরা কৌবদি মখোয় অসিবু কৌই। মৈতৈগী লৈঙাক্লোন্দা উমংলাই মাপল অসিগী লাইপাদি- খুরায়লাকপদি লাইয়িংথৌহনবনি , ৰাংখৈরাকপদি মোংবহনবনি, নোংথোনবদি খমলাংবনি, পুখ্রনবদি চাখাবনি, খ্বাইরাকপদি নাউকননি,

য়াইস্কুল্লাকপদি মুৱা নিংথৌনি, অহল্লুপলাকপদি লুৱাং পুন্সিবনি, হিয়াংলোই হঞ্জবদি মার্জিংনি, চোঙখানবা হঞ্জবদি কৌব্রুনি। হায়রিবা মাপল অসিবু খুনফাংথৌ কৌই। উমঙলাই মাপল অসিনা খুনফাংথৌ মাপলগী মকোকনি।

পাখংবনা মহাক্তগী উমংলাই মাপল পুথোকখিববু উমংলাই মাপল কৌবা লাইরিক্তা ইরম্বা ৱারোলদি- মপুগী মীৎ য়েৎতগী মুৱানিংথৌ থোকএ, মীৎ ওয়দগী লাইয়িংথৌ থোকএ, নাকোং য়েৎতগী মোংবহনবা থোকএ, নাকোং ওয়দগী নাউকন থোকএ, নাতোন য়েৎতগী চাখাবা থোকএ, নাতোন ওয়দগী কৌবরেন থোকএ, য়াদগী খমলাংবা থোকএ, ঈশিং থোঙদগী লুৱাং পুন্সিবা থোকএ, পেং থোঙদগী মার্জিং থোকএ। অসুম্না উমংলাই মাপলনা থোক্লকপগী লীখুল পী।

উমংলাইশিংগী লাইচৎ লাইরি তাকপা হায়বসি তরাই তরাইবা ৱাফম অমদি নত্তে। মপূং ওইনা লাইশিংগী লাইশকশিংদি লমদম অসিদা ফংবা লাইরিক লাইশুশিংদা ইরম হায়রম্বা কয়াদগী খঙবদা লায়না থোক্লবসু লম লমগী ওইবা লাইশিং অমদি য়ূম্নাক শাগৈশিংনা খুভম য়াদুনা লাৎনরিবা লাইশিংগী মশক তাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইনরি। হৌজিক হৌজিক খুভম য়াদুনা লাৎনরিবা লাইশিং অসিগী মরক্তা লাইচৎ লাইরি খঙদবা লাই কয়ামরুম য়াওরিবশিং অসি লমদমসিগী অখঙ অহৈ কয়ানা চৃংশিন্নদুনা লাইশিং অসিগী অশেংবা মশকশিং খঙদোক্লবা হোৎনবগী য়াম্লমক তঙায়ফদবা অমা লৈরে হায়না লৌদবা ঙমদে। মসিদা মায়কৈ খুদিংদগী হায়বদি লনাই মীওই কয়া অমদি লনাই লূপ কয়ানা অঙল্সা থাক্তা হোৎনমিন্নদুনা অমদি মতেং পাংনদুনা চঙশিনমিন্নরবদি পূম্নমকসিগী ওইথোকপা চাউনা লৈ।

খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহনা ইবা "ইনাৎকী হরাউ কুম্মৈ" কৌবা লাইরিক্তা লাইবুংথৌ ৯ গী মমিং অসি মখাগী অসুম্নসু পল্লি,মদুদি

লাইবুংথৌ ৯ মমিং

১) কাংচাউপা ২) লৈহক য়াসাবা ৩) লৈনোং থমপা ৪) নোংতমলেন য়াশাবা ৫) কুরুম য়াংবী ৬) লৈখোমতাউ ৭) তাংমরিংপা ৮) লোঙচুমপা ৯) উইথা পোংথাংঙাং অসিনচিংবনি।

অদুগা লাই নুরা ৭ কী মমিংনা অসুম্না পিরি, মদুদি ঃ-

১) হৈপোক লৈমা মোনশামবি। ২) ললহামবুং লৈমা হেনমোইবি।
৩) নোংমৈবূং লৈমা ইমোইনু। ৪) চীংঙা লৈমা লালহৈবী।
৫) লাংচিং লৈমা পিয়াইনু। ৬) লিৱা লৈমা তেংগোল চাইবী অমসুং
৭) পিশুম লৈমা শাফাবী অসিনচিংবনি।

লাই হরাউবদা অমাইবা, অমাইবী, পেনা শঙ ৩(অহুম) গী থৌদাং

হৌজিক্কী মতমদা অচুম্বা অশেংবা লাই হরাউবা অমা ওইরক্লবা হোৎনবদা লাইগী থৌদা পুরিবা শঙ হায়বদি অমাইবা, অমাইবী, পেনা শঙ অহুম অসি অসুক্কী মতীক মরু ওই। অদুবু লাই হরাউবা অমদা চঙলিবা মচৎশিং অসি অসুক্কী মতীক পাক চাউখরে। উমংলাইশিংগী মনুংদা লাইচৎ লাইচৎকী মতুংইন্না হরাউবা মখলসু খেৎনৈ। অদুবু ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নগদবদি উমংলাই হায়বসি করিনো? করিগী লাই হরাউগদৌরিবনো? শম্না হায়রবদা "হকচাংনা উমংনি থৱায়না লাইনি" হকচাংগা থৱায়গা পূল্লগা তাইবং পোকপা, হিংবা, শিবা, শিরগা থৱায়না চৎফম, থৱায়না অমুক হল্লকপা ফাওবা তাকই। অমরোমদনা খুন্নাই অসিগী মশক তাকই।

লাই হরাউবদা থন্বীরমলিবা জগোই খূত্থেকশিং, ৱাহৈ-ৱাতা, লাইরোলশিং অসুক্কী মতীক মরুওইবা মশক ঙাক্তনি। মসিনা তাকলি মদুদি লাই হরাউবা অমদা লাইনীংথৌ লাইরেম্বী অনী অসি পূল্লগা লাই হরাউই। লাই হরাউবগী পান্দমদি খুঞ্জাউবা- লৈচাউবা, চাহোঙবা- ঙাহোঙবা, নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা, পুন্সি নূংশাংনা পানবা অসিনি। খুন্নাই অসিগী হৌরকফম, পুন্সি মহিং, চৎনবী যূম্বাললোনশিং নীংথিনা তাকলি। তাইবং থৱায় পানবা অমা শেম্বদা পা অমদি পীগী মশক চঙঙি। মরম অসি লৈবনা লাই হরাউবদা 'নুং অমা পাল অমা' অনীথোক্লা য়েংগনি। শম্না হায়রবদা লাইগী থৌরম অমা তৌবা মতমদা পেনা চঙঙি। মসিগী মরমদি কনাসু থিনদে। হায়নবা লৈ পেনামুক লায়, অমরোমদা পেনাবু লাইনি হায়বনি।

লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী মশক্কি মরুনা ইমাগী মশক্কি চৈজিংনা ইপাগী মশক্কি। পেনা মরুগী মনুংদা নুপীগী মশকশিং য়াওরি। চৈজিংদনা নুপাগী মশকশিং য়াওরি। পেনা কৌরিবগী মরমদি : লৈমরেল কুরু অনীবু ওক্লবা মফমবু ওকশঙ কৌই, ওক্লবা পূক্লিংবু লাংনরে লাংশঙ কৌই, লাংনবা পূক্লিংবু পেনহল্লি পেনা কৌই।

লাই হরাউবদা লৈরিবা শঙ ৩ গী মথৌশিং ঃ

লাই অমা হরাউবদা লৈরিবা শঙ হায়বদি অমাইবা অমাইবী পেনা অহুমগী মনুংদা অমাইবনা অহলনি ইপানি। পেনা ময়ায়নি অমসুং মবুংনি অমাইবীনা ইতোল তোল্লি। লাই অমা হরাউবদা অমাইবগী থৌদাং য়াম্না চাউই। লাই হরাউবা অসিগী নুং অমসুং পাল খঙদবা য়াদে অমদি হরাউরিবা লাইগী লাইচৎশিং মমূৎ তানা খঙদবা য়াদে। লাইচৎকী মতুংইন্না লাইরোলসু খেৎনৈ। লাই হরাউবদা চঙলিবা লাইরোলশিং অমদি থৌরমশিং কূপ্না খঙবা মথৌ তাই। লাই অমা হরাউবা মতমদা অশোয়- অঙাম পূম্নমক অমাইবনা মীকূপ নাহুম শিংনা য়েংশিনগনি।

মাইবী ঃ

অমাইবী অসিগী মতাংদদি, অমাইবীদা শঙ অহুমথোক্লা অমুক খায়দোকই, ফুরা, নোংমাই অমসুং শঙলেন অসি লাইচৎ খেৎনবগী মতুংইন্না অমাইবী শঙসু খেৎনৈ। ফুরা অমাইবীনা কুরু নোংশাবা থৌগল তৌগনি, নোংমাই অমাইবীনা য়ূমজাউ লাইরেম্বী লাইচৎসু থৌগল তৌগনি। শঙলেন অমাইবীদি হায়রিবা লাইচৎশিং অসিসু অমদি পাখংবা লাইচৎ অমদি মীদগী ওনবা উমংলাইগী লাইচৎশিংসু থৌগল তৌবা য়াই। অমাইবীশিংসু লাইচৎকী মতুংইন্না হৈথা- লৈথা, লাইশোন তীনশোন, লৈহুন্নচিংবা মমূৎ তানা খঙবা মথৌ তাই। লাই অমা হরাউবদা অমাইবীগী থৌদাং অসুক্কী মতীক কূপ্পি লাই হরাউবা অমদা চঙলিবা জগোই খূত্থেকশিং অমদি লাইরোলশিং কোন্ননা খঙদবা য়াদে। লাইবৌ অমা চোংবদা চঙলিবা জগোইশিং ৱাৎপা য়াদে। লাই হরাউবা অমদা অমাইবী অমনা তৌরিবা থৌরমশিংগী নুংগী ওইবা ৱাখললোনসু খঙবা তাই। মরুওইনা অমাইবী অমা ওইনা ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাঙ শঙাঙ, লমচৎ ব্যবহার নীংথিনা খঙবা চঙঙি।

মমাঙঙৈগী মতমদা লাই হরাউবা হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লাইগী থৌ পুবা হায়বদি শীংলোই, লারোই অমসুং লৈরোই অহুম (শীংলোই- য়েনপিরুংবা, লারোই- য়েনপিকাপপা, লৈরোই- মোরিয়াপা) অসিনা অমাইবগীনা শীংলোইনা, পেনাগী লারোইনা অমদি অমাইবীগীনা লৈরোইনা মাগী মাগী ময়ূমদা

13

চৎলগা পোৎ- চৈ লৌবা চৎলম্মী। মসি লাই লোইরবা মতুং অমুকসু ময়ূম ময়ূমদা থিল্লম্মী। মসিগী চৎনবী অসি হৌজিক্তা উখিদরে।

পেনা ঃ

লাই হরাউবদা খোংনরম্বা পেনা অসি মতম অমদদি ফমশক নীংথিজনা হৈরবা অহল ওইরবা ওঝাশিংনা খোংনরম্মী। মরমদি লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা পেনাগী মরোল, লাইরোল অমদি শৈশকশিং নীংথিজনা হৈতবা খঙদবা য়াদে। লাই হরাউবা লোইবদা লাইবৃংদা লাইগী থৱায় কোনশিনলি। নোংঙাল্লগা মূক্লা শান্নবা, লমজেল তান্নবা, সূক লংবা, পৌ চিংনবা অসিনচিংবা মশান্নশিং শান্নৈ। অসিগী মতুংদা "কৈনীং কুম্বা" হায়না খঙনবা মিকোন থাগোনবগী থৌরম অসি লাই শেলুংবগী য়ূম নত্রগা খুল অদুগী মফম চাবা য়েংলগা মীকোন থাগোনবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লরম্মী। হুমনিশুবা নুমিৎতা লৈ খোম্লগা লাই লোইশিল্লি।

লাই হরাউবদা পেনা খোংবা মথৌ অসুক্কী মতীক য়াম্মী। লাই লৌখৎপদগী লাই লোইবা ফাওবা পেনা চঙঙি। লাই হরাউবা অমদা পেনা লাংদে, পোলেক, শেল অমদি তৌদ্রি শীজিনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদা ঢোল মেলগী অহৌবা মখোলনা শিনখিবনা লাই হরাউবদা শীজিন্নবা পেনাগী শৈশক পেনাগী খূৎলোন অয়াম্বা মাঙশিল্লকলি। অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অফবা মচা দরকার ওই। অফবা মচা পুথোকপদা অফবা মমা মপা চঙঙি। খুন্নাই অসিগী মশক ওইরিবা লাই হরাউববু ফজনা থম্বদা পা- পী অনীগী মশক ওইরিবা পেনাবু মমূৎ তানা খঙমিন্নবা চঙঙি।

লাই অমা হরাউবদা চঙলিবা মথৌশিং ঃ

লাই ঈকৌবদা অমাইবনা ঈশিংদা কোনয়াই থাই, খয়োম লাকই অমসুং হৈশোই হৈপান তমদুনা লৈরাই য়ু খাঙই। অমাইবীনা মায়কৈ মরিদা হৈকৎ লৈকৎ তম্মী অমসুং ঈহাইফু পায়রগা মায়কৈ মরিদা ওন্দুনা চূকফা জগোই শাই। মসি নোংথাঙলৈমনা লৈশেম্বদা শাবা জগোইগী মশক্কী মসিদা পেনা খোংঙি অমদি মরোলদি লাইথিং থিংনা মরোল খোংগনি। মসি তাইবঙ ওইরকপগী মওংনি। মতুংদা অমাইবীনা হীরীলং তিংদুনা লৈয়োম পায়রগা শরীক থীংদুনা ঈশিংদা শোক্তুনা লৈপাউ চেল্লি। পেনাসু খোংঙি মতুংদা ঈশাই চফুদা ঈশিং শোক্তুনা কাখৎলকই, মসিদা পেনানা লময়িন মরোল খোংই। মসি তাইবঙ থৱায় পানবা অমনা মশাগী পীবৃকনুংদা নাউপুববু খঙনৈ। লম্বীদা থেংখাঙ জগোই অহুমলক শাই। পেনা খোংগনি। লাইগী

মমাঙদা খান্বী মৈ ওকই, ফৌদাং কাল্লি অমদি খোংগং ঙামুসু কাল্লি, মতুংদা ঈশাইফুগী লৈয়োমবু লৌথোক্তুনা ঈশাইফু মনুংদা হাপলগা অমাইবনা হি কাবগী লাইরোল শকই পেনা খোংই। মসিনা তাইবঙ থৱায় পানবা অদুনা মমাগী সিয়োমনুংদগী তাইবঙ ফাওরে তাকপনি। মতুংদা ফমদেংলিবা লাইগী থৱায় হাপলে। লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মশক্লা পা-পী অনী ওইরে। অসুম্না লাই হরাউরিবা লাইগী থৌরম তৌরিবা অসি করিগী তৌরিবনো করি তৌগনি হায়বা কৃপ্না খঙবা মথৌ তাই। মসিগী মতুংদা অমাইবনা অনম অথৌ কোকই, পেনানা ফম্মাঙ থৌগল চঙদুনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনীবু শুম্মী।

নোংঙাল্লগা লাই য়াকৈবা হায়বা থৌরম অসি পেনা শকপনা তৌগনি। মসিদসু পেনা শকপনা তৌগদবা মচৎশিং য়াম্না লৈ। পেনা শকপনা লফূৎ হায়না খঙনবা চরুগী ফিদাদা ফমগনি। পেনাগী ঈশৈ মতাং মতুংইন্না অমাইবীনা শরীক খীংদুনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী হৌদোকই। অমাইবীনা লাইগী লৈহুন তমদুনা হৈ-লৈ কৎলি। অমাইবনা লাইতিন হায়না খঙনবা নুমিৎতা অনম অথৌ কোকই। লাইপাউ অমাইবীনা চেল্লি। অমাইবনা শরোয় খাঙবগী থৌরম্ন চিংবা কয়া পাঙথোকই। অমাইবী, পেনা খোংবা ময়ামগা জগোই ওকপা হায়না খঙনবা থৌরম অসি অমুক পাঙথোকই। মসিনা তাইবঙদা পা-পী অনীগী চৎনবী থৌগল্লোন পুন্সি মহিং তাকই।

নুংথিলগী মতমদা লৈরোই হঞ্জবনা লৈ লাংই। অমাইবনা হোই লাউই, মাইবনা হোই লাউবা লাইরোল অসি কায়হৈদে মরোলশিংগী অর্থ নীংথিনা খঙবা চঙঙি মসিদা তাইবঙদা করি লৈত্রিঙৈদা করম্না শেম্বগে তাকই।

মথংদা লাইগী থৌগল্লোয়শিং লাইগী পোৎলমশিং হাপ্লগা অমাইবীনা লাইবৌ পুথোক্তুনা লাইচিং জগোই শাই, পেনা খোংই। পেনাগী খৃৎলোন মাপল লৈ। খৃৎলোনশিং কায়বা য়াদে। অমাইবীনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনীবু য়েৎ-ওয় কায়দনা মায়কৈ মরিদা চৎতুনা খুরুম্মী। পেনা খোংই মরোলদি লময়িন মরোল খোংগনি। অমাইবীনা লাইমাঙদা লেপকনি থৌগন্না মতুং ইন্নগনি। পেনা শকপনা লাইবৌলাগী মতুংদা অহুমলক কাবা অহুমলক হন্থবা য়াবা মওংদা লেপ্লগা হোইরৌ হয়া লাউগনি। মসিদা অহুমলক কাবা অহুম্লক হন্থবা হায়বসে খুঞ্জাউ লৈচাউবগী মশক্নি। মসিদা লাই হরাউবগী শৈহৌনি। মসিদা য়াওরিবা লাইগী থৌগল পূম্নমকসু অমত্তা মপান থোকপা অমদি কনাগুম্বনা চঙলকপা য়াদে। শৈহৌদা কায়ফদে। মসিগী লাইরোল অসিনা তাকপদি তাইবঙ থৱায় অমবু

15

শেন্নদগী তাইবঙ ফাওবা, তাইবঙফাওবদগী লৈননবা য়ূম করম্না শাগনি হায়বগী ৱাখল্লোন নীংথিনা তাকলি। অমাইবীনা য়ূম কৎলবা মতুংদগী লাইবৌলাদা খূরকলৈ থমগনি। মসিদা লাই হরাউবগী শৈহৌ লোইরে।

মসিগী মতুংদা পেনা খোংবনা পান্থোইবী খূৎলোন খোংদুনা ঈশৈ শক্কনি। অমাইবীনা জগোই শাই মসিদগী পা-পী অনীনা পূন্না থবক ইনখাং শূবীনা শেৎনবা চানবা মহৈ-মরোং থানা নুংঙাই য়াইফনা পানববু তাকই। মথংদা মায়কৈ মরিদা তীনমু লাইমু তানথোক্তুনা অফবা নুংঙাইবা পুশিনদুনা থৱায় কোল্লি। মসিদা পেনা খোংবনা অয়াংলৈমা শকই অমসুং অমাইবীনা লোং খোনবগী জগোই শাই। মসিগী মতুংদা অমাইবীনা পাৎতোন জগোই শাগনি, পেনা খোংবসু পেনা খোংই। মতুংদা অমাইবীনা ফিবূন জগোই হায়না খঙনবা লাই শান্নবা থৌরম অসি পাঙথোকই। মসি পা-পী অনীগী কূমহৈনি। মসিদা পেনা খোংই ঈশৈশু শকই। শৈশক্তি নোংথাঙলৈমা শৈশকনি। লাই শান্নবা লোইরগা লাই কারগনি।

মসিগী মতুংদা লাই শান্নবগী মওংদা ফিগী মখাদা অমাইবনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনীবু লাইরেম্বী থৌগলনা মাঙ থাদুনা য়ূমজাউ পাফল হায়বা লাইগী থৌরম পাঙথোকই। মসিগী মতুংদা মায়কৈ মরিদা ওল্লগা খুনজাউ লৈচাউববু নিগনি অমদি ৱাকোল লাউগনি। মমাঙঙৈগী মতমদদি অমাইবনা ৱাকোল লাউবা লোইদ্রিঙৈদা লাইবূং অদুদা তিল্লিবা মীয়াম পূম্নমক ময়ূমদা হন্নে। মরমদি অমাইবা অমাইবী মতুংদা চৎলবদি তীনমু লাইমু থেংনৈ হায়বগী থাজনবী লৈরম্মী। মরম অসিনা লাইগী থৌগল তৌনিংবশিংনা নুংথিলগী মতম লাইবৌগী মমাঙদা তৌনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদা মসি পূম্নমক ওনখরে। লাইবৌ য়েংনদে লাইবৌ লোইরগা মচা মশূগী জগোই য়েংবদা লাইবূং চন্নদে। নোংঙানবা ফাওবা জগোই শাবা লাইবূংসু য়াওরি। মসিনা লাই হরাউবা ওইনরে। অদুনা অশেংবা লাই হরাউবা অমা পুথোকপদা খুল অদুগী মীয়ামসু পূন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। ৱাকোল লাউবা লোইরগা পেনা খোংবনা লাই শুন্মী।

লাইরোইগী থৌরমদা নুংতিগী চৎথবা থৌরমদগী লোং খোনবা লোইরগা হোইরৌ হনজিনবা হায়না খঙনবা থৌরম থৱায়মি কোনবা অসি পাঙথোকই। লাইরোইগী থৌরম তাংখুল নুরাবী মমাঙদা মায়কৈ মরিদা মৈ থাদুনা তীনমু লাইমু তানথোকই অমসুং তাংখুল নুরাবীগী থৌরম পাঙথোকই।

লাইরোইগী থৌরমদা অমাইবগী মথৌ য়াম্না য়াম্মী। লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী পানা খায়দোক্তুনা তেক্তা কায়দনা পা-পী অনীবু খল্লগা শরীক পুন্দুনা

থৌরী পরেং শমদুনা জুরা জুরা য়েংলগা হূইথি য়েনথি য়েপ্তুনা ঔগ্রী লাইরোল, পাউশা শক্কনি। মসিদা য়াওরিবা খুদিংমক খোঙ- খূৎ লেঙবা য়াদে। অমাইবগী লাইরোলসু কায়বা য়াদে। মসিগী মতুংদা খেঞ্চো লাইরোল শকই অমসুং লোল লাই হাপ্লগা উয়ানলোন শকই। মসিগী মতুংদা অমাইবনা হিজিং হিরাউ লাইরোল শকই। মসিদা পেনা খোংই। মতুংদা লাই নোংগাই। লাই নোংগাবদা অমাইবী অমাইবা অমদি পেনা শুনা য়াওই। অমদি অমরোমদা শরোয় খাঙদোকই। অসুম্না লাইগী থৌ পুবা অমাইবা অমাইবী অমসুং পেনা খোংবশিংনা মাগী মাগী থৌদাং অমসুং মচৎশিং অসি নীংথিনা খঙবা মথৌ তাই। মসিগী মরুওইবা মরমদি লৈপাক্কী লোয়শঙ অমাইবা, অমাইবী অমসুং পেনাগী লৈরিবা লোয়শঙদা কাদুনা কূপ্না তম্বা মথৌ তাই। অদুগা লোয়শঙসু নীংথিজনা লৈবা তঙাইফদে।

মাইবী মখলশিং অমসুং মখোয়গী লাইরোল ঃ

মার্জিংনা য়োইরেল লোয়শ লিংখৎলি: পান্থোইবীনা খাবী লোয়শঙ লিংদুনা মাইবা মাইবীগী লাইশোলশিং তাক্তুনা লাই হরাউবদা শীজিন্নরকখি । মাইবীদা শঙলেন, নোংমাই, ফুরা হায়বা মখল অহুম লৈ: মখলশিং অদুগী লাইচিং লাইহৌরোল মান্নদে: হৈথা- লৈথা খরা খেৎনবা লৈজে।

শঙলেনগী লাইহৌ ঃ

হুম... হুম... হুম.. লৈহৌরোল লোন মঙামক লৈমুরোলদি-ই লোন তরুক, লোইবু খোইরা আ.... আ মরা নুংগী, তোংনিংদনা লৈশংপানগী থমনা লাইর-পান, চমুনা চঙৌপানগী হুপলাং নরান নুংগী হারানা লৈয়েংনুংগী হাউনা আ-লিরি লিরি লিরি।

মায়কৈদনা মরিমক শীংগাইনা ৬১ মক্তগী খূৎলৌদনা কাইরী সনা ৩০ মক্তগী হাউনা আ- মরু লুরু-উ লুরু উ।

মালেম লৈখারোল তরেৎমক্তগী পলেম ইমা ইবেম্মা তেকখৎপীরক্লো- ও, লৈমরোল নিপালমক্তগী মপু ইবুংঙো তেংথাবীরকলো- ও, লৈবাকপু ফা ইমানা হায়না তাইরমগে, নোংথৌবু খুং ইফা হায়না তাইরমগেনা, খুং সোরোন- লৈরোন- নোংলোন অহুম্মক্তগী মপু শিদবনা উং- উং চীংঙুনা নারাকচীং অৰাংবা, মীরাইমা কনানা কাঙমদবা পোংলাইমনা কাঙমদবা- পূংময়োল, খাবিনা ইরা লুকনা কাজরকই, ইপন্না থারুক অশৈবা থাবানা ঙাংখোম্নরিবা:অয়ুক্লা য়েন্দা অঙনবা পেনা থাদা

পমলদুনা শামৈ অনী কারন্না চৈজিংনা য়েৎলোম পায়না ইনুংবা শীংখোং লুরু য়াগা কৈরক্লেদো। ইপলদনা মদোম কৈরমদে খাবিনা ঐসু ইপন্না হৈনা নতুং ইঞ্জরকইনা সনানা লাংজেং মমৈ ৱায়জরকই, থোঙজিন্না ঐবু নাতৈ কাঙজরকই চামলৌনা ঐবু লাং-থারোই, শীংঙেন্না ঐবু চারা নাপোম শাৎচরকই, থাকল থারাক লৈনা হাইগৎচরকই, নিংথম ফৈজুপ ফিজিতোন মপল ৱায়না কাঙজরকই।

চোল্লাং মনা কাউবিহনবনা পাউৱোকনবীয়ু শীঙেল লৈরাং অমনবনা পাউওক্লবীগনো, শীংঙেল ঐবু লৈহুনলোইনে, খাবি ঐদি লাথারোইনে, পলেম ইবেম্মা লোইশং ফালুনুং, হীরুদনা তেংমাই থীল্লিবী, চেগপনা মরুনুংদা ফমফমনা ৱায়েনবীরিবী পলেমগী কোলোয় ময়াথং অথম্ববু কোরৌ নোংদা কাঙমদা, মালেম লৈদা তাঙমদবগী তাঙজা ঐবু লুদা থোংজরকই, শরেন লোইনা খঞ্জরকইনা, শরীক ঐবু পাউখোললোইনে, নুংশিৎ চরৈ ফিবাল কাঙজরকই, কোরৌ ঐবু পাউখোল্লোইনে, নুংশিৎ চরৈ ফিবাল কাঙজরকই, কোরৌ ঐবু শুংদাইরোইনে, অহিংনা কাংবী হুম্মাইরোইনে, খচিক থকপা নৌনা হুম্বনা মদাইরেম ঐবু হাওনে তরাদনা ঐবু চাকমাং চারকপীনে, লৈকাইদনা খান্বী মৈমাং তোয়নরকপীনি, পলেম ইমা ইবেম্মা মালেম লৈরেনহনবীসু খোয়দৌনা লেমফু মরুনুংদা ফমফম ৱায়েনবিরো, খাবি লৈয়েং থক্তা ফমফম্নবিররো, তাঙজা লৈতোন খুরৌ চেলহনবীগনো।

নোংমাইগী লাইহৌরোল ঃ

হুম... উম....উম...উম... উম। মালেমদনা চনীং লৈখৈরোল ৱা-দা আ-উং-আ: লৈখারোলদা তরাতরেৎতগী লৈহৌরোল লোনদি মঙামক, লৈমুরোল লোনদি তরুকমক, লোইবুদনা খোইরা লপাননুং হায়দনা লৈয়েংনুংদগী, তৌনিংদনা লৈশংপান, থম্মা লাকোলনুং চমু চঙৌপাল হুপ্লাংদনা নরাননুং তয়ুমনা হৌনা রি-রি-রি হৈয়া। মায়কৈদনা মরিমক, শুংদাই নিপালমক, পোইরৈ শীংগাই ৬১ মক্তগী অৱাংদনা কোরৌ নোংমদোল মাপলমক্তগী, তয়ুম্না হৌনা রু-রু-রু-হৈয়া, লৈবাকপু-ফাই ইমা য়াগা কৈরক্লে, খুং শোরো মারাদিন হরে লৈরোল নুংলোন অহুম্মক্তগী দিললে-দিললেনা হৈয়া।

খোইয়ুমদনা মৈ ঈশিং নুংশিৎ অহুম্মক তিল্লক্লে-হৈয়ুম-অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা পেনা থাদা পম, চৈজিং য়েৎলোমদা পায়, শামৈ অনী কারননরদনা ইনুংবা শীংখোং য়াগা কৈরক্লে। লোয়শঙ ঐগী ফালুনুং চেগপ মরু ইন্না ফমফম ৱায়েল্লকলিবী, ক্বারী ঐদি শুংদাইরোইনি অহিং কাংবী হুমাইরোইনি, শরীক ঐনা পাখোল্লোই, নুংথিল ঐনা চরৈ ফিরাল ওইবীনে।

পলেম ইমা ইবেম্মগী খাবি চাম্মা লোন্দম্বী অমাই চাম্মা শিন্তাক্লকপী পলেমগী নদাইরেল ওইবীনি, লাইজ নৌনা ইল্লকপীনি: চারা পৌরোল হাংজরক্লে, থোঙজিল নাতৈ কাঙজরক্লে, থাকল লৈনা কাঙজরক্লে।

ফুরাগী লাইহৌরোল ঃ

হৌনা আ লিরি- লিরি- লিরি অ- ইংল- হুম, নহাল নোংমা মালেম চনীং লৈখৈরোন লৈমুরোন লোন্দি তরুকমক লৈহৌরোল লোন্দি মঙামক মায়কৈ এ- ইং- এ মরিমকা। মালেমদনা চিথেক ৮ মক, পোইরৈ- এ- ইং- এ শীংখাই ৬১ মক্তগী এ- এ- হুম - -। সনা খুৎলৌলোন কাইবী ৩০ মক ৩০০ দনা য়াইবী মরোলনুং, খোইরা আ- উং- আ, খোইবা লপানুংদগী- এ....। হৌনা- অঙ- লিরি- - লিরি- - -লিরি এ- - হুম থমনা লাকোন্নুং ইৰাংলোন কোরৌ নোংমদোন ৯মক্তগী বাদা আ- উং- আ, লৈখারোল ১৭ মক্তগী এ- -। খোইয়ুমদনা মৈ- ঈশিং- নুংশিৎ ৩ মক্লা য়াইগা ওইরিবা- ও ৱাংলেন পূংজা খেনদোং নুংঙাইবা- ও- খেলে- এ- - ইং- -এ নঙগী নদাইরেম, নুমিৎতনা নঙগী নথোইলম।

ইপল লৈনূং থারুক অশৈবা- ও, থাবানাই ঙাংখোমবনা, অয়ুক য়েন্দা মাঙদা ইনুংবা শীংখোঙ য়াগা কৈরেম্মদ ইপলদনা মাসু মদোমদে ই- -এ। নদাইরেম ওইবী ঐসু- ও- উং- ও, ইপন্দনগী হৈনা মতুং ইনজরক্লিদো, খাবি ইথৌ খনবু খঞ্জরক্লে এ- ইং- এ, অমাই ইরাল্লুন্নু কাজরক্লে হুম- -। চরৈ ঐবু থাংজ অমনবনা পাউওকনবীগনু, নুংনাংদনা কাউবী শী মনা অমম্বনা খোইয়ুম ওইনা পাউকনবীগনুনা- ও- উং- ও। পলেমদনা ইমা ইবেম্মা, খাবিদনা য়ুরেন হনবী অমাই নোংলেলহনবী ও- উং- ও।

হিরুদনা তেংমাই লৈনা থীল্লিবী, লোয়শঙ ফমলূপ, চেগপ মরুং ইন্না ফমফম ৱায়েন তমলিবী, পলেম ইমা ইবেম্মগী মদাইরেমনে, পলেমনা থেঙনা নৌনা শাৎলকপনা তরা ঐবু চাকমাংলোই, খাম্বী ঐবু মৈশাংলোইনিদা, পলেম ইবেম্মগী কোলোই মপাউ অথুম্ববু, কোরৌ নোংদা কাফরোই, মালেম লৈদা তাফদবনা- অ- উং- আ- । পলেম খোমলাং অনৌববু তোয়নরিবী নদাইরেমনি, লৈপাকপু পুমফাই ইমা হায়না হৌরমলে, খুং সোরোন মরোল লৈরোল নোংলোন অহুম্মক্তগী তয়ুম আ উংনা- লিরি- লিরি- লিরি এ- ইং- এ- - হুম- - ।

লাই হরাউবদা তৌগদবা থৌরমশিং ঃ

১। লাই হৌবা অমদি লোইবগী নুমিৎ অফবা নুমিৎ থবানশিং মাইচৌশিংগা তান্নদুনা লেপথোকমিন্নগনি।

১৭

২। লাই হরাউবা হৌবগী লোয়শঙদা পাউ পীগনি। পাউ পীবদা ক্কা ৩ নত্রগা লৈ ৩ না পীগনি।

৩। অমাইবা অমাইবীনা হন্না লাই তাইনগনি।

৪। লাইফি শেৎকনি

৫। লাই ঈকৌগনি,

৬। লাই থেমগৎকনি

৭। লাই লেঙশিনগনি,

৮। য়াকৈগনি

৯। লাইপাউ চেনগনি,

১০। লৈরোই হঞ্জবা হিদংন লৈ লাংগনি.

১১। নাউয়োক-নাউকোন্দুনা জগোই থৌগল তৌগনি।

১২। লাই হোই লাউগনি

১৩। লাইবৌলা থাগনি

১৪। হোইরৌ হোইয়া লাউগনি

১৫। হকচাং শাগনি

১৬। য়ূম শাগনি

১৭। পান্থোইবী জগোই শাগনি

১৮। পাউশা ঈশৈ

১৯। পাময়াল্লোন জগোই শাগনি

২০। ফিশারোল জগোই,

২১। লোংখোন জগোই,

২২। পাদোল জগোই লাইরেল মথেক,

২৩। ফিবুল জগোই,

২৪। চোঙখোঙ লীৎপা,

২৫। পাচুবা

২৬। লাইরেল মথেক অমসুং

২৭। লাই শুম্বা অসিনচিংবা।

অসিদা নত্তনা কংলৈ থোকপদা লাইনুপী থিবা, মথংদা লাই নাক্কথেংবা ফুঙ্গারেল জগোই, থাঙ জগোই, লৌনরোল, ঔগ্রী হঙ্গেল চোংবা, শরিৎ লীৎপা, খেঞ্জো, হিজিং হিরাউ, লাই তেথবা, শরোই খাঙবা, লাই নোঙ্গাবা অমসুং লাই লোইশিনবা অসিনচিংবনি।

লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা লোলশিং ঃ

১) লাইরোল, ২) তেংথারোল, ৩) খুনুংলোল, ৪) খুন্নাইলোল অমসুং ৫) থৌগল্লোননচিংবনি।

লাই হরাউবা অমসুং ঐখোয়গী শক্তম ঃ

মালেম অসিদা মীওইবা খুন্নাই খুদিংমক্কী মপা মপুগী হৌরকফম লৈ। মপা মপুগী হৌরকফম অদুগী ৱারী শীংবুন, লাইনীং লাইশোন, কূন্মে। ফিয়োং কয়া অদুনা য়োমশিন- তাশিন্দুনা খুন্নাই কাঙলূপ অমবু চহীচা কয়া কয়াদা মীরোল মীরোল নাইনা পুথরকই। অসিগুম্বা খুন্নাই কাঙলূপ অদুবু হিংহন্দুনা, পুন্দুনা পুথরক্লিবা পারী পুরীগী নাৎকী লনশিং (কলচরেল হেরিটেজ) অদুবু য়োকখত্তুনা মথং মথং মীরোল মীরোলদা পাগী পারম, পুগী পুরম চৎনা হিংজরকপা ঙম্বা মখোয় অদুনি ঙসিগী মালেমগী লৈমায়দা লেপ্তুনা লৈরিবা। মসিদা খুন্নাই অদুগী মীশিং য়াম্বা য়ামদবা পীকপা চাউবগী থোইদোক্লা লৈতে। পীকচরবসু মপা মপুবু নুংশিবা মশক খঙবা মখোয় অদুতনা লন অসিবু চেৎনা কোন্দুনা হিংজৈ। ঐখোয় মীওইবগী হৌজিক ওইরক্লিবা শক্তম অসি মথং- মথং শাগৎলকপদা য়াঙলেন শরূ ওইরিবা লনশিং অসি নৌনা শকখঙনবা হোৎনবনা চরাঙনবনা থনলবা খুন্নাই অমদদি শিদা হীদাকনি।

মথক্কী ৱাফম অসিদগী কংলৈপাক্কী হৌজিক্কী শক্তম অসি নৌনা হিঙ্গৎনবা নত্রগা হেন্না শোকচিনদনবা লন্বী থিরকপদা অচৌবা অওনবা ইনাৎকী শক্তম কনবা ঈহৌ (কলচরেল রিভোলুসন) অমা শোয়দনা চৎথগদবনি। অসিগুম্বা ইনাৎকী ওইবা অচুম্বা লন্বী থিরকপদা ঐখোয়গী হৌরকফম, ঐখোয়গী লাইনীং লীচৎকী মশক অদু পারী পুরীরোমদা হঙ্গৎতুনা শোয়দনা য়েংলক্কনি। মায়কৈ অশোমদা হেক য়েংবা হৌবা তারগদি কংলৈপাক অসিগী কংলৈচাশিংগীদি লাই হরাউবা হায়বা ইনাৎকী কূন্মে অসি নত্তনা অতৈ লৈতে। কংলৈপাক্তা লৈরিবা কংলৈচাশিংগীদি লাই হরাউবা হায়বা ইনাৎকী কূন্মে অসিদা পূন্নমক উরি। ঐখোয়গী হৌরকফম, ঐখোয়গী শক্তম, ঐখোয়গী লাইনীং লীচৎ, চৎন- লোনচৎ ঐখোয়না কমদৌনা মালেম অসিদা খোঙদারকপা, কমদৌনা তাইবঙ মরূ হুল্লক্তুনা ঙসি ফাওবদা চাদা নাউদা শমথরক্তুনা হিংলকপগে হায়বদু লাই হরাউবদা শুনা তিন্দুনা য়াওরি। মরম অসিনা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না নৌনা ইপা ইপুবু মশক খঙগে, ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম অদু মালেমগী লৈমায়দা তাক্কে হায়রবদি ইনাৎকী কূন্মে অসিবু অচুম্বা মায়কৈদা নৌহৌননা চাওখৎপা মওংদা য়োকখৎপা চুমগনি।

লাই হরাউবা হায়বা কূম্মৈ অসিদা য়াওরিবসি কংলৈ চাদা নাউদা ঐখোয়না মালেম অসিদা তাইবঙ ওইনা পানলকঙৈদগী ঙসিফাওবগী পুন্সি শক্লোন পূম্নমক শুনা উৎলি। তাইবংপান অসিনা তরং মালং হায়বদি য়ূমলিং খুল্লিংবা ঙমদনা লৈরকঙৈদগী করম্না লৈশেম নোংশেমদুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপগে হায়বদু কংলৈচাশিংতগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা অচেৎপা য়ূম্ফম অমদা শাগৎচবনি। মসিদা লৈশেম্বা, খুনশেম্বা লোইরবা মতুংদা উ-ৱা, নাপি-শীংবী, চাবা য়াবা পোৎলম কয়া থাদুনা, য়ূম-কৈ শাদুনা, ফিরোল শাদুনা মালেমগী খোঙচৎপু অঙৈং অশাগী চাংগী মতুং ইন্না মশক লেপ্তুনা, নুমিৎ থাগী মঙালবু তাইবঙ থৱায় য়াইবী অসিগী হিংহনবা ঙম্বা মহী ময়াই পীবা ঙম্বনি নীংজদুনা হিংজরকপা পূম্ন মক নীংশিংহল্লি। মরম অদুনা লাই হরাউবগী থৌরম খুদিংদা কূম্মৈ ওইনা পরিং নাইনা পাঙথোক্লিবা অসিদা কংলৈচা খুন্নাই ঐখোয়গী পোকপা শিবা, লাইনীং-লীচৎ, চাকচা-য়ুথক কয়াগী মতৌবু অচেৎপা খোঙফমদা তাঙ্কক নাইনা উৎননবা লাক্লরী। চুম্নতগী কূম্মৈগী মশক ওইনা য়াওবা নত্তে। অরুবা মীওইবা ওইনা পোক্লরবা তাইবঙ ঐখোয়গী হিংবগী কাঙলোন খুদিং কূম্মৈগী থৌরম ওইনা শেমদুনা পাঙথোকপনি। লোয়ননা তাইবংপান অসিবু শেম্লীবা মপু মাবু নীংশিংজবগী থৌরম কয়াদা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন, ৱাহম্থোক, হৌরকফম, কয়াবুসু মরী-মখোঙ শেংনা লীদুনা, শক্তুনা, শোন্দুনা, তাক্তুনা চৎথরীবনি।

ঙসিগী লাই হরাউবগী মশকসি খরা ওল্লে। মসি য়াম্না চুমদবা মতৌ অমনি। চুমদবা মতৌদা অসুম চৎথরবদি কংলৈচা ঐখোয়গী য়াম্না মাঙজরক্কনি। য়ূমলিং খুল্লিং ঙমলকলোই। ইশক ইচু খঙলকলোই। লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী ময়ামশিং অসিগা ঐখোয়গী পুন্সি, য়েক, শলাই, শাগৈ অমদি ঈহৌরকফমগা অমত্তা ওইনা লৈরিবনি। অমরোমদা অমুক লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীশিং অসিনা ঐখোয়গী ঈরৈবাক অসিগী চীং পাৎ তুরেলশিংগা থাদোক্লবা য়াদবা মরী লৈনরীবনি। য়েলহৌঙৈদা কংলৈচা ঐখোয়সি কদাইদা কমদৌনা খুন্দা লৈতারম্মী? ঐখোয়গী ঙসি লৈজরিবা চীং, পাৎ, তুরেলশিং অসিগা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিং অসিগা খাইদোক্লবা য়াব্রা? ইবুধৌ ইবেনধৌগী শক্লোন লৌরমলিবা লাইয়ামশিং অসিনা চীংমী তম্মী হায়না খায়রদ্রা? ঐখোয়গী হৌরকফমশিং অসি ঐখোয়গী চীংশাং পরেংশিং অসিদনি। কৌবু চীংদা লাইয়াম্না তিন্নখি। নোংমাইজিং চীংদা লাইয়াম্না লাই হরাউখি। লাইয়িংথৌ খোরীফাবনা থাংজিং চীংদা নোঙ্গুমলকখি।

পান্থোইবীনা কংলৈ লমদমগী চীং, পাৎ, তুরেল কয়াদা চেন চোংদুনা লৈরম্মী। অৱাংদা কৌব্রু, কোংবা তুরেল মরু, খাদা খুগা তুরেল, মতা লোক অসিনচিংবদা পান্থোইবীনা চৎলম্মী। ৱাংব্রেন্না খা মায়কৈদা চকপি তুরেল,

চরোং চীং, খাবা মেন, অনাল খুঞ্জাউনচিংবদা মহাক্কী তাল্লোয় অনাল চনু শংনুগা পাল্লম্মী। নোংপোক নিংথৌনা তাঞ্জুল হূইতোক পাখং ওইনা লংমাই নুরাবীগা লংমাই চীংদা পাম য়াল্লম্মী লৌ উরম্মী। লৈরম্লিবা পূম্নমকসি অমত্তা শেমজিনবা নত্তে। লুৰাং মকুবী চীং, পাখং খুন হায়বসি কদাইদনো? কৌব্রু চীংশাংদগী মনীং মায়কৈদা শমথরক্লগা লাঙ্গোল চীং, লম্ফেল পাৎ, লুৰাংঈ তুরেল য়াওনা লাইমতোন চীংশাং ঙাপ্রুম চীংজেং হায়না খঙনরিবা কয়াশিফাও লুৰাংগী লমদমনি। মরু ওইনা লমদম অসিদা কবুই চিরু কোমনা নম্মা খুন্দারী। মখোয়গী মরক্তা য়েক শলাই লোইনা লৈ।

লমদম অসিদা অদুঙৈ খুন্দারম্বা লুৰাংশিং অদু ঙসিদি তম্পাক্তা য়াম্না লৈরে। অদুবু হৌরকফমদি অদুঙৈগী চীংজাউশিং অদু ওইরোইদ্রা? অসুম্না কৌব্রু চীংজাউগী অৰাং নোংপোক মায়কৈদগী হৌনা হৌজিক্কী ম্যানমারগা তাইনবা খাগী ঙমখৈ ফাওবসিনা মাও, খারম, তাঞ্জুল, মরীংনচিংবা কয়ানা খুন্দারী। ঙসিগী মোইরাংনা মোইরাং ওইনা লৈরগা মতম অদুগী শেল্লোই লংমাইশিং অদুদি কনা ওইখ্রবগে? অদুগা ককচিংদি হৈরেম খুনজানগী লমনি। ককচিংনা ইবুধৌ খমলাংববু ঙসিসু হরাউরী। লাইয়িংথৌ খল্লাংবা অসিদি অতিংকোক শিদবদগী থোরকপনি, মপু মঙোন্দগী শায়োল্লকপনি লৈনুং মোরি য়োৎশুংবা খুনুং তেক তেক থাঙশাবা হায়না লাংওল্লি হায়না ককচিংগী পণ্ডিত নাউরেম অমুয়াইমনা অচেৎপা ৰা অমা ওইনা হায়রী। পূম্নমকসি মতাংসিদা পল্লিবগী মরমদি কংলৈপাক অসিদা উমংলাই ওইনা খুবম য়াদুনা হরাউনরিবা লাইশিং অসি ঐখোয়গী য়েক শলাই তোঙান তোঙানবদা য়েলহৌঙৈদগী লৈনরকলবা ঈরৈপাক অসিগী ঈগী ঈরম খুদিংমক্কী মান্নবা অমত্তা ওইবা হৌরকফম ইপা ইপুশিং অদুনি হায়জবনি। অদুনা কংলৈচা ঐখোয়গী ৰাখল্লোন্দা পূক্লিংগী ঈরোলনুংদা ফনা য়ৈখায়- থিনগাইবা, খুন্তাক- লানশিবা, অনম অহা চুবা পোক্লবসু ইপা ইপু লাইশিং অসিবু থাজবদি হৌজিকসু থাদোকত্রি।

ইবুধৌ ইবেনধৌগী মশক লৌরিবা খোইয়ুম লাইয়ামশিং অসিবু কোন্দুনা খাঙবনা ঐখোয় মালেমগী লৈমায়দগী মূৎপা ঙমদ্রি। অদুনা লৈরিবা হরাউবা মখল ময়ামশিং অসিদা মান্নদে হায়রগশু মান্নবা মশক অমা লোত্তুনা লৈ। কনানসু শোরারেনবু থাদোক্তে, কনানসু লাইয়িংথৌবু থাদোক্তে। হরাউবূং মফম খুদিং কৌব্রু, থাংজিং, মার্জিং, ৰাংব্রেন অসিবু নীংশিংদুনা শোন্দুনা খুরুমদবা তৌদে। ঐ ঐগী পূক্লিংদা ঐখোয়গী ইপা ইপু লাই ওইখ্রবা লাইশিং অদুদি অৰাংবা কোরৌ থক্তা লৈ হায়না থাজনৈ। কোরৌথক্তগী মালেম লৈদা কূমলক্তুনা তোঙান তোঙানবা শক্লোন লৌদুনা খুনশেম লৈশেমলম্মী হায়না থাজরী।

অসিগুম্বা মপা মপুগী শক্লোন লৌরিবা লাইশিংনা অৰাংবা চীংদোন্দা,শোরারেন্দা নত্রগা অতিয়া শিদবা হায়না থাজনবা অসি অরিবা সিভিলাইজেসন লৈরবা মালেমগী লৈবাক কয়াদসু উবা ফংঙী। খুদম ওইনা ইউরোপকী অরিবা লৈবাক অমা ওইরিবা গ্রীকশিং অসিগীসু মখোয়গী মপা মপু লাইশিং অদুগি খুন্দিন্নফম অদু লৈচিলনা থোঙলোন ওইদুনা মালেমগা শম্নদনা লৈখ্রবা ফিট লীশিং তরা হেন্না ৰাংখ্রবা ওলিম্পস হায়বা চীংদোল অদুদা লৈ হায়না থাজনৈ। অদুগুম্বা ওলিম্পস চীংদোলদা লৈচিলনা পনলোন খাদুনা মালেমগা উনদনা লৈরিবা লাইয়াম অদুবু জিউজ হায়বসিনা লুচিংদুনা মাগী লোয়নবী হিরা হায়বসিগা লাইয়ামগা পূন্না খুন্দিন্নদুনা মালেমদা হিংলিবা মীওইবগী হিংনবগী পুন্সি লম্বী অসি পী হায়দুনা থাজনৈ। মরম অসিদগী জিউজগী মচা দাইওনিসস অমদি অতৈ লাইশিং এপোলো টানটালস, অমদি লাইরেম্বী নাইওবী দানে অসিনচিংবশিং অসিবু গ্রীক্কী লমদমদা খুন্দারীবা অরিগনশিং থিবজশিং অসিনা মপা মপুনি হায়না ঈরাৎ থৌনি তৌই। অদুগুম্বা মপা মপু লাই দাইওনিসসপু, এপোলোবু ঈরাৎ থৌনিজবগী কূম্মৈ অদু মার্চ-এপ্রিল থাদা মখোয়গী সিটি দাইওনিসিআ হায়বসিদা পাঙথোকই। মসিদা মখোয়গী মপা মপু লাইশিং অদুবু শীংথাদুনা মমীৎ মনা উইশিন্দুনা মাইমেটিক এক্সন তৌদুনা লাইরোল কয়া ঈশৈ ওইনা শকই, শৈরোল ওইনা থী। মসিদগী মখোয়গী থিয়েটরগী হায়বদি কূম্মৈগী হৌরকফম ওইখি। অমদি হিংবগী অমদি হৌরকফমগী মশক অদু নীংশিংনবা লম্বী ঙসিসু ওইনরি।

কংলৈপাক অসিদসু ঙসি ঐখোয়না লম লমদা পাঙথোক্লিবা কংলৈ হরাউবা, চকপা হরাউবা, মোইরাং হরাউবা, ককচিং হরাউবা, ৰাংব্রেন হরাউবা হায়বা পূম্নমকসিদা ইপা ইপুগী মশক নীংশীংজবা, অচুম্বা পুন্সি লম্বীগী মথৌ মঙম খঙজনবা লম্বী থিবগী ৰাখল্লোন অসি য়াওনা পাঙথোক্লী। মসিবুনি ঐখোয়না য়েলহৌঙৈদগী, লাই হরাউবা হায়না পাঙথোক্লিবসি অমদি পাঙথোকফম থোকলিবসি।

অদুবু হৌজিক্কী কংলৈপাক অসিদা কংলৈচা খুন্নাইনা লাই হরাউবগী থৌরমদা চুমদবা মওং কয়া হাপচিল্লক্লে। হরাউনিংবা মওংদা লাইগী খুভম শুকলৈ লৈতবা মফম অমদসু হেক্তা লাই হরাউফম শেমদুনা ঈরাং তৌবা কয়া নোংপোক নিংথৌবু শঙ্করদেবনি হায়না লৌরবদি কংলৈচাশিং মূৎখিদনিংঙাই লৈতে। পান্থোইবীবু পারবতীনি হায়না লাৎলবদি অদুগুম্বা মশক শেংদবা মী খুজোক খরসিগী ৰাখল্লোল চুমথোকমিন্নহৌবা মথৌ তাই, ঐখোয় লমদম অসিদগী ঐখোয় কংলৈচাশিংগী, কৌব্রুবু, নোংমাইজিংবু থাংজিংবু, ঈরিল তুরেল, ইমফাল তুরেলবু, কোংবা তুরেলবু, লুৰাংঈ তুরেলবু, শিংদা তুরেল, খুগা তুরেলবু,

চকপী তুরেলবু, লোক্তাক পাৎপু নোংম- নোংমগী কাউরক্লিবনি। তশেংনা হায়রবদা মসিদি চুমদবা অমনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী অশেংবা হৌরকফম ইশক- ইচু, ইপু- ইবেন, ইমা- ইপা খঙদনা মালেমগী লৈমায় অসিদা শক চু থোক্লা হিংবা শুকঙম ঙমলোই। মরম অদুনা লাই হরাউবা হায়বা নাৎকী মচল শুনা য়াওরবা তাইবঙ মপুনা লৈশেম নোংশেমখিববু লাইয়াম্না খূৎনা থেক্নুনা, হকচাং নোয়দুনা, চীন্না শক-শোন্দুনা পাঙথোকখিবা মতৌবু ঙসিগী মীরমলেন্দা তমদুনা চৎথরিবা কূম্মে অসিবু নীংথিনা মওং চুম্না পাঙথোক্লবা হোৎনবা চুমগনি নীংই।

অমরোমদা লাই হরাউবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মাইবা মাইবী অমদি লমদম লমদমগী নত্রগা খুঙ্গংগী অশীন অরাঙশিং অসি য়াম্না মনীং তম্বা কয়া লৈরে। লৈবাক অসিদা লিংলম্বা লোয়শঙ লোয়শঙশিংগী মহূ ময়াই হন্থখিবদগী ওইরকপা ওইবসু য়াই। মাইবী হায়বসি অরুবা শক্লোন অমনি। মাইবীনা মাইবনা হৌজিক্কী লাই হরাউবূংদা পাঙথোক্লিবা মথৌ মঙমশিং অদু নৌনা মপাঙ্গল কন্নবা য়েংশিনবা চুমগনি। হৌজিক্কী মাইবী ওইরবসু য়েলহৌঙৈগী মাইবীগী শক্লোনদি কায়হনবা চুমলোই। মাইবীনা করি থৌদাং লৌরকপগে হায়বদু তুতেংলোন, নুমিৎ কাপ্পা, পান্থোইবী খোঙ্গুল, হিজন হিরাউ, অনোয়রোল, পাখংবা লাইহুইনচিংবা লাইরিকশিংদা য়াম্না শেংনা চাউনা উবা ফংই। মাইবীগী থৌদাং করিনো হায়বদি লৈশেমঙৈদগী উবা ফংলে। অদুঙৈ লৈশেমঙৈদা সলাইরেনগী য়াথংদগী সনামহী পাখংবা অনীনা লৈশেম নোংশেম্বা লোইরগা য়ূমথোঙ- য়ূমথোঙ চঙদুনা তুংদা থোক্লগদবা কয়াবু পাউতাক পাউজেনবিবদগী হৌরকই। কুমগী হৌরকপদা নাদা লাংথ্রে খূৎতা শরীক পায়দুনা তীনমু লাইমু ফত্তবা মশক তাকপীখি। উশিল তৌথোকপী। মসিদগী য়ূমথোঙ খুদিংগী লৈরিবা তাইবঙ থৱায়বু কনবীরে হায়বদগী লৈপাক মাইবীও কৌনখিবগী ৱাফম ফংই।

অমুকসু পান্থোইবীবুসু মাইবী ওইনা মশক তাক্নুনা শীংথাবা থেংনৈ। "তম্পাক লৈহৌ মাইবীদি তম্ফা ৱাঙমলোন পান্থোইবীনে" হায়না কুমার মাইবীনা মাগী "কংলৈ উমংলাই হরাউবা" লাইরিক্কী লাঃ ১৯৫- ৯৬ তা পল্লি। মসিনা তাকপদি মাইবী হায়বসি লাই ওইখ্রবা লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিং অদুনা মীওইবা ঐখোয়গীদমক্তা য়াইফনবা তুংলমচৎপু তাক্নুনা খুঞ্জাউ লৈচাউনবা পুন্সি নুংশাংনবা লম্বী তাকপিবগা লোয়ননা ঙাকপি শেনবীরম্বা মতীক ময়াই লৈরবা শিনফম অদুনি হায়বা য়াই। অদুগা লৈবাক্কী অরুবা অৱা- অনা তারবা মতমদা মাইবীশিংনা লৌগদবা থৌদাং অসি য়াম্না অরুবা অমনি। মসি কাউথোক্নুনা হৌজিক্কী খুনগী লাইবূং লাইবূংদা লান্না পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসি য়েংশিনবা চুমগনি। লাই হরাউবা পাঙথোকলিবা মফম মফমদগী খুঞ্জাশিংনসু তৌহৈদবা মওং কয়া লাইগী থৌরমদা হাপচিল্লিবসি

তৌরোইদবনি। খুদম ওইনা লাই লম থোকপদা হনুমান, যীশু অসিনচিংবগী শক্তম শাদুনা পরেং লেংদুনা লম্বী থিংদুনা ধোন বজাই বেঙ্গুল খোঙদুনা হেন্না শেলয়াম তিংহন্দুনা চৎথহনবসি থিংহৌবা চুমগনি। অসুম্না তাংখুল শাবদসু লাইগী থৌরমগী ঈশৈশিংদসু মাইবী অমদি খুঞ্জা পাখঙ লৈশাবীশিংনা হাপচিন্নীংবা মওং শক্লিংবা ঈশৈ নোংমাই শকলিবসি তৌহৈদবা থবকনি।

মরম অদুনা লাই হরাউবা করিনো মুন্না খঙবা তাই অমসুং থৌরম অসিবু লমজিংলিবা অমাইবা, অমাইবী, পেনানচিংববু মশক খঙবগা লোয়ননা হরাউফম ওইরিবা লাইবূংবু মশক থোক্লা থম্বগা লোয়ননা হায়রিবশিং অসিগা লাই হরাউবগা লৈনবা মরী লৈনবা তাই।

উমংলাই হরাউবা অমসুং ঐখোয়গী অপূনবা শক্তম

কংলৈপাক্কী অপূনবা শক্তম অসী উমংলাইশিংনা ফনা ফজনা ঙাক্লি হায়বা য়াই। লাইয়িংথৌ থাংজীং কোয়রেল্লাই হায়বা লাই অসি মায়কৈ ঙাকপা লাইগী থাক্তা লৈবা য়াম্না মরু ওইবা, মতীক ময়াই লৈবা উমংলাই অমনি। লাই অসীগী হৌরকফম ওইবা লাইফমদি থাংজিং চীংজাউনি। তম্পাক লমদা লাই অসিগী লাইফম ১৭,১৮ লোম লৈ। মোইরাং য়েক শলাইগী পুকোক পুরেল ওইবদগী লাইয়িংথৌ মহাকপু কেগে পোকপা কাসারেল মোইরাং লাংবূম অরিবা হায়না মিংখৈনে। অদুগা অমুকসু থাংজীং চীংজাউদা খুন্দারিবা কোয়রেংশিংনসু লাই অসী কাঙলূপ অসীগী মশাগী শাগোন্নরক্লবা লাইনি হায়বগী-থাজনবী লৈ। কোয়রেংশিংগী লাই কোয়রেং লাই হায়বদগী কোয়রেল লাই হায়খিবনি হায়রি। য়াম্না নুংশিবা ৱারীনি। তম্মী মৈতৈশিং অমসুং চীংমী কোয়রেংশিংগী থম্মোয়না লাইয়িংথৌ থাংজীংবু কাউথোকপদি থাংজীং চীংজাউনা তুমদ্রিমখৈ ঙস্লরোই। লাইয়িংথৌ ৱাংবরেল হায়বসি মায়কৈ চিথেক মরি ঙাকপা লাই মরিগী মনুংচনবা য়াম্না মরু ওইবা উমংলাই অমনি। লাইয়িংথৌ অসীগী লৈমশিংগী মনুংদা অনাল চনু, খুন্থক চনু, লমকাং চনু, তরাউ চনুনচিংবা চীংমী নিংঙোল কয়া য়াওরি।

লাইয়িংথৌ লোকনিংথৌ খানচাউবা অসি অনাল চনুনা পোকপা লাইয়িংথৌ ৱাংবরেলগী মপারিনি। মখা মায়কৈরোমদা লৈবা অনালশিংনসু লাইয়িংথৌ ৱাংবরেলবু মখোয়গী লাই অমা ওইনা ঈরাৎ থৌরম তৌদুনা খুরুম খাজঙনৈ। তম্পাক লমা অসীদা ৱাংবরেলগী লাইফম নিফুদগী হেন্না লৈ। লাই অসীবু হরাউবনা তম্মী মৈতৈশিংগা চীংমী অনালশিংগা লৈনবা ঈগী মরী অদু নীংশিংহল্লি।

নুংশি লীপুন্না চেৎনা পুনশিল্লি। লাইয়িংথৌ কৌব্রু হায়বা অসীসু মায়কৈ চিথেক মরি ঙাক্লিবা লাই মরিগী মনুংচনবা উমংলাই অমনি। তম্পাকলমদা লাইয়িংথৌ অসিগী লাইফম নিফুরোম লৈ। লাইয়িংথৌ মহাকপু কৌব্রু চীংগী লাইফম ময়াদা খুন্দারিবা চীংমীশিংনসু মখোয়গী লাই ওইনা খুরুমনৈ। উমংলাই হরাউবা হায়বসিমক কৌব্রু চীংদোন্দগী হৌরকখিবনি। কৌব্রু চীংজাউনা চীংমী তম্মী অনীগী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কৌব্রু চীংজাউ অসি লাইনীংগী মীৎয়েংদা তম্মী মৈতৈশিংগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা লাইফম অমনি।

ঈরিল তুরেল তোবর্বান তাবী হাওমা লীক্লাং শাফবী লারা লাশংনু হাওরৈমা শম্বুবী লুইরালা হায়নসু খঙনবী লাইরেম্মা ঈরৈমা অসী চীংদাই নিংথৌ তাংখুল চনুনি। উমংলাই অমা ওইনা ঈরিল তুরেল তম্পাক্তা লাইরেম্মা অসীগী লাইফম কুন্থারোম লৈ। লাইরেম্মা অসী লাইয়িংথৌ তবুংবগী মশানৌনি। তাংখুল চনু অসিবু উমংলাই অম ওইনা ৱাংনা থাংগত্তুনা হরাউ শকশেমতম থৌদোক কূম্মে শান্নদুনা নীংজরিবা তম্মী মৈতৈশিংবু লাইরেম্মা মাগী মপাম কাঙবু তাংখুল চীংমীশিংনা নুংশিরোইদবগী মরম লৈতে। লাইয়িংথৌ চোথে থাঙৱায় পাখংবগী লৈমা লাইরেম্মা খল্লাংতাউবী অসী চোথে খুল্লাকপগী মমোমনি। লাইরেম্মা খল্লাংতাউবীগী মপাম লমদম চোথে তাবা চোথে নূংসুকচীংগী খুলশিংদা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনীবু লাইশঙ শাদুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লে। তম্মী মৈতৈশিংনসু লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনীবু খুরুম্বা চৎনৈ। লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনী অসিনা চোথে চীংমীশিংগা তম্মীশিংগা নকশিন্নহল্লি। লাইয়িংথৌ নোংশাবা হায়বসি য়াম্না মতীক ময়াই লৈবা লাইনি। লাই মাদি উমংলাই অমা ওইবদগী হেন্দোক্তুনা শজিবু চৈরাউবা খুদিংগী সনা কোনুংদা লৈরিবা লাইয়িংথৌ মাগী লাইশঙ থোঙ হাংদুনা ফীরোয় ফীঙাম হোংই, লৈহুন কায়দনা হুল্লি। য়ুমশকৈশা নুমিৎ খুদিংগী লাইথংবম শাগৈনা লাইয়িংথৌ মাগী লূক কৎলি। উমংলাই অমা ওইনা লাই অসিগী লাইফম ৫,৬ লৈ। অসুক য়াম্না মতীক ময়াই লৈরবা লাই অসীগী হৌরকফম ৱারীদদি মান্তক খুলগা থাদোক্লবা য়াদে। লাইয়িংথৌ অসি মান্তক খুলদগী মোইরাং, ৱাংঙু, চোথে খুল, মোইরাংদা অমুক হন্না অসুম্না লাক্লগা কংলৈপূং ময়োল য়ৌরকখিবনি।

মথক্কী ৱারোলশিংদা উমংলাইশিংনা চীংমী তম্মী অনীবু চেৎনা পুনশিন্দুনা লমদম অসীগী অপূনবা শক্তম ঙাকপদা অচৌবা লীপূল ওইরক্লি হায়বগী খুদম ওইনা উমংলাই তরুকখক লৌখৎচদুনা পনজখ্রে। অসীগুম্বা মখলশিংগী লাইশিং অসী হরাউবনা লাইশিং অসিগী ৱারী ৱাখোঙ থিজিনবা অমসুং খঙনবা হোৎননীংবগী

ৱাখল পোকহনগনি। অসীগুম্বা ৱারী ৱাখোঙ থিজিনবা, খঙজিনবা অমসুং চীংমীশিংদসু খঙহনবনা চীংমী তম্মী অনীগী অপূনবা শক্তম কনবদা য়াম্না মতেং ওইগনি হায়বসিদি ময়েক্লা তাজরবা ৱাফমনি। উমংলাই হরাউবা অয়াম্বদা য়াওরিবা তাংখুল হূইতোক পাখং অমসুং শারম নুরাবী অনীগী অৱায় অখুম খূৎলঙ ঈশৈবু চীংমী তম্মীনা করম্না কাউথোকপা ঙমগদগে?

উমংলাই হরাউবা অমসুং ঐখোয়গী অরিবা লাইনীং ঃ

হীরম অসি মখাগী অসুম্না মশা মরেং অহুম থোক্লা খায়দোক্কুনা য়েংশিনবা য়াই, মদুদি -

উমংলাই হরাউবা অমসুং লৈশেমলোন ঃ

মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈদা চৎলম্বা লাইনীং (হৌজিক্তি সনামহী লাইনীং হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনরে) অসিগী মরমদা খঙনীংবা মীওইশিংবু কাঙলূপ অনী থোক্লম খায়দোকপা য়াই - (১) লাইনীং অসী পামজবদগী-লৌজনীংবদগী ফজনা খঙনীংবা (২) লাইনীং অসী করম্বা মওংগী লাইনীংনো হায়বদু খঙজীনবগী নুংঙাইবা অদুগীদমক্তা খঙজিনবা পান্বা। অরিবা লাইনীং অদু মপূং ফানা চৎলুদ্রবা ফাওবদা মখোয়গী থম্মোয়দা- ঐখোয়গীসু কাঙলোন নাইবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল ফিদম য়াওবা অরিবা লাইনীং অমা লৈজরম্মী-হায়দুনা চাউথোকচবা। খুন্নাই অসীদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ অনী অসীদা লাই হরাউবনা কান্নবা য়াম্না পীরি। কনাগুম্বা অমনা উমংলাই হরাউবগী মরমদা মমূৎ তানা খঙগে হায়রবদি লৈশেমলোনগী ৱারী ৱাখোঙ খঙদবা য়াদে।

হয়ি অমসুং হয়া অনীগী মতীক ময়াই পূন্না লৈরবা চীংঙু খোইয়ুম তেংবানবা মপু য়াইবীরেল শিদবনা মপারী চীংখোঙ অহনবদা তেংবানবা শেম-ও হায়না থৌশীখিবদগী মপারী অহল মাগী মমিং অশীবা হায়না মিংথোনখি। মথক্তসু পনজখ্রে মদুদি মপারি অশীবনা কোরৌ নোংলোন ৭ মালেম লৈরোন ৭ অসি শেন্লবা মতুংদা থৱায় পানবশিং করম্না শেমশিগে হায়না নুংবংননা লৈরবদা মপল পন্থৌ তেংবানবা মপুনা ময়া লাওনা কাথোক্কুনা মপূক মনুংদা লৈরিবশিং অদু মপারি অশীবদা উহনখি। মপারি অশীবনা হরাউনা হোৎ লাউদুনা হোইদোক্লকখি। লাই হোই লাউবা হায়বদগী লাই হরাউবা কৌনখি।

চীংঙু খোইয়ুম অশীবা লাইয়িংথৌ সনামহীনা তীম্ব্লোক, ঙমু, হঙোই, য়োংনচিংবা থৱায় পানবশিং মথং মথং শারে অদুবু মী মাল্লু হায়বদি য়াদ্রে।

ইরোই লোইবদা তেংবানবা মপুগী মমি য়েংদুনা তাইবংমী শাখি। মরম অসীনা তাইবং মীওইবা হায়বসি থৱায় পানবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মপুং ফাবা হায়বদু ওইখি। তেংবানবা মপু মাগী মমি য়েংদুনা শাখিবা মরম্না তাইবং মীওইবদা লাইগী মতীক ময়াই য়াওই । য়াম্না শমজীন্না হায়রবদা, উমংলাই হরাউবগা লৈশেমলোনগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ। অদুগা অমুক লৈশেমলোন অসিদি মৈতৈশিংগী অরিবা লাইনীংগী য়ূমফম্ ওইরিবনি। ৱাফম অসীগী অরাবা খুদম অমা পীবা তারবদি মৈতৈ অমগী ইমুংদা লাইয়িংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবী লৈরিবা অমসুং কংলৈপাক মণিপুরগী নিংথৌবু কোনজিল তিংথোকপা পাখংবগী চাদা নাউদা ওইনা লৌনবগী থাজনবী লৈনরিবা, অসিনি।

উমংলাইশিংগা লৈশেমলোনগী লাইশিংগা লৈনবা মরী ঃ

মথক্তসু হায়জখ্রে মদুদি মৈতৈশিংগী অরিবা লাইনীংগী য়ূমফমদি লৈশেমলোন্নি। লৈশেমলোন্দা য়াম্না মরুওইরিবা লাইশিংদি- ১) তেংবানবা মপু য়াইবীরেল শিদবা, ২) ইমা লৈমরেল শিদবী, ৩) চীংঙু খোইয়ুম অশীবা লাইয়িংথৌ সনামহী, ৪) চীংঙু খোইয়ুম অতিয়া শিদবা, ৫) কোনজিল তিংথোকপা পাখংবা হরাবা লৈথীনগাই, ৬) য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা নোংথাঙলৈমা- লাই তরূক অসীনি। লৈশেল্লকপা মতমদা লাইবূংথৌ অমসুং লাইনুরা কয়াসু য়াওখি। মায়কৈ চিথেক মরিদা থৱা, চেংঙা, য়ুচেং অমসুং য়ুহান লৈঙাকখি। মী অয়াম্বগী ৱাহৈদা উমংলাই ৩৬৪ হায়নৈ । হৌজিক হৌজিক উমংলাইগী লাইফম মশীং অসী ৭০০ গী মথক্তা লৈ। অসুম্না লাইফম মশীং য়ামখিবগী মরমদি উমংলাই অমগী লাইফম অসী ১০-২০, ৪০-৫০ লৈবা য়াওরি। খুদম ওইনা খরা লৌগৎচরবদা - লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী লাইফম অসি মফম ৪০ রোম, লাইরেম্মা পান্থোইবীগী মফম ৫০ রোম, লাইয়িংথৌ নোংপোককীসু মফম ৪৫ রোম লৈ। মৈতৈশিংগী খুঙ্গং লৈকাইশিং অসী উমংলাই অমা নত্রগা অতোপ্পা অমনা কোন্দবা লৈতে।

ঐখোয়না হরাউরিবা উমংলাইশিং অসী ঐখোয়গী অরিবা লাইনীংগী য়ূম্ফম ওইরিবা লৈশেমলোনগী লাইশিংগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরী অমনা শমজিন্নদুনা লৈ। মরম অসীনা উমংলাইশিংবু নীংজবা হায়বসি ঐখোয়গী অরিবা লাইনীংগী য়াম্না মরুওইবা শরূক অমনি। উমংলাইশিংগী মনুংদা লৈশেমলোনগী ওইবা লাই খরা য়াওরবসু অয়াম্বদি ঐখোয়গী য়েক সলাইশিংগী লাইগী মতীক ময়াই লৈরবা লৈরবী ইবুধৌ ইবেনধৌ পুকোক পুরেলশিংনা অয়াম্বনি।

উমংলাই হরাউবা অমসুং খুন্নুং জগোই- ঈশৈ ঃ

ঐখোয়গী অরিবা লাইনীংগী য়ুম্ফম ওইরিবা লৈশেমলোন হায়বসিদা জগোইগী হৌরকফম থৌদোক ৱারী, হরাবা লৈথীনগায়গী পূক্লীং ফাজিন্নবগীদমক নোংথাঙলেমনা পূক্লিং হূরবা জগোই শাখি, পাউশা ঈশৈ শকখি। চীংঙু খোইয়ুম অসীবা লাইয়িংথৌ সনামহীনা মালেম লৈশেমঙৈদা লাইবূংথৌ ৯-৭ গা লোয়ননা থেঙ্গৌরোল মাপল শাদুনা মালেম লৈতেমখি। মালেম লৈতেম্বা লোইরবদা লাইনুরা তরেৎনা লৈতাই নোংদাই জগোই শাখি, লৈরোই নোংলোই ঈশৈ শকখি। মসিদি লাই ৱারীনি। হৌজিক কনাগুম্বা অমনা মৈতৈ কৌবা মীওই কাঙলূপ- ফুরূপ অসীগী খুন্নুং জগোইগী মরমদা নৈনগে, খঙগে হায়রবদি উমংলাই হরাউবদা শারিবা জগোই মখলশিং, খূৎথেক শাথেকশিং অমসুং জগোইশিং অদুগা লোয়নরিবা ৱারী ৱাখোঙশিং অদু কূপ্না য়েংশিনবা তারকই।

উমংলাই হরাউবদা শারিবা জগোইনা ঐখোয়গী খুন্নুং জগোইগী মরুওইবা য়ুম্ফম ওইগনি। হীরম অশোমদা খঙ-হৈরবা অমাইবা, অমাইবী, পেনা শৈশকপা, মাইচৌ কয়াগী মীৎয়েং মতুং ইন্না ১) মাইবীগী লাইচিং জগোইদা খূৎথেক ১১, ২) লাইবৌ জগোই হকচাং শাগৎপদা খূৎথেক-৬৪, ৩) য়ূমশারোল জগোইদা খূৎথেক-১৯, অদুগা, ৪) পাময়াল্লোন জগোইদা খূৎথেক-৩৯, পূন্না মরুওইবা জগোই খূৎথেক ১৩৩ লৈ হায়না লৌনৈ। খূৎথেক অসী মসীদগী খরা হেন্না লৈরমগনি খনজে। পূম্নমক অসীদা নত্তনা থৌগল জগোই ওইনা শাবা খুন্নুং জগোইসু লৈরি। অসীগুম্বা য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা ঐখোয়গী জগোই খূৎথেক শাথেকশিংগা থাঙ-তাগী খূৎথেক শাথেক অমসুং ঐখোয়না হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতুংদা ওইরক্লিবা পালা ঈশৈ শকপশিংগী অমসুং পূং য়ৈবশিংগী ফিদুপ চোলোমশিংগা মরী লৈনবা শরূক য়াওই হায়না হীরম অসিগী অখঙ অহৈশিংনা লৌনৈ। মমল য়াম্লবা খুন্নুং জগোইগী খূৎথেক শাথেকশিংবু উমংলাই হরাউবনা য়োক্তুনা থম্বীরক্লি। ঐখোয়না মীৎ উইশিনদুনা খনবদা উমংলাই হরাউবা নত্তনা লমদম অসীগী মপূং ফাবা খুন্নুং জগোইগী অহিংবা পূক্কে অতৈ লাম্বা ফংদে। হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়গী খুন্নুং জগোইশিং অসী উমংলাই হরাউবা নত্তবা অতোপ্পা করম্বা হরাউ কূম্মে অমনা অসুক মশক মচু থোক্লা য়োক্তুনা থম্বীরিবগে?

মতাং অসীদা উমংলাই হরাউবা অমসুং খুন্নুং ঈশৈগী মরমদা ৱাহৈ খরদং

পনজগে। মীওই কাঙলূপ- ফূরুপ অমগী শক্তম তাকপদা খুন্নুং ঈশৈগী অচৌবা থৌদাং লৈ। কাঙলূপ-ফূরুপ অমনা মখোইগী মশাগী শক্তম্সু মালেমদা শক্তাক্কে খল্লবদি মখোয়গী খুন্নুং ঈশৈবু মাঙখিদনবা কনগদবনি অমসুং য়োকখৎকদবনি। মদুতদা মীওই কাঙলূপ-ফূরুপ অদুগী মফম মালেমদা লেঙদনা কন্দুনা লৈগনি। মীওই কাঙলূপ-ফূরুপ অমগী খুন্নুং ঈশৈ হায়বদা কাঙলূপ-ফূরুপ অদুগী হৌরকফম ৱারী, শাগোন্নরক্লবা মনাৎ, চৎনবী, লাইনীং লাইশোল, থাজনবী কয়া য়াওরি।

উমংলাই হরাউবদা লমদম অসীগী তোপ-তোপ্পা শৈহেক শৈদা লৈজবা অমাইবী অমাইবশিং অমসুং পেনা শৈশকপশিংনা শক্লিবা ঈশৈশিং অসি খুন্নুং ঈশৈনি। পেনা খোংবশিং অসিসু শৈশকপশিংনি। পেনা লোয়শঙ কৌবা লোয়শঙ অমা তোপ্পা লিংখৎখিবা অসীদি ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ পামহৈবগী মতমদগীনি। মদুগী মমাঙদদি অশৈবা লোয়শঙ হায়রগা পেনা খোংবা শৈশকপশিংসু য়াওনা খঙনরম্মী। তশেংবসু পেনা খোংবশিং অসি পেনা কৌবা ঈশৈ খূৎলাই অসি পায়দুন, শীজিন্নদুনা ঈশৈ শৈশকপা মীওইশিংনি। মখোয় অসি খুন্নুং ঈশৈ শৈশকপশিংনি। উমংলাই হরাউবদা শক্লিবা খুন্নুং ঈশৈশিং অদুদি - ১) অয়ুক্তা হয়ি হয়া হয়ুম মালেম লৈশেম লৈরোইশৈনচিংবনা হৌদুনা তেংথাদুনা য়াকৈরোল শকপা ২) লৈ লাংবা লোইরগা অমাইবনা লাইবূংগী শম্থোঙ পাংবা শরুক্তা হৌ - হো- হোই- হাহা- হা- হায়ুতে খুলাইতে- - - হে হয়াহে- । হায়না- হোই লাউদুনা শকপা, ৩) য়াকৈরোল, ৪) ৱাকোল, ৫) পাউশা, ৬) নোংপোক পান্থোইবী অনীগী অৱায় অখুম খূৎলঙ ঈশৈ, ৭) ঔগ্রী, ৮) খেঞ্চো, ৯) কে ক্রেক কে, ১০) লৌতারোল, ১১) ফীবুল হাবী, ১২) হিজিং হিরাউ ১৩) লাই নোংগারোল অসীনচিংবনি। উমংলাই হরাউবদা শক্লিবা ঈশৈ অয়াম্বা লৈশেমলোন অমসুং ফুরূপ অসিগী নাৎকী হৌরকলোনগা মরী লৈনৈ। খুদম ওইনা পাউশা ঈশৈ হায়বসীমক মালেম লৈশেমঙৈদা কোনজিল তিংথোকপা হরাবা লৈথিনগায়বু চিংথোক্লবা পুথোকখিবা নোংথাঙলৈমগা হরাবগা অনীগী অৱায় অখুম খূৎলঙ ঈশৈ অদুনি। হৌজিক্তি ঈশৈ অসী শকপদা ৱাহৈ খরা হাপচিন খোৎচিনবসু য়াওবগুমদি তৌরে।

'ঔগ্রী' অসীসু লৈশেমঙৈদা চীংঙু খোইয়ুম অশীবা লাইয়িংথৌ সনামহীনা পুথোকখিবা সামদোল অয়াঙবা কৌবা মশা পানবা শগোল অদুবু, ইমা লৈমরেল শিদবীনা লাইনুরা ৭ পুথোক্তুনা কোনজিল তিংথোকপা পাখংবনা হাও মূক্লা লেংফাইচল মোংবা তাজীল খুরৌ য়েৎনা ফাখিবা অদুগা মরী লৈনৈ। অদুগা **'কে ক্রেক কে'** অসিসু লৈশেমলোন ৱারীদা ময়াম্বা সনামহীনা মনাউনুপা কোনজিল তিংথোকপা পাখংবু ফম্বালদগী চিংথরগে হায়দুনা চঙশিল্লক্লবদা লাই-নুরাশিংনা

মখূৎ শম্নদুনা পাখংববু কনখিবগা মরী লৈনে। 'অনোয়রোল' হায়বসী উমংলাই হরাউবগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরূক অমনি। অনোয়রোল অসি করম্বা মফমদগী হৌরকপগে হায়বা ৱারী ৱাখোঙ অদু অনোয়রোল শৈশক অসিদা অদুম য়াওজরে। অতোপ্পা হরাউ কূম্মৈ নত্ত্রগা ঈরাৎ থৌরম অমদা ফংলরোইদবা খুন্নুং ঈশৈশিং অসি উমংলাই হরাউবদা কন্দুনা য়োক্তুনা থম্বীরক্লি। য়াম্না শমজীন্না হায়রবদা উমংলাই হরাউবা মখল মরি অসিদি ঐখোয়গী খুন্নুং জগোই অমসুং খুন্নুং ঈশৈগী চাউরবা পূক্কে লনগৈ অমনি। সনাগী পূক্কৈনি, লুপাগী লনগৈনি।

উমংলাই হরাউবা অমসুং ফিজেৎ ঃ

মৈতৈশিং অসি পুৱারীগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী ফিশা-লোনশাগী লমদা য়াম্না হৈশিংবা কাঙলূপ অমা ওইনা লাকখি। ইনিংথৌ লোইয়ুম্বনা পানবা মতমদদি (১০৭৪-১১১২) লৈবাক ঙাকলোন্দা খুদোং চানবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা শাগৈশিংদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী ফি শাবগী থবক শিন্নরম্মী। মৈতৈশিং অসি মহাক মহাক্কী য়েক শলাইগী মতুং ইন্না ফিরোলশিংগী মচু মমেন্দা খেৎনবা খরা লৈরম্লবা ফাওবদা ফি শেৎপগী মতাংদদি নুপানা খ্বাঙদা ফি শেৎলগা তুংদা নামৈ য়েপ্পা, মাঙদা লাইখল তাবা খূদৈ শেৎপা, হরাউ কূম্মৈ অকে অমৌ মতমদনা খূদৈফি অচোনবা (ফৈজোম) শেৎপা। মফম মতম অমসুং ফমগী মতুং ইন্না ফুরীৎ লীৎপা, কোয়েৎ অদুগা নুপীনা ফনেক শেৎপা খ্বাঙশেৎ শেৎপা, ফুরীৎ লীৎপা । মফম, মতমগী মতুংইন্না কোক্তা কোকশেৎ শেৎপা নত্ত্রগা লাংমৈ উরেকশেৎনোইনিংখোই মতু নত্ত্রগা কজেংলৈ (কোক্কন মপাল মান্না-শাবা) শীজিন্নবা, নুপা নুপী অনীমক ফি ইনবা মীওই কাঙলূপ অমনি। নুপাশিংনা ফুরীৎ লীত্তনা ফি ইনবা অদুগা নুপী মৌসু ফিদোল চিংখৎলগা ফুরিৎ লীত্তবা ফিদি ইনবা অসিসু ঙল্লিঙৈ মতমগী চৎনবী অমনি। অদুগা মফম মতম অমসুং থৌদোক্কী মতুংইন্না নুপা অমসুং মৌনা ফুরিৎ লীৎলবদি ফি ইন্দবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। ফিদু হকচাংদা য়েৎশিল্লি।

উমংলাইশিংগী ফীজোল অসি লাইয়িংথৌশিংগীনা কোয়েৎ, ফৈজোম, ইন্নফি মরাক তাইবা অদুগা লাইরেম্মশিংগীনা ফনেক, নমথাং খুলক অমসুং কোক্তা কজেংলৈ শীজিন্নৈ। লুহোংবদা নুপীনা পোৎলোই শেৎপা হৌখিবা অসি নরসিংহ (১৮৪৪-১৮৫০) গী মতমদগীনি অদুগা শম বেনি লোনবা শমদা কুরাক পাইবা হৌখিবা অসিনা ইনিংথৌ চুরাচান্দ (১৮৯১-১৯৪১) মতমদগী মথং মথং হাপকৎলকখিবনি। নোংপোক মায়কৈগী লাইরেম্মা পান্থোইবীনা কোনবা মফম খরদদি লুহোংবদা ফনেক শেৎপা চৎনৈ। অদুগা লুহোংবা মতমদা পোৎলোই শেৎলবসু নুপা ময়ূমদা চঙলকপা মতমদদি মফম খরদদি লম অদুগী

লাইরেম্বী অদুনা য়াদে হায়দুনা ফনেক হোংদোকপসু য়াওনৈ। ঙল্লবদা ইনিংথৌ চন্দ্রকির্ত্তি অদুগা থেঙলবদা ইনিংথৌ চুরাচান্দগী মতমদা মফম খরগী উমংলাই হরাউবদা লাইপোৎ পুবী অমসুং লাইমাঙদা থৌগল জগোই কৎপদা পোৎলোই শেৎনরম্বা অদু কোন্নদি তোকখি। হৌজিক্তি সুকউ উখিদ্রে।

উমংলাই হরাউবগী থৌগল তৌবদা নুপানা ফৈজোম শেৎলি, কোয়েৎ য়েৎলি, ইন্নফি ইল্লি-য়েৎশিল্লি, ফুরীৎ খুদাং চোনবা লীৎলি। নুপীনা ফনেক শেৎলি, ইন্নফি ইল্লি-খ্বাঙশেৎ শেৎলি, ফুরীৎ খুদাং ককপী লীৎলি। (২০০৩ দগী না পুথোকপা ফক্লাং কেলেন্দরদা মোইরাং থাংজিং হরাউবগী লাই পুবদা লাই পুরিবা নুপাশিং অদুনা পাইজমা শীজিন্নবা অদু উবদা নুঙাইতে, তৌহন্নিংদে। মৈতৈশিংগী ফিজেৎকী মতাং খন্নরকপদা উমংলাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা ফীজোলশিং অসিসু য়েংশিন্দবা য়ারক্তে। ঐখোয়গী ফিজেৎকী মরমদা খঙনীংবা মীওইশিংদা উমংলাই হরাউবনা কান্নবা খরদি পীরি।

উমংলাই হরাউবা অমসুং শান্ন-খোৎনবা ঃ

শান্ন-খোৎনবা হায়বসি মৈতৈশিংগী ঈ-তোংদা য়াওরক্লবা হৈনবী অমনি। হৌজিক ফাওবদা থাঙ-তাগী ফিথূপ, খোঙথাং, খোঙলৈ অসি লৈশেমলোন ৱারীগী থেংগৌরোলগা থাদোক্লবা য়াদবা মরী লৈ হায়নরি। নোংমাইজিং নুমিত্তগী থাঙজা ফাওবা নুমিৎ তরেৎনি অসি থেংগৌ শাবা মতমদা ১) নোংমাইজিং নুমিত্তা লাইয়িংথৌ মার্জিং ২) নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাইয়িংথৌ কোনজিল তিংথোকপা পাখংবা ৩) লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাইয়িংথৌ ৱাংবরেল ৪) য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাইয়িংথৌ খল্লাংবা ৫) শগোলশেল নুমিত্তা লাইয়িংথৌ কৌব্রু ৬) ঈরাই নুমিত্তা লাইরেম্মা ঈরৈমা অদুগা ৭) থাঙজা নুমিত্তা লাইয়িংথৌ থাংজিং নীংদুনা থেংগৌ শাগনি হায়বগী থাজনবীদা কন্না থাজবা মী লৈরি। তাদি থৱায়নি, লাইয়িংথৌ সনামহীনি: থাঙদি হকচাংনি, ইবুধৌ পাখংবনি-হায়বগী থাজনবী ঐখোয়গী ইরক্তা হিংলি। অহানবা ওইনা লৈশেমলোন ৱারীদা মুক্না শান্নবা অসী-কোনজিল তিংথোকপা পাখংবনা সামদোল অয়াঙববু হাও মূক্না লেংফাইচল মোংবা তাজীল খুরৌ য়েত্তুন ফাখিবগী ৱাফম য়াওই।

উমংলাইশিংগী ৱারীদা কৌব্রুগী মমোম থৌদু নূংথেললৈমবু তাল্লোয়শীংদা চন্নবা হোৎনবদা মারজিংগী মপারী লোয়য়ালাকপনা তোঙান-তোঙানবা মশান্না কয়াদা শামান লেংমান্নবা কয়াবু মায়থিবা পীদুনা লাই পাংগনবা হায়বা মিংথোল ফংখিবগী ৱারী অহলশিংনা লীনরি। অসুম্না মাঙজোং, চেনজোং, মূক্না, কাংজৈ, সূক লংবা, নূং হুনবা, তেন কাপ্পা, পৌ চিংনবা হায়বনচিংবা মশান্নশিং অসি

য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ঐখোয়গী ইনাৎ ওইনা লৈরকপা মরম্না হৌজিকসু মশান্না কয়াগী লমদা লমদম অসিগী নহাশিংনা মালেমদা ঐখোয়গী ফূরূপ অসিগী মিংচৎ পুরক্লি।

উমংলাই হরাউবা হায়বসি শান্ন-খোৎনবগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা লাইনীংগা মরী লৈনবা হরাউ কূম্মে অমা ওইনা য়েলহৌঙৈদগী চৎথরক্লি। মসিগী য়াম্না ফজরবা খুদমদি-লাই হরাউবগী মনুংদা লাই কংলৈ থোকপা হায়না য়েলহৌঙৈদগী চৎথরক্লি। মসিগী য়াম্না ফজরবা খুদমদি-লাই হরাউবগী মনুংদা লাই কংলৈ থোকপা হায়বা মতাং অমা য়াওই। মসিবু মীয়াম্না লাই নুপী থিবা হায়রগা খরা হেন্না খঙনৈ। খোয়রীফাবা অমসুং লোয়ালাকপা অনীনা মূক্লা শান্নবা অমসুং কাংজৈ শান্নবগী থৌওং অদু মাইবীনা কাংজৈ পায়দুনা কাংজৈ শান্নবগী মওং উৎলি। উমংলাই হরাউবদা মূক্লা অমসুং লমজেল অনী অসিদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা মশান্না ওইনা লাকখি। মশান্না অনী অসিদি য়েক্লবা লম্বাবু মায়থীবা পীনবা অদুগা য়েক্লবগী মখূত্তগী নাম্থোরক্লবা ফীভম অনীমক্তা চঙদবা য়াদ্রবা মশান্ননি। মূক্লা লমজেল অনী অসি লম-লম অদুগী চৎনবী মতুং ইন্না- হোরেল লাই হরাউবা লোইগনি হায়বদুগী অয়ুক্তা মূক্লা লমজেল পাঙথোকপা লাইফমসু লৈ।

মোইরাং থাংজিং হরাউবদদি লাই লোইগদবা নোংমা লৈরিঙৈদা পাঙথোক্লে। অদুগা লাইফম খরদদি লাইরোই নোংঙাল্লগা মূক্লা লমজেল পাঙথোক্লবসু য়াওই। অদুবু মশান্নশিং অসি পাঙথোক্তবদি ইয়ামক য়ারমদে। লমদম অসিগী নুপীশিংনা লমজেলদা শরূক য়ারকপা অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ য়েলহৌঙৈদগীনি হায়বা তাই। মরমদি লাই হরাউবগী লমজেলদা নুপাশিংদা নত্তনা নুপীশিংসু য়াওই। নুপা কাঙলূপ অমসুং নুপী কাঙলূপ খায়দোক্নুনা তোপ্না-তোপ্না চেনহনবদা নত্তনা লাইফম খরদদি নুপা নুপী পূন্না লমজেল চেনমিন্নবা য়াওই। অপূনবা লমজেল অদুদা নুপীনা থোইরবদি খুঙ্গং লৈকাই অদু খুঞ্জাউ লৈচাউই হায়বগী থাজনবী লৈনবা য়াওই। মরম অসিনা নুপানা মাঙ থানা চেল্লক্লবসু নুপীবু থোইহল্লু হায়দুনা নুপাশিংদা খুঞ্জা অহলশিংনা পাউতাক পী। থৌওং থৌদৌ অসিমক্তি পাংগল চাং য়েংনবগী লমজেল নত্তে, খুন্নাইদ, নুপীবু ঈকাইখুম্নবা মফম অমা পীবা অমসুং খুন্নাইদা শোন্থনা- তোন্থনা লৈবা মীওইশিংবু কনগদবনি, হিংমিন্নগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোকপনি।

লাই হরাউবদা তৌবা য়াবা-য়াদবা

ঐখোয়না চহী অমগী মনুংদা খুল-নত্রগা লৈকাইগী ওইনা অমুকখক্তমক পাঙথোকপা লাই হরাউবগী থৌরম অসিগী মতাংদা তঙাইফদনা খঙমিন্নদবা য়াদ্রবা কয়া লৈ। লৈরিবা থৌরম পরেং অসি নত্তবা, লাইশোল তীনশোলশিং সুদবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিং অদুদা কৎপা য়াবা-য়াদবা লাই-পুবদা য়াওবা য়াবা-য়াদবা কয়া তোঙান-তোঙান্না লৈরি। লৈরিবশিং অসি পূন্নমক খঙদ্রগসু তঙাইফদবা খরদংদি খঙজিনবা য়াম্না কান্নে। লৈকাই-খুলনা মতম মাঙনা শেল তিংনা পাঙথোকলিবা লাইথৌ থৌরম অসি মহৈ য়ানবা থৌরম অমা ওইহনগে হায়রবদি তৌবা য়াবা-য়াদবশিং খরদংদা ওইরবসু খঙনবা হোৎনফম থোকই।

লাইচৎকী মতুং ইন্না লাই হরাউবদা তৌবা য়াবা য়াদবা

লাই হরাউবদা লাইদা কৎপা য়াবা য়াদবা, শৈশক-শৈথা, হায়বা য়াবা-য়াদবা থৌরম থৌদা লাইচৎকী মতুং ইন্না খরদং থমজরবদা ঃ ফয়েংনা কৌব্রু লোয়ারাকপা লাই অনী অসিবু হরাউই। তোঙান তোঙানবা সোরারেনগী লৈমরেনগী হৈথা লৈথা, লৈহুন তোপ্পা থাদুনা তম্মী। লাই ঈকৌবসু মপা ইবুংঙো কৌব্রুনা লাইগী পুখ্রিদগী ঈকৌখৎলি। মক্মাক ইবুংঙো লোয়ারাকপনা তুরেলদগী ঈকৌই, লোইরগা অমনবু হাল্লবসু অমনবু হাল্লবসু থোঙ্গান্দা ঙাইনরগা চপ মান্ননা চঙমিন্নে। ফমনাইবা ফমনাইবী নুপা নুপী পূন্নমক্না খূবাক খুদুনা লাইবু শৈথাদুনা লাইওক ঈশৈ ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী মতীক ময়াই থাদুনা থোঙ্গান্দগী শঙলেনদা লাইনা ফম্বাল য়ৌবা ফাওবা লেপ্তুনা শকতবা য়াদে। মসিসু য়েলহৌঙৈদগী অহলশিংনা চৎনরম্বা লাইচৎ অমনি।

অমাইবীগী ওইফম থোকপা ফিজেৎকী শক্তমশিং



শরোঙ শেৎপী অমাইবীগী শক্তম



ফিঙৌ শেৎপী অমাইবীগী ফিজেৎ

অদুনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, মঙাং, লুৱাং, খুমন, অহুমমক লৈ হায়ববু তাকলি। লংজা ৯, ৭ চিংলিবা অদুনা শী অমসুং পা অনী অসিদগী ওইরকই হায়ববু তাকলি। মসিনা ঈকৌবগী মরমনি।

ঈকৌবা লোইরগা কারক্লগা লাইমাঙ য়ৌরগা ঈশাই চফু পুরিবা অদুনা খ্বাইগী মাঙদা চৎখৎলগা লংজা ৯ না লাইয়িংথৌরোমগী নিপা ৩ নত্রগা মঙানা পায়গনি। লংজা ৭ না লাইরেম্বীরোমগী নুপি ৩ নত্রগা মঙানা পায়রগা হীরী লাউবা হায়দুনা মাইবনা লাউগনি। হীরী পায়রিবা নিপা নুপীশিংনা খুমগনি। মসি হিগারকপগী হীরী লাউবা কৌই। মসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। হিজিং হিরাউ ওইনা শকপা য়াদে। হিজিং হিরাউ ওইনা শক্লবদি লাই অদু হরাউবা য়াদে। ঈকারকপদা ঙায়রিবা লাইবৌশু শান্নদ্রিবা অদুদা অরোইবগী লাইরোল শক্লবদি পূমলোই লোইশিল্লে, অমুক হন্না থৌরম তৌবা য়াদ্রে।

হিজিং হিরাউ শক্কদবা মফম মতমনা নুমিৎ মঙানি তরানি হরাউবগী লোইবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেঙবদা মাইবনা উয়াল্লোন। হিজিং হিরাউ শক্কনি। হিজিং হিরাউ শকখ্রবদি পূমলোই লোইরে, লাই নোঙ্গারনি। শরোয় খাঙবদগী হেন্না অতৈ করি অমতা চৎথবা য়াদে। মসিনা ঈকৌবগী য়াদবগী মরমনি য়াদবগী মরম য়াম্না লৈরি।

অনীশুবা য়াদবগী মরম ঙসিমক লাই ঈকৌরগা লাইবৌলা থাদুনা হোইরৌ হোইয়া লাউদুনা অনোয়রোন শক্কুনা হকচাং শাদুনা হরাউবা মশীং শুনা তৌবা য়াদে. চুম্না জগোইনচিংবা শারগা থৌগল তৌবদি য়াই মসিসু য়াদবা অমনি।

নোংমগী মাইবীনা লাই শান্নবা লোইরকপদা লাইমাঙদা চোঙ মরি য়ুংলগা নিপা মরিনা ফি অঙৌবা অমা খল্লগা শান্নরিবা চোঙ মরি অসি মীয়াম্না খন্নরি থাংজিং মার্জিং ৱাংব্রেন কৌবুনি হায়না খন্নরি, চুম্মি অদুবু মমিং অমসু লৈরি লৈশেমঙৈগী মমিংনা থৱা, চেংঙা, য়ুচেং, য়ুহা কৌই। অদুবু পোৎ অসি অমত্তনি থৌরম অদুগী মতুংইন্না মমিং থোনবা হোংবদনি। মতম অসিদা মাইবী অমনা লাইয়িংথৌ শারগা মাইবী অমনা লাইরেম্বী শারগা শক্কদবা লাইরোলনা পাউরৌ পাউখুম পাউশানবা কৌই। শৈশক্লা *থং থং থংনরে রোশো থংনরে* হায়না লাইরোল শৈশক মঙা তরা লৈরি। তাংখুল নুরাবীনা লাইরোই নুমিৎকী নুমিদাংদা পাউরৌ পাউখুমনবা ওইনা শকপা অমা য়াই। হায়রিবা মফম মতম অনী অসিদা নৎতনা হরাউবনি হায়দুনা শক্কুদে অমসুং য়াদে। অদুগা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনী পাউরৌনবনি হায়দুনা য়াম্না করেম কথাইনা শান্নবা অকায়বা লৈ ফৎতে। লাই অনী হায়বদি লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনীনা পাউরৌনবদি য়াম্না ঈংনা তপ্না কেনা পাউরৌনবনি। অদুনা নুংঙাইনবনি হায়দুনা করেম কথাইনদুনা

সেকমাইনা কৌব্রু লাইবু হরাউই অদুবু লাই ১২ গী হৈথা লৈথা তমদুনা হরাউই। হায়রিবা লাইশিং অসি মশীং ব্রাৎপা য়াদে। মসিসু লাইচৎ মখল অমনি। অন্দ্রোনা পনমনিংথৌ পুরৈরোম্বা হরাউবা মতমদা ঈশিংদগী লাই ঈকৌদে। চীংদগী লাই লৌথরগা হরাউই। য়ূমনাক্কী ওইবা লাই ১২ অমসু শাগৈ শাগৈগী মীশিংনা য়ূমদগী শঙলেন্দা পুখৎলগা ফমদেংদুনা হৈথা লৈথা তমদুনা হরাউ থৌগল তৌই মসিসু লাইচৎ থৌরম অমনি।

মোইরাংনা থাংজিং লাইবু হরাউই অদুবু য়ূমনাক্কী ওইবা মমিং তোঙান তোঙানবা লাই ৯/৭ ফমদেংলগা হরাউই। অদুগা লাই ঈকৌবদা অতৈ লাইশিংগীদি থক্কা খাগা লৈথক লৈখা হাইদুনা খৈয়োম অনীদা কৎলি, লাকই। থাংজিংগীদি খৈয়োম নিপান লাকই, কৎলি। লাই লম থোকপদসু লম থোকফমদা চাক থোংদুনা শরেংনচিংবা কৎতবা য়াদে। মসিদসু নৎতনা চহী অমনা লম থোকপা, চহী অমনা খোং চিংবা চহী অমনা য়ূম ফম্বা হায়না চৎনৈ। খোং চিংবা চৎপদা দোলাইশিং অদুগী মখোঙদা অমগা অমগা থৌরীনা পুন্দবা য়াদে মসিসু থাংজিং হরাউবগী থৌরম লাইচৎ অমনি।

ককচীংনা খল্লাংবা হরাউবগী লাই ঈকৌবদা মাইবীদি য়াওই মাইবীনা ঈকৌদে শরীকতি খীংই লাই শঙবা হায়দুনা নিপা অমনা খৈয়োম লৈয়োমশিং অদু মকোকতা হাপ্লগা ঈরুপ্পুনা লাই লৌখৎলি। লাই ঈকৌবা কারগা ফম্বালদা ফমদেংলগা লৈরাংবনা লৈ হান্না কৎত্রিঙৈদা হৈ-লৈ অমত্তা কৎপা য়াদে লৈরাংবগী মরমদসু ব্রারী য়াম্না শাংনা লৈরি। লাই হরাউবা মতমদসু য়াথোকশং হায়দুনা অমা শারগা শঙলেন্দগী লাই লেঙথোক্লগা হরাউই। শামু খোঙপাক হায়বা লুবাক থুমমুক ময়ুং শাংতক তৌবা অমদা হাপ্লগা লেঙথোকই। মসিমসু খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা থৌরম লাইচৎ অমনি। (মসিনা তোঙান তোঙানবা লম লমগী ওইবা লাইচৎনি)

কংলৈগী লাই হরাউবা মতমদা শৈশক শৈথা মফম মতম চাদনা শকপা য়াবা য়াদবা তৌরোইদবা তৌগদবা লাইদা কৎপা য়াবা য়াদবগী শমলপ্পা মখাদা ইজরি।

মথক্তা লাই হরাউবা হায়রিবা অসিদা লৈশেম্বদগী হৌরগা পূম্নমক শুবা য়াওরি হায়জখিবা অদুগী মরম চফু মচা অনী অদুনা তাকলি মালেম অসি মতুম তাবগুম্বনি হায়বগী মওং মাইবীনা চফু অনি পায়রগা খোঙলৈ খোঙথাং ফিথূপ কায়বা শোয়বা য়াদে হায়না চোংলিবা অসি লৈশেম্বদা নোংথাঙ লৈমনা হারাববু য়ৈখাই থুগাইদনবা ঙাকহনবা অদুগী খুদমনি। লাংথ্রৈ মতোন ৯,৭,৫ য়াওরিবা

উমংলাইগী মতীক ময়াই হায়বসি শীংথাবদা লোইবা নাইদে লাংমৈদোং পাখংবগী লাইকোন্দা শাৎলিবা লৈশিং অদু কনাগুম্বনা লৈ অদু হেক্কুনা চিল্লুরবদি মী অদু হেক্তা ৱান্থদুনা অৱাবা ওই। অদুনা লাই হরাউবা মতমদা অরাপ্পদগী খঙদবা মী লাক্লগা লৈ অদু হেক্তনবা য়াম্না কন্না শেন্নে। মসিশু য়াম্না লুখ্রবা লাই অদুগী লাইচৎনি।

অমনা চঙাংগৈনে মালোম অৱাংনে মালোম মখানে হায়রিবা লাই অহুম অসি ইঙাদা হরাউরম্মী। হৌজিক্কী কালেন্দা হরাউরে, হরাউবা মতমদা নোংমদা পূন্না য়েংলুবা য়াদে হায়বদি অমদা অমুক য়েংলুরগা অমদা অমুক য়েংলুবা য়াদে। অমদা য়েংলুবা ফি অদু শূদোক্লগা নোংঙাল্লগা য়েংলুবদি য়াই। মালোম মখাগী খুঞ্জাউবগী হরাউবগী লাইগী লম থোকপসু ঈখৈ হায়দুনা, লাইকোন হায়দুনা উমং অমা লৈ অদুদা চৎলগা থোকই। লম থোকপদা য়াওরিবা নুপী ইমা ইবেনশিং লৈশাবীনচিংবা সনা অমতা শিবা য়াদে। লোইনা লৌথোক্লগা চৎলি।

তাংখুল-নুরাবী ঃ লাই হরাউবগী লাইরোই নুমিৎকী তাংখুল নুরাবী য়াওদনা লাই লোইবা য়াদ্রিবসি করিগীনো হায়রবদি তাংখুলনা লৈশেমখিবা নিপা লাইনিংথৌদুনি। নুরাবীনা লৈশেম্বদা হারাবনা য়ৈখায়দুনা শেম্বা য়াদ্রবদা অতিয়া শিদবনা খোয়নৌ নোংথাংলৈমবু পুথোক্লগা হারাববু ঙাকহন্দুনা য়ৈখায়ববু কাউহনখিবা অদুগী নুপী লাইরেম্বী অদুনি। লাই হরাউবা হায়বসিদা লৈশেম নোংশেমলকপগী থৌরম ওইবনা মসিগী মরমদসু য়াম্না পাক চাউনা লৈরি।

অমনা লাইরোইদা ঔগ্রী হংগেন চোংবা হায়দুনা থৌরী পায়রগা নিপা নুপী নখোঙ নখূৎ লেঙগনু হায়বদি খূৎনা পায়রিবা থৌরী অদু লাইরোল শকপা লোইদ্রিফাওবা থাদোক্কনু হায়না তৌরিবা শকলিবা অসিগী মরম্না শামদোন অয়াঙবা হায়রিবা মশা মরি পানবা শগোল মালেম অসি মাঙহল্লগে, উ ৱা পূম্নমক তুমহল্লগে তৌরক্লবদা ইমা লৈমরেন্না উরদুনা মাঙবা তারে হায়দুনা লাইরেম্বীনা খুজেং পায়রগা শামদোন অয়াংববু ফাদুনা অমাঙ অতা থোক্কদববু থোক্তনা লৈপাক মরা তপ্পা ৱায়েন থৌদা চুমখিবা অদুগী মরমদা হরাউরিবা খুল হায়বদি শাগৈগী ওইরবসু খুঞ্জাউ লৈচাউনা চাকহোঙ ঙাহোঙনবগীদমক্তা শকপনি। মতাং অসিদা **কে কে ক্রেক কে মো মো** হায়বসি মতাং অসিদা নত্তনা অতৈ মতমদা শকপা য়াদে। অদুনা লমলেন মদাইমদা কংলৈয়োন্দা পৃংমৈয়োন্দা য়োইময়াই তাউদনববু কোলোয়ে হায়না শকলিবা অসি নুংগী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা লৈরি অদুনা য়াবা য়াদবগী উমংলাইগী লাইচৎ অসি য়াম্না পাক চাউখ্রে।

পঙহাপ হাপচিন্দুনা তৌরগদি ৱা ঙাঙদে হায়বদনি অরানবা থবক তৌরগদি অফবা ওইদে অমাঙবা ওই। শৈশক অমনা *কে ক্রেক কে মো মো য়াঙ্গোই শম্বা শাউ শাউ তোকপগা কাম্বগা কৈগা য়েনগা য়েনখোং ফত্তে চাশিল্লো লাইগী য়েননি চাফদে* হায়রিবা লাইরোল অসিসু লাই হরাউবগী লাইরোইগী নুমিদাং মাইবনা ঔগ্রী চোংবদা শকপা নৎতনা কনাগুম্বনা জগোই শাবদা নুংঙাইনবনি হায়দুনা লাই হরাউফমদা শক্লরমদে।

লাই হরাউবা খ্বাইদগী চেকশিন্না শক্কদবা লাইরোল শৈশক্লা অনোয়রোল হায়রিবা অসি ৱাৎপা য়াদে, হেনবসু য়াদে। পেনা খোংবনা হোইরৌ হয়া লাউরগা মাইবীনা হকচাং শাগৎলিবা অসি নোংমগী লাই হরাউবদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরম অমনি। মাইবীনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী মদাইরেমশা হোইরৌ হৈয়া লাউগদৌরে হোইরৌ ইপানা হোইদোকলক্কদৌরে, হৈয়া ইমানা মালেম লৈয়াগদৌরে নখোঙ নখূৎ লেঙগনু অশোয় অঙাম য়াওরক্কনি হায়রিবসি নুংগী ওইবা য়াম্না লুখ্রবা ৱানি। পেনাগী অনোয়রোল শকলিবা লাইরোল অসি হৌবদগী লোইবফাওবা লেপ্পা য়াদে । মাইবীনা হকচাং কয়াৎ মশীং শুনা শাদুনা অঙাং অদু হেক পোকপগা অনোয়রোল শকপা লোইগনি, তোক্কনি। অঙাং পোকত্রিঙৈদা তোক্লগদি পোকলিবা অঙাং অদু কয়াৎ হায়বদি থা শুদনা পোকপা ওইগনি। লাই হরাউরিবা খুন হরাউবা য়াওরিবা মী পূম্নমক্কী ফৎতে। করিগীদমক্তা নোয়রিবনো হায়রবদি হকচাং নোয়নবা নৎতে পারি ইমোম পোক্লবা নোয়বনে। অদুনা লাই হরাউবদা য়াওরিবা মী অদুদা নত্তনা খাংপোক্তা ফমদুনা য়েংলিবা মী পূম্নমক অনোয়রোন শকপা হৌখ্রবদি অঙাং পোকত্রিফাওবা লৈগদবনি। অঙাং পোকত্রিঙৈদা চৎপা য়াদে, ফৎতে। লাই পূম্নমক্কী ওইনা কৎপা য়াদবা লৈদি **শংব্রৈ, কুন্দো, অপ্রাজিতা** হায়রিবা লৈশিং অসিদি কৎপা য়াদে। লৈ অঙাঙবা কৎপা য়াদবা লাইশু লৈরি। নম্বোল থিয়ামগী লাইকোন নিংথৌ হায়রিবা লাই অসিসু **জুবাকুশুম** কৎতে।

অমনা লাইয়িংথৌ খোরিফাবা হায়রিবা নম্বোলদা লৈরিবা অসি শরেন্নচিংবা শরেং, মৈ চঙবা কবোকনচিংবা কৎপা য়াদে। লাংমৈদোং পাখংবসু ঙা শরেংনা ঙা শরেন কৎপা য়াদে। ওক ঙানু য়েন্না কৎলি। কৎপদা নত্তনা লাইমাঙদা ঙা পনবফাওবা শুকয়ামক য়াদে। লাই হরাউবসু নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা হোই লাউদবা য়াদে।

পূংদোংবমগী নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবীশু ঙানা শরেন কৎপা য়াদে ওকনা কৎলি মসিসু য়াদবগী লাইচৎ অমনি। মোইদাংপোক্কী কোরৌহনবা হায়রিবা লাই অসিসূ মৈ চঙবা কবোকনচিংবা কৎপা য়াদে।

উমংলাই হরাউবা অসী কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা লৈরিবা হরাউথেল হায়রিবা মফম অসীদা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবনি, হৌরকখিবনি হায়না লৌনৈ। মথংগী মরুওইবা খোঙথাংদি শেল্লোই লংমাই নোংপোক লৈহৈচীং (নোংমাইজীং) চীংগী চীংদোন্দা লাইয়িংথৌ নোংপোকপু লাইশিংগী নিংথৌ হাপ্তুনা অমসুং লাইরেম্মা পান্থোইবীবু ওয়রম ফম্বাল লাংহন্দুনা হরাউখিবা অসীনি। অদুগা মথংগী মরুওইবা খোঙথাংদি খাবা য়েক শলাইগী মীওইশিংনা নোংপোক অমসুং পান্থোইবীগী লাইয়ুম লাইশঙ শাদুনা হরাউখিবা অসীনি। পূন্নমক অসী য়েলহৌঙে পুৱারী (ইতিহাস) মমাঙগী থৌদোক ৱারীনি। ইনিংথৌ নাউথিংখোংনা পানবা মতম ৭,৮ সুবা খৃষ্টগী চহীচা অদুৱাইদগীনি। লাই হরাউবা অসী অসুম অসুম চাওখৎলকপনা ইনিংথৌ লোইয়ুম্বগী মতমদদি (১০৭৪-১১১২) করম করম্বা অমাইবনা করি করি লাইগী থৌগল তৌগদগে, করম-করম্বা শাগৈনা করি করি লাই শঙগদগে হায়বা মশিন য়েনথোক্তুনা অরেপ্পা লৈহনখি।

অসুন্না, পরম পথাপ নাইনা চাওখৎলকপনা ইনিংথৌ খাগেম্বনা পানবা মতমদদি (১৫৯৭-১৬৫২) উমংলাই হরাউবগী চাওখৎপগী লমজেল অসী অরোইবা থাক ফাওবা চেনখৎলকখি। খৃষ্টগী ১৮ সুবা চহীচাগী মচীন মৈ মূবা হৌরকপা অদুৱাই ফাওবদা খোঙজেল অসী চাং অসীদা লৈরম্মী। অদুবু ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ পামহৈবন (১৭০৯-১৭৮৪) হিন্দু রামান্দি লাইনীং লৌখিবগা লোয়ননা উমংলাই হরাউবদা অকনবা চৈফূ চৈথেং অমা লাকখি। খৃষ্ট কুম ১৭২৩ লাংবন থাদা উমংলাইগী লাইশঙ পূন্নমক থুদেকখি। খৃষ্টকুম ১৭২৬ ইঙা থাদা লৈবাক অসীগী উমংলাই পূন্নমক খোমগত্তুনা মোংবহনবা উমং মহাবলি উমংগী হৈবোং শিদবা মখোঙদা লোইনা ফুমজিনখি। অসুন্না ইনিংথৌ অসীগী হাক্তক্তা উমংলাই অমসুং উমংলাই হরাউবা হায়বসি থম্মোইনুংদা হিংলবসু মপান্থোঙদদি পৃংমূৎ মুৎখি। অদুবু ইনিংথৌ ইবুংঙো চীংথংখোম্বা ভাগ্যচন্দ্রগী হাক্তক্তদি (১৭৫৯-১৭৯৮) উমংলাই হরাউবগী মরমদা য়াম্না কৃপ্পা থিজিনবীদুনা হরাউবা অসী অমুক হিংগৎলকখি হায়না মায়চৌ কয়ানা থাজনৈ। অদুবু মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা অহোংবা কয়ানা মরম ওইদুনা মপানগী লাইনীংনা পুশিল্লকপা অহোংবা কয়া লাকপদগী অনীসুব মালেম লাঞ্চাউ মমাঙ অদুৱাই ফাওবদা লাই হরাউবা অসি লাইনীং লাইশোলগী ঈরাং থৌরম ওইনা পাঙথোকপা নত্তনা হৌজিক তৌরিবা অসুন্না অচৌবা হরাউ কুম্মৈ অমগী থাক্তা কাখৎলকপগী মওংদি লৈরমদে।

অনীসুবা লাঞ্চাউ মতুংদগীদি উমংলাই হরাউবা অসী তপ্না- তপ্না অচৌবা হরাউ কৃম্মৈগী থাক্তা চঙশিল্লকপা হৌরকখি। হৌজিক্তি উমংলাই হরাউবা অসী

ঐখোয়গী খুন্নাইদা উমংলাই হরাউবনা পীরিবা কান্নবশিং

তেংবানবা মপু য়াইবীরেল শিদবগী মপারি অহল চীংঙু খোইয়ুম অসীবা লাইয়িংথৌ সনামহীনা কোরৌ নোংলোন তরেৎ মালেম লৈরোল তরেৎ শেল্লদুনা নাপী শীংবী ৱাপাল উপাল পূন্নমক শেন্বা লোইরবা মতুংদা থৱায় পানবশিং অসী করম্না শেমগদগে হায়না মপূক্নীং নুংবংননা লৈরবদা পন্থৌ মপানা ময়া লাওনা কাথোক্তুনা মপারি অহন্দা য়েংহনখি। মপল পন্থৌগী মপূক মনুংদা উরিবা পূন্নমক অদুবু লাইয়িংথৌ মহাক্না হরাউনা **'হোই'** লাউদুনা হোইদোক্লকখি। লাই হোই লাউবা হায়বদগী লাই হরাউবা হায়বা মিংথোল অসী পীখিবনি হায়বসী অখণ্ড অহৈ পূন্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। খুঙ্গং লৈকাই খুদীংমক অসী লাইয়িংথৌ নত্ত্রগা লাইরেন্মা অমমম্না ঙাকপী শেনবীদুনা লৈরক্লি হায়বগী মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনীংগী মরুওইবা শরুক অমনি।

লাইশিংনা মালেম লৈশেল্লকপা অমসুং তাইবং মীওইবনা য়ুম-কৈ শাদুনা, লৌ-শীং উদুনা খুনবাল লৈপাল্লকপা পূন্নমক অদুবু মচা মনাই ওইরিবা খুঞ্জাশিংনা উমংলাই অদুগী লাইবূংদা লাইশোল ওইনা শোন্দুনা, ঈশৈ ওইনা শক্তুনা, জগোই শাদুনা, পেনা শক্তুনা অমাইবা অমাইবী য়াওনা হরাউ শকশেম তম্না থৌদোকশিং অদু কূম্মৈ ওইনা শান্নবা মদু উরগা লাইশিং অদুনা পেনবীদুনা হরাউই। মখোয়না পেনবীদুনা হরাউরবদি মচা মনাই ওইরিবা খুঞ্জাশিং অদু পুন্সি নুংশাংবা, চাদা নাউদা ফংনবা, য়াইফ-নুংঙাইবা, খুঞ্জাউ লৈচাউবা ওই অদুগা লৈপাক নিংথৌ মরা চেৎপা ওই হায়না লাইনীংগী ওইবা থাজনবী অসী লৈবদগী উমংলাই হরাউনরক্লিবনি।

ঐখোয়গী খুন্নাইদা লাই হরাউবা অমসুং তৌফম থোকপশিং

য়েলহৌঙৈদগী কংলৈ খুন্নাই অসিগী তোপ-তোপ্পা চৎনবী থৌরম থৌদা কয়া তোঙান তোঙাননা লৈরকই। লৈরম্লিবা থৌরম থৌদা খুদিংমক ঐখোয়গী ত্রেদিসন, কলচর, কস্তম অমদি নেসনেল অইদেন্টিটিগী ভেল্যুগা ইরোই লোয়নদুনা সোসিয়েল ডিসিপ্লিন্দা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। মসিমক্লা ঐখোয়গী পীক্লবা ফুরুপ অসিনা খা নোংপোক এসিয়াদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনা নীং-খা তম্না লিশাং শীৎনা হায়না হুম্না পাল্লম্বদা নত্তনা ঙসি ফাওবা চপ চাবা ফুরুপ অমা ওইনা হিংবা ঙল্লিবনি। ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা থৌরমশিংগী মনুংদা লাই হরাউবগী থৌরম অসিসু অমনি। তোঙান তোঙানবা য়েক সলাই, মায়কৈগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙান্না লাই হরাউনরবসু (কংলৈ হরাউবা, চকপা হরাউবা, মোইরাং হরাউবা, ককচিং হরাউবা) মপূং ওইনা য়েংবদদি ইমান মান্নবা অমদি ঐখোয়গী খুন্নাইগী লমচৎ-শাজৎ, য়ূম্বালোন থকসি খাসি, চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা, জগোই-ঈশৈ অমদি হিংবগী মচল শুনা য়াওরবা থৌরম অমদি অদুম্মক ওইরি।

লাই হরাউবা হায়বসি শম্না থমজরবদা খুন্নাই অসিগী ওইবা ৱাংঙুলোন (নেসনেল ফিলোসোফি) শুনা য়াওরবা খুন্নাইসিগী শকয়েং মিংশেননি। লাই হরাউবা অসিনা ঐখোয়গী নেসনেল আইডেন্টিটিগী মশক কয়া পুদুনা লাক্লি অমদি মসিগী ৱাংলবা ভেল্যুশিংনা মালেমদা ফুরুপ অসিবু শক তাকপদা মফম অমা অদুম্মক কন্দুনা লাক্লি। লাই হরাউবগী থৌরমসিগী ওইবা কান্নবশিংসু হেন্না হেন্না ৱাংখৎহনফম থোকই হায়বসি অচেৎপা থাজবা অমনি। লাই হরাউফমদা

লমদম অসীগী অচৌবা হরাউ কূম্মেগী থাক্তা লৈরে। অদুগা অমুকসু, অমাইবা, অমাইবী, মাইচৌ, লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈশিংনা মীচঙ মীখায় নাইদন থম্মোই শেংন থিজিন হুমজিনবীবদগী লাই হরাউবগী নুং অমসুং পান অনীমক্কী অশেংবা মশক অদু খণ্ডনরে। উমংলাইগী লাইশঙ অমসুং লাইবূং শঙলেন কয়া শেল চঙনা চঙনা, য়াম্না ফজ- ফজনা, চাউনা- চাউনা শানরে। চহী খরগী মমাঙদা লাইবূং হরাউনরমদবা লাই কয়াসু হরাউনরে। মতম্না পুরকপা বেন্দ পার্তি অমসুং মাইক্কী অহৌবা খোনজেন্না নিল্লে। অসুম্না হরাউবা অসীনা অমাইবা, অমাইবী, পেনা শৈশকপশিংগী মশীং অঙকপা ফংনা হেনগৎহনলে। হৌজিক্কী খুন্নাই অসীদা উমংলাই হরাউবনা কান্নবা য়াম্না পীরি হায়বা ৱাফম অসীদি য়াম্না শেংলবা ৱাফমনি। অদুগুম্বা কান্নবশিং অদুগী মনুংদগী খরদং মখাদা লৌখৎচরি।

খুন্নাই অসি লম্মুক্লবগী থৌওংদুনি। খুন্নাই অসিনা লম্মুক্লরিবা অসিদগী কন্নবগীদমক্তা লাই হরাউফমদা খৎনবা-চৈনবা, মরী লৈনদবা কয়া তৌশিনবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদুনা হরাউফমদা ঙাওশিন্নবা, লাই হরাউবগী মিংদা পঙতৌ তৌশিন্নবা অসিনচিংবশিং অসি লাই হরাউফমদগী খাইদোকপা শেংদোকপা চঙই।

ঐখোয় খুদিংমক্লা ঐখোয়গী কলচরেল ত্রেডিসনেল, কষ্টমরি, মোরেল ডিসিপ্লিন, পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিগী ওইবা ভেল্যুশিং অসি মাঙথরক্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা নেসনেল আইডেন্টিটি শাগৎপদা চঙলিবা মচাকশিং অসি তরু-তরু থম্ফম থোকই। মরমদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইরোল অমদি পুন্সিরোলগা মতম পূম্বদা লাপথোক্লবা, থাদোক্লবা য়াদনা লৈরিবা লাই হরাউবগী থৌরমশিং অসি লীক্লম-কাঙলম চুম্না তরু-তরু পাঙথোকনবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে।

মথক্তা পনজরিবা খরসিদা নত্তনা কয়া অমসু লৈরিবনি। লাই হরাউবগী থৌরম মনুংমক্তদা মরী লৈনদবা ৱারী, ঈশৈ, জগোই, কয়া হাপচিন্দুনা লাই হরাউবা লাইবূং কয়া ঙসিসু লৈরি। মফম খরদদি মহাদেবগী ফিজেৎ শেৎতুনা মশাদা উফুল-ৱাইফুল তৈশিন্দুনা য়া-য়া নোক খেদুনা লাই হরাউবগী থৌরম পাঙথোকলম্বা থেংনরি। লাই হরাউবা মশাগী লৈজরিবা জগোই-ঈশৈতমক তৌহনবগী মহূত্তা খুনজাশিংনা অমাইবা অমাইবীদা ঈনশিন্দুনা মরী লৈনদবা জগোই-ঈশৈশিং তৌহন্নবা হোৎনবসু থেংনরি।

লুখ্রবা ইপা-ইপুগী লাই হরাউবগী থৌরম অসিদা অসুম্না অসুম মানা-মানা তৌনিং-তৌনিংবা মনীং তৌনা পাঙথোক্লরক্লবদি তুংগী মীরোন্দদি চমম্লবা কয়ানা পিক থলহৌগনি। লাই হরাউবগী অশেংবা শক্তম অদু মাঙখিদুনা ঐখোয়গী ইনাৎ অমসুং লাইনীংগী শক্তম মশক শেংনা উরক্তবসু য়াই। শেংলবা ঐখোয়গী লাইথৌ থৌরম মসিগী লীকলম কায়হন্দনা মশক শেংনা থম্বা হায়বসি ঙসিগী মীরোল ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা থৌদাং ওইফম থোকই। মরম অদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী লেঙফদ্রবা থৌরম অসিগীদমক মখাগী ৱারম খরা অসি থবক ওইনা পাঙথোকনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

তঙাইফদনা লাই হরাউবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরিবশি ঃ-

অমাইবা-অমাইবী, পেনা, থীনবা-খোংবা কাঙবু অমদি লাই শেলুংবা পূম্নমক্লা তৌবা য়াবা য়াদবা খরদং থমজবা তারবদি।

১। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবিরিবা লাই হরাউবগী থৌ পুবীরিবশিং (লাই কম্মিটি) না তঙাইফদনা লাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক

৫৫

লৈরিবা সোসিয়েল ডিসিপ্লিন, হরাউবদা শেৎলিবা নাৎকী ফিজোল, শারিবা জগোই, শক্লিবা ঈশৈ অমদি ঐখোয়গী পুন্সিরোলগা শম্নবা (থাদোক্লবা য়াদ্রবা) পূম্নমকসিনা ঐখোয়গী নেসনেল আইডেন্টিটি তাকপদা অমদি ঐখোয়গী পোলিটিকেল অমদি ইকোনোমি শাগৎপদা চাউনা তেংবাং পীদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। ঙসি ঐখোয়গী পুন্সিরোলদা লাই হরাউবা হায়বসি করি ওইরিবগে? পীক্লবা ফুরুপ অসিগী পোলিটিক্স, ইকোনোমিক, অমদি পুন্সিরোলগী লমদা মপুং ওইনা য়োৎশিনখিবদগী হেন্দোক্লুনা মমল য়াম্লবা ঐখোয়গী কলচর, ত্রেডিসন অমদি কষ্টমনচিংবা খুদিংমক্তসু ঙসিদি অকনবা শাফু কয়া পীরক্লি। শাফুশিং অসি থিংহৌদবা তারবদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসি অমুক শেম্বা য়াররোইদবা মমিংতা ঙাইহৌরগদবা ফুরুপ অমা ওইবা তাবনি।

শূনিং নোমনিংবগী, ইশাগী চৎনবী ঙাকপগী, খুন্নাই নুংশিবগী ইশানা ৱায়েঞ্জবা, অচুম-অরান লেপচবগী, ইশাগী ইকোনোমিগী অমদি ইশাগী আইডেন্টিটিগী ওইবা ৱাফমশিং অসি ঐখোয় পূম্নমক্লা লুনা লৌনদ্রি। থৌশা ৱাশানদ্রি। ঙাইহাক্কী ওইবা মীৎয়েং অমদি ৱাখলদা পূম্নমক ইপেন পেন্থোকপগুম লৈনরি। য়াই থারবা শামু লমশাগুম ঙসি ঐখোয় পঙথরিবা অসিনা মীৎকপ থোরকপা তারবদি পোত্থাফম য়ূম, শক তাক্লবা ৱাহৈ, পেন্থোকফম থৌরম লৈরমদ্রবা ফুরুপ অমা ওইনা লৈরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ঙসিদি ঐখোয় শূ-নোম্বদা চীলহাও থিরি, ইশাগী হক তানবদা কিথি কিরুম্নরি, ঐখোয়গী কলচরদা তোৎশিন য়ানশিন্নবদা নাচুংদ্রি, চৎনবী মীপাল তাংদ্রগদি হিংবা ঙমদ্রবা পুন্সি অমদা নোংমা-নোংমগী চিংদুনা পুরক্লি হায়বসি কাউমিন্নরি। ইশাগী হক, ত্রেডিসন, কলচর, সোসিয়েল করেক্তর, সোসিয়েল ইকোনোমি অমদি নেসনেল আইডেন্টিটিদা নোংম-নোংমগী মনতিক্লবগী থৌওং ঐখোয় পূম্নমক্লা চত্থমিন্নরি।

মসিমক্লা মরম ওইদুনা শেংলবা লাই হরাউবগী থৌরমদা চিত্রহার, চিত্রমলা, ফিলম ঈশৈ, বিহু অমদি বাংগ্রা জগোই তৌরকপদা চৎনবী অমগুম ঈকাইনদ্রি। চানদবা ফিজেৎ, ঈশৈ-জগোই লাইমাঙদা শকচিনবা, সাজিনবা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিন্দুনা লাইমাঙদা চঙনরকপা অসিনা ঐখোয়গী চৎনবী, ইনাৎ অমদি সোসিয়েল ডিসিপ্লিনগী ভেল্যুশিংদা শাথিনা অকায়বা পী হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙমিন্নবা তাঙ্কক য়ৌরবনি। ইচম চমজবা মীওই অমদা লাই হরাউবা হায়বসি উমংলাই খুরুম্বগা লোয়ননা পাঙথোকপা কৃষ্মৈ অমনি। হায়রিবা কৃষ্মৈ অসিদা মানা-মানা থোকপা পঙতৌ তৌশিনবদগী হেন্দোক্লুনা ঙাওশিন ফৈজিন্নবা মওং অমগুম চত্থনরক্লি। ওইরক্লিবা মওং অসিদা সুম চৎখিবা তারবদি খুন্নাই অসি ঈরোলনুংদা অসুম অসুম লূপথরক্লি হায়বা লাল্লোই। মসিদি চহীচা অসিদা

৮। করিগুম্বা লাই কম্মিটি অমা শেম্বা মতমদা মীয়াম্না য়াবা মীওইশিং অমদি খুনদুবু পুবা ঙমগদবা মীওইশিং তঙায়ফদনা শরুক য়াহনবীগদবনি। কম্মিটিগী মীওইশিং অসি ঐখোয়গী খুন্নাইগী থৌ পুবা অমা ওইনা থোরকপা ঙম্বীগদবনি। খুন অদুবু মহূৎ শিনবা য়াবা অপূনবগী শক্তম অমা লৈনবা লৈকাই-লৈকাই খুদিংগী শাগে খুদিংগী মীহুৎ য়ারিবমখৈ য়াওহনবীগদবনি।

৯। লাই হরাউরিঙৈ মনুংদা লাইবূংদা কা হেনবা জগোই ঈশৈ, হরাউবগা মরী লৈনদবা অমত্তা তৌবীগনু। ঙাওশিন্নরগা শেন তানবা, তাম্বুল নুরাবীনা মতম ঈশৈ, ফিল্ম ঈশৈনচিংবা শকচিনবনচিংবশিং অসি খ্বাইদগী অশোয়বশিংনি খনবীদুনা তৌবীরোইদবনি। করিগুম্বা তৌদবা য়ারোই হায়বা লৈবা য়াওরবদি উকলগী থৌমীশিংদা খুদক্তা পীবিনবা হোৎনবীয়ু।

১০। লাই হরাউবা মতমদা য়াম্না হৌবা মাইক্কী খোঞ্জেল থাদোক্নুনা নীল-খোংবা য়াম্না হেনগৎহললোইদবনি। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিং অমদি অনা-অয়েকশিংদা অপনবা পীবীরোইদবনি। তঙাইফদ্রবা মতমদতা অহৌবা মাইক হোরোল শীজিন্নবীগদবনি। অয়াম্বা মতমদা লাইবূং অদুদং তাগদবা সাউন্দ সিস্টেম শীজিন্নবীয়ু।

১১। কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা মহৈ-মশিংগী লমদা নত্রগা শান্ন-খোৎনবদা নত্রগা করিগুম্বা হীরম অমদা মীথোই মীহেনবা য়াওরক্লবদি খুন্দুগী নত্রগা লৈকাইদুগী লাই হরাউরিঙৈদা নুমিৎ অমা লেপ্পরগা মনা মথুম পীদুনা ঈকাইখুম্নবগী থৌরম শীনবীয়ু মাগীদমক পূম্নমক্না থৌজাল নিমিন্নবীয়ু।

১২। লাই থৌগল লূপশিংনা উমং লাইগী মরী লৈনবা পুৱারী ওইবা য়াবা দোকুমেন্টশিং রেকোর্ড তৌদুনা লাইবূংদা থম্বীনবা হোৎনবীয়ু।

১৩। অমাইবীশিংনা অমাইবী অমগী চপ চাবা ফিজেৎ-লৈতেং অদুতমক মতম চূপ্পগী ওইনা শীজিন্নদুনা অমাইবীগী ঈকাইখুম্নবা অদু ঙাকনবা হোৎনগদবনি। অমদি লাই হরাউবূংদা লাই হরাউবগী জগোই মখলশিংতমক শাবীগদবনি। লাই হরাউবগী ঈশৈতমক শকপিগদবনি।

১৪। অমাইবশিংনা জগোই-ঈশৈ য়াওবা য়াবা য়াদবা মুন্না খঙবীরগা থৌ পাঙবীগদবনি।

১৫। পেনা শকপশিংনা মশা-মশানা তৌফম থোকপশিং অদুতমক তৌবীয়ু।

১৬। লাই হরাউবা হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা অমাইবা অমাইবী পেনা অমদি লাই কম্মিটি পূন্না ফমমিন্নদুনা তৌগদবা তৌরোইদবশিং মমূৎ তানা খন্না নৈনহৌগদবনি অমসুং লম-লমগী ওইবা খেৎনবশিং অদু য়াবা-য়াদবা খঙমিন্নহৌগদবনি।

অমদি খুন্নাইসিদা লাই হরাউবনা পীরিবা ভেল্যুশিং ময়েক শেংনা খঙমীন্নবা হোৎনবীয়ু।

২। পরম-লীক্লম চুম্না লাই হরাউবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক্তা হরাউবগী মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরিবা লাই কন্মিটিনা শীনবীদুনা হরাউবা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খুন্দুগী-মফমদুগী লনাই লূপশিং (লোকেল ক্লব, মৈরা পাইবী) গা ফন্মিন্নদুনা ৱারেপ লৌমিন্নহৌনবা তঙাইফদনা হোৎনবীয়ু।

৩। লাই হরাউবগা মরী লৈনদবা থৌরমশিং হায়বদি লাই হরাউবগী নত্তবা জগোই-ঈশৈ, চিত্রহার, চিত্রমালা, ফিল্ম ঈশৈ, মতমগী ঈশৈনচিংবা থৌরমশিং লাই হরাউফমদা তৌহন্দনবা হোৎনবীদুনা ঐখোয়গী কলচর, ত্রেডিসন অমদি কষ্টম্নচিংবশিংদা মরিং মরাং উহনবীরোইদবনি।

৪। লাই হরাউফমদা মরী লৈনবা অমত্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবীরোইদবনি অমদি লাই হরাউফমদা লৈরিবা ঐখোয়গী সোসিয়েল ডিসিপ্লিন অসি মাঙদনবা চেকশিন্না হোৎনবীয়ু।

৫। লাই হরাউবদা থীল্লি খোংলিবা ওর্কেষ্ট্রা (বেন্দ পার্টি) শিংনা খোংনিংবা ঈশৈ, থীননিংবা থীনবা তৌবীরোইদবনি। লাই হরাউবগা মরী লৈনবা ঈশৈ অমদি পূংলোন থীনবী খোংবীদুনা মমল য়াম্লবা লাই হরাউবগী নাৎকী থৌরমশিং য়োকখৎপিগদবনি অমদি কলচরেল ভেল্যুশিং ঙাক শেন্দুনা থম্লবা হোৎনবীয়ু। য়ারিবমখৈ হরাউবগী ওইনা লৈজরিবা হরাউবূংশিং অমদি নাৎকী ওইবা ম্যুজিকশিংনা মহূৎ শিন্নবা হোৎনবীয়ু। তঙাইফদনা ধোল, সাইত্রম অমদি ক্লারিওনেতখক্তমক শীজিন্নবীয়ু।

৬। লাই হরাউবগী মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরিবশিং অমাইবা-অমাইবী, শেলুংবা অমদি পেনানচিংবশিংনা ঐখোয়গী চৎনবী ওইনা লৈরক্লবা চৎনবীশিং নীংথিনা ঙাক্তুনা লৈবাক নিংথৌগী অয়াবা য়াওনা শাগৈ-সলাইগী ফিজেৎ শেৎপীদুনা ত্রেডিসনেল অমদি কষ্টমরি ভেল্যুশিং ঙাকপীনবা হোৎনবীয়ু।

৭। লাই হরাউবগী মতম অসি য়ারিবমখৈ তেনশিন্না হরাউনবা হোৎনবীয়ু। নুমিৎ মশীং য়াম্না শাংনা অমদি নুমিদাং থেংলবফাওবা লাই হরাউবগী থৌরম তৌবীরোইদবনি অমদি ঐখোয়গী শেল থুমগী ফিভম হেন্না শোকমিনহল্লোইদবনি। য়ারিবমখৈ খুন্নাইগী ওইবা শেনমিৎলোনগী ফিভম অমদি সোসিয়েল ক্রাইমগী ফিভমশিং নৈনবীরগা পাঙথোকপীয়ু।

কংলৈপাক্কী ফমদৌ ৬৪ গী মমিংশিং

কংলৈপাক অসিগী শাংলবা চহী ২০০০ গী পুৰারী নৈনদুনা য়েংলুবদা ইপা- ইপুশিংনা করিসু ৱাৎতনবা থন্বীরম্মী। মতম মতমদুগী নিংথৌশিংনা খুন্নাইসিগী ৱাখল্লোনগা চানগদবা থৌওংশিং য়েংলগা লৈঙাকলম্মী। লৈঙাকপদা খুদোং চানবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা ফমদৌ কয়া হাপ্পুনা মতীক- মথৌনা লৈবা লৈবাক অমা ওইনবা মাগী মাগী মথৌ তৌহল্লম্মী। ফমদৌশিং অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা ইৰৈবাক্কীদমক থৌ পুবিরম্মী। ফমদৌশিং অদুদি ঃ

লোইয়ুম্বা

১। পুখ্রম্বা
২। নোংথোম্বা
৩। খ্বাইরাকপা
৪। য়াইস্কুল লাকপা
৫। হিয়াংলোয় হঞ্জবা
৬। চোঙখানবা হঞ্জবা
৭। ইমাঙলোয় হঞ্জবা
৮। ইমিংলোয় হঞ্জবা
৯। ফমথকচা
১০। খুরায়লাকপা
১১। অঙোম নিংথৌ
১২। লাল্লুপচিংবা
১৩। মাইবা হনবা
১৪। মাইচৌ
১৫। লাইফম লাকপা
১৬। অহল্লুপ লাকপা
১৭। শঙলেন লাকপা
১৮। থাঙশুহনবা
১৯। তেনশুহনবা
২০। লমলৈরাকপা
২১। য়েন্দ্রেন হনবা
২২। য়োইরেল হনবা

১৭। লাই-কম্মিটিশিংনা অমাইবা-অমাইবী পেনা নেকপিবা মতমদা মশা-মশাগী অয়াবা অইবা ওইনা লৌবীবগী মথক্তা, সনা কোনুংগী অয়াবা য়াওনা নেকপিগদবনি।

১৮। অমাইবা অমাইবী পেনা নেকপিবা মতমদা মশক খঙলবা (চপ-চানা মহৈ হৈরবা) অমদি সনা কোনুংনা পীবা শকখঙচে পায়রবা অমসুং তৌবা য়াবা য়াদবগী মতাংদা খঙবগী উকলনা পীবা শকক্তাকচে পায়রবশিংতমক নেকপিয়ু।

১৯। অমাইবা অমাইবী পেনাশিংগী পীফম থোকপা হরাউশেল মতম চানা অমসুং মশীং শুনা পীথোকপিয়ু।

২০। লাই হরাউবগী হায়না শীংনখ্রবা অমাইবা অমাইবী, পেনাশিংনা হায়নরুরিবা লাইবূং অদুদা মতম চানা ঈকৌবা নংনবা য়ৌবীগদবনি।

২১। অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমত্তনা নোংমফাও লাই লোন্ননা লৌবীরোইদবনি। লাইবুং অমদা লৈন-লৈনা অতোপ্পা লাইবূংদা চৎলগা লাই থৌরম য়ারিবমখে তৌবীরোইদবনি।

২২। অমাইবা অমাইবী, পেনাশিং ইশা-ইশাগী লৌফম থোকপা থৌদাংশিং মতম চানা লাইবূংদা পাঙবীগদবনি অমদি শঙ মনুংদা নিংঙাই শংদাইনবা খক তৌবীরোইদবনি।

২২। লাইথৌ তৌবীরিবা অমাইবা অমাইবী পেনা শকপশিংনা লাই হরাউরিঙৈ মনুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমত্তা শীজিন্নবিরোইদবনি।

২৩। লাইথৌ তৌবিগদবা অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা অশৈবশিংনা লাইবূংদা চঙখিবদগীদি লাইবূংগী মপানদা থোক্তুনা হোটেল অমদি দুকানশিংদা চাবা-থকপা তৌরোইদবনি। তঙাইফদনা অৱাৎ অপা খুদিংমক লাই কম্মিতিদা হায়গদবনি।

২৪। তাম্বুল শাবা, অমদি নুরাবী শাবীশিংনা লাইরোলদগী হেনদোক্তুনা, মীগী নুঙাইনবনি হায়দুনা পঙহাপতা হাপচিন্দুনা ইমুং-মনুং ফমমিন্নবা য়াদবশিংদু তৌরোইদবনি।

খঙমিন্নবদা কান্নবা খরদং

১। য়েক লৌনবা মীওইশিংনা লাই হরাউবদা লাই পুবা, পায়বা য়াদে মরমদি মুংনৈ। য়েক থোকপা হায়বসি ঈ মশেলগী মরী ওইবনা লাইগী কয়াৎতা অকায়বা লৈ।

২। লাই শেলুংবা হায়বসি কনাবুনো ? লাই শেলুংবা হায়বসিগা লাই পান্নবা হায়বসিগা করি খেৎনবগে?

লাই শেলুংবা হায়বা অসি লাইদুগী হেক মথংদা লৈবা মীওই অদুবুনি। শেলুংবগী শঙগোইদা লাই থমগনি, লোয়শঙদা লাই হরাউবগী পাউ তাকপা চৎকনি। ক্বা ৩ নত্রগা লৈ ৩ না পাউ তাক্কনি। লাই পান্নবা মী হায়বসিদি নোংমগী ওইবা হরাউবগী থৌরমশিংবু শীল- লাঙলিবা মীওই অদুবু লাই পান্নবা কৌই, লাইপুনি।

৩। তোংকাপ ফনেক্কা, কনাপ ফনেক্কা করি খেৎনবগে?

ফনেক অনী অসি খেৎনবা খরা লৈ। মপান লোন্দবা, ঈশাইফুদা (লৈমরেল) য়েৎলিবা অসিগুম্বা অসিবু তোংকাপ ফনেক কৌই অদুগা পান্থোইবী ইমানা ইহান হান্না শাখিবা, খ্বাইদগী হেন্না ফজখিবা ফনেক অদুবু কনাপ ফনেক কৌই।

৪। উমংলাই হরাউবসি নুমিৎ লৈরিঙৈদা লোইশিনগদবনি হায়না ইপা- ইপুশিংনা চেৎনা তাকপিরম্মী অদুবু হৌজিক্তি থেঙলবা ফাওবা হরাউনরিবা অসি তৌহৈবরা, তৌহৈদ্রগদি কয়াম থেঙনা লাই লোইশিনগনি?

২৩। অশৈবা হনবা
২৪। লৈচোল হনবা
২৫। তোল্লোং লাকপা
২৬। লাইরেল লাকপা
২৭। অচ্রনবা
২৮। শগোল হঞ্জবা
২৯। খূৎহৈবা হঞ্জবা
৩০। অমেৎপা হঞ্জবা
৩১। দোলাইরোই হঞ্জবা
৩২। উশাবা খুল্লাকপা
৩৩। ৱাংখৈরাকপা
৩৪। খাবম লাকপা
৩৫। নহারুপ লাকপা
৩৬। চাক্কম নিংথৌ
৩৭। চূংশূ হনবা
৩৮। ঈরাৎ লাংবা-ঈরাং লাকপা
৩৯। ফমথকচা
৪০। শিন্নাইবা হনবা
৪১। ওক্রন হনবা
৪২। কোনশা হনবা
৪৩। উমু খুল্লাকপা
৪৪। হুইত্রোন হনবা
৪৫। কৈক্রন হনবা
৪৬। নাকপ লাকপা
৪৭। শামু হঞ্জবা
৪৮। হিশাবা হঞ্জবা
৪৯। নাইফারাকপা
৫০। নাইখুরাকপা
৫১। অয়েকপা হঞ্জবা
৫২। মোইফেংবা হঞ্জবা
৫৩। অহৈবা হঞ্জবা
৫৪। ফিশাবা হঞ্জবা
৫৫। উনুংতা খুল্লাকপা
৫৬। ফুরিৎশাবা খুল্লাকপা
৫৭। খুন্দোংহনবা
৫৮। থাঙজহনবা
৫৯। হূইরোয় হঞ্জবা
৬০। দোলাইপাবা
৬১। পাচাহনবা
৬২। কৈরুংহনবা
৬৩। ফৌরুংহনবা
৬৪। উরুংবা হনবা

নিংথৌ পোংবা তরা নত্রগা খুনফাংথৌ মাপল

১। পুখ্রম্বা
২। নোংথোনবা
৩। লাইফমলাকপা
৪। খাবম লাকপা
৫। অহল্লুপ লাকপা
৬। নহারূপ লাকপা
৭। খুরায় লাকপা
৮। ৱাংখৈ লাকপা
৯। খ্বাই লাকপা

লৈনুং লোনজা পাখংবদা নত্তনা উমং লাই পূন্নমক হরাউবদা হোরী হে নারায়ো, রাম কৃষ্ণ নারায়ন হায়না লাউবা য়াদে। অদুবু থিনুংগৈদা লৈরিবা রামজি প্রভু খক্তং হরাউবদদি লাউবা য়াই।

১০। লাই হরাউবদা খাগী লৈহাউ, তখেল্লে, কবোকলৈ কৎপা য়াবরা? লৈশিং অসি মীরৈবাক্কী লৈ নত্তবরা? কৎপদদি অকায়বা অমত্তা লৈতে, তৌবদবু কৎনদে।

১১। চোঙখোঙ মরি হায়বদি থব্রা, চেংঙা, যুচেং, যুহা হায়বসিগী মাগী- মাগী মায়কৈদা করি করি তৌগদগে?

মাইবীনা পায়রিবদু লাইনিংথৌনি অমনা লাইরেম্মনি। মাইবী অহলনা থাংজিং অদুগা মথং মাইবীনা লাইরেম্মা পায়গনি অমসুং মরক্তা ঈশৈ লাইরোল অমা শক্কনি।

১২। লাইয়িংথৌ খোরীফাবনা মৈরী উবা য়াদ্রিবা অমদি কুন্দো কৎপা য়াদ্রিবা অসি করিগীনো তাকপিয়ু।

লাইয়িংথৌ খোরীফাবনা মৈরী উবা য়াদে হায়বা নত্তে মৈ চঙবা পোৎ কৎপা য়াদে হায়বনি। অদুগা মী লুহোংবগী লৈ কুন্দো অসি খোরীফাবদা নত্তনা লাই পূন্নমক্তা কৎপা য়াদে। খোরীফাবদা শরেংসু কৎপা য়াদে।

১৩। লৈনুং লোনজা পাখংবা হায়রিবা লাই অসি হরাউবা য়াবরা, য়াদবরা?

পি-পা অনী লৈমিন্নবা লাইশিংদি হরাউবা য়াই। লৈনুং লোনজা পাখংবসু ইবেম্মা লৈ হরাউবা য়াই।

১৪। লাই লম থোকপদা পুনিংবা মীনা হেক্তা দোলাই পুবা য়াবরা?

অরাপতিদা লৈরিবা পুরৈরোম্বদি য়াদে, দোলাই পুগদৌরিবশিংদু লাইনা কৌই। অদুগা অতৈগীসু পুনিংবা মীনা হেক্তা পুবা য়াদে য়েক- লৌনদবা মীওইশিং অমসুং মচাশিং, শোইনাইদবা মীওইশিং অমদি তুমল লৌদবশিংনা লাই পুগদবনি হায়বগী চৎনবী লৈরম্মী। মথক্তা পল্লিবশিং অসিদগী হেনবা পুবা য়াদবা অতৈসু লৈরম্বা য়ারি।

১৫। কনাগুম্বা য়ূম অমগী থোঙগাল অসি উমংলাইগী লাইবূং নত্রগা শুমাঙ ফাওদুনা চৎলবদি য়ূমদুদা থোকপা অশি- অনা লুহোং- খোঙদোংবনচিংবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা লাইবূংদু ফাওদুনা চৎথোক- চৎশিন তৌবদা অকায়বা নত্রগা তিনবানবনচিংবা লৈগদ্রা?

লাইগী শঙলেন্দুমক ফাওদুনা চৎপা থোকলবদি চৎত্রিবৈগী মাঙওইননা হৈ-লৈ অমত্তং কৎলগা হায়জগনি অদুগা চৎপা মতমদা ফি অমনা লাইমাঙদা

তৌহৈদে য়াম্লা ফত্তে, মমদ্রিঙৈদা লাই লোইশিনগদবনি মরমদি লাই হরাউবা হায়বসি অচঙবগী থবক তৌবনি অদুগা অমম্বা হায়বসি অশিবনি, অচঙবগী থবকপু অশিবা মতমদা তৌরবদি অফবা ওইদে অমদি নুমিৎ থা খুরুমলগা লাই হরাউরিবনি।

৫। লাই হরাউবদা ফমখোঙদা হৈরিবা চেঙশিং অসি কনা- কনানা ফংগদগে?

লাইনিংথৌগী ফমখোঙ মরীগী য়েৎতা থাবসি মাইবগী অমা পেনাগী অমা ফংগনি অদুগা ওয়দা থাবসিনা মাইবী অনীনা ফংগনি, চনীংনা শেলুংবনা, শাগৈগী ওইরগনা শাগৈ পিবানা ফংগনি। লাইবূংথৌ ৯ গী য়েৎতা থাবসিনা লাইপান্নবগীনি অদুগা লাইনুরাগীনা কৈরুংবনা ফংগনি অদুগা অপোকপগী য়েৎতা থাবনে, লূকমাঙদা থাবনে, ঈশাইফুগীনে অসি খুন্না পূন্না ফংগনি।

৬। চাইরেলগী পান্থোইবী হরাউবদা তাংখুল শাবদু মখোঙ তেকপা ওইনা শাই, অতৈদদি তেকতে করিগীনো? চাইরেলদা লুহোংবদা লুহোংফাল ফম্বা, দোলাই তোংবা য়াদে, জগোই শাবদসু কজেংলৈ হাপপা য়াদে করিগীনো?

নোংপোকনা ইবেম্মা পান্থোইবী তান্নবা ফংদ্রবদা খোঙ তেকশিন্নদুনা লৌনম তৌরগা ইবেম্মবু চাম্মরক লৌবগী মতৌদুনি। চাইরেল লাকপা অসি লোকনিংথৌনি, ফম্বাল তোংবা লাইনি, লাইনা ফম্বাল তোংবা মফমদা মীনা ফম্বাল তোংবা পুন্সিদে।

৭। অয়ুক ঈকৌখৎলগা নুংথিল লাই হরাউবা য়াব্রা? লাই পুবা অসি মশীং য়াম্লা পুবা য়াব্রা?

মসিদি শুকয়া য়াদে, য়াম্লা ফত্তে, থা শুদনা অঙাং পোকপগা চপ মান্নে অদুনা খুন্দুদা লৈবা অয়াম্বা থা শুদনা অঙাং পোক্কনি। অদুগা লাই পুবদা মীওই ১২ না পুগনি, মীওই ১২ অসিনা অরেপ্পনি, হায়রিবা ১২ অসি তুরৌ চারৌ ফজবা ওইগনি। লাংমৈদোংদদি হায়রিবা চৎনবী অসি চেকশিন্না ঙাক্তুনা থমলি।

৮। খুল অমগী লাইদু হরাউবা নত্রগা কুম চন্দ্রিঙৈদা খুল অদুদা লৈবা লাই অতৈ হরাউবা নত্রগা কুম চনবা য়াবরা?

মসি য়াদে অদুবু খুলগী লাইদুনা কুম অমগী চনৌ কৎথ্রবদি অকায়বা লৈতে।

৯। লৈনুং লোনজা পাখংবা হরাউবদা হোরী হে নারায়ো, রাম কৃষ্ণ নারায়ন হায়না লাউবসি য়াবরা, য়াদবরা?

২২। নুমীদাংদা লাই ঈকৌবা য়াবরা, য়াদবরা? মরম তাকপিয়ু।

নুমীদাং হায়বসি অমম্বনি, অমম্বা হায়বসি অশিবনি, তৌগদৌরিবা লাই ঈকৌবদি অচঙবগী থবকনি। অচঙবগী থবকপু অশিবদা তৌবা শুকয়া য়াদে। অদুনা নুমিদাং ঈকৌবদি য়াম্না তৌহৈদে, য়াদে।

২৩। উমংলাই হরাউবদা লাই খুরুম্বা লাকপশিংদা লাইবক্তা অঙাঙবা মচু (শিন্দুর) নম্বসি য়াবরা?

মসি মতম-মতমগী ৱানি অদুবু শিন্দুর নম্বসি য়াদে। চৎনদে মালেম লৈশা ওইনা নমগদবনি।

২৪। উমংলাই হরাউরিঙৈদা খুন্দুদা মী অমা শিবা তারবদি করম তৌবা তাবগে ?

করিগুম্বা লাই হরউরিঙৈদা খুন্দুদা মী অমা শিবা তারবদি লাইশঙদু থোঙ লোনগনি অদুগা মপান্দা লং তিংলগা তাইরেল মনা খরা থেৎকনি। অশিবদু মশা তুম্লগা লংদু লৌথোক্কনি, মাইবনা অনম-অথৌ কোকলগা থোঙ হাংগনি অমদি অমুক হরাউগনি। শাগৈ লাই ওইরবদি হরাউবা য়াদে, য়ূম শেংদ্রিফাওবা

২৫। লাই পোৎ লান্নবা হায়বা থৌরম অসি করিনো? অদুগা লুহোংবদা হৈক্রু-হৈনিং য়াওরিবা অসিনা করি তাকপগে?

লাইফম অমগা হৌরক ৱারীদা মান্নরবদি চৎনবী অমা ওইনা হরাউবদা পোৎ লান্নে। মসিবু লাই পোৎ লান্নবা কৌই। অদুগা হৈক্রুনা কুবীয়ে, হৈনিংনা নীংননবনি। অমনা অমবু নিংননবা অমদি লাইনিংথৌনা কুবীদুনা কায়দনবা হৈক্রু, হৈনিং হাপলিবনি।

২৬। লাই হরাউবা মতমদা নূংথেললৈমা ইমাগী য়েৎতা ফমগদবা নুপা অসি লোয়ালাকপরা নত্রগা খুমন পোকপরা শেংনা তাকপীরকউ।

নূংথেললৈমগী য়েৎতা লোয়ালাকপা ফমগনি, লোয়ালাকপগী য়েৎতা খুমন পোকপা ফমগনি।

২৭। বামোন্না লাই হরাউবদা লাই পুবা য়াবরা?

ইপা-ইপু হাক্ততগী চৎনরক্তে তৌহৈদে হায়দুনা, অদুনা পাথাঙ-পুথাঙগী চৎনবী কায়হন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি।

২৮। লৈনুং থরো অশৈবা হায়রিবা লাই অসিগী মরমদা খরদং তাকপীরকউ। শৈথাবদা করম্না শৈথাগদগে?

লৈনুং থরো অশৈবা হায়বসি পেনা খোংবগী পুকোকনি। শৈথাবা মতমদদি হৈ- হায়া-হেনা শৈথাগনি।

হায়বদি চৎলিবদুগা লাইগগী মরক্তা খনগনি অদুগা চৎকনি।

১৬। লাই হরাউবগী য়াবা য়াদবশিং অসি করম্না লৈরম্বনো, পুয়াদা ইদুনা থমলম্বা লৈবরা?

ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী হৌরক ৱারী, লৈশেম ৱারী পূম্নমক্কা লোয়ননা পুন্সিরোলগী মশক শুনা য়াওরবা লাই হরাউবগী থৌরমশিং অসিগী য়াবা য়াদবা চৎনবী কয়া অসি অরিবা পুয়াশিংদা ইরম্বদা নত্তনা পাথাঙ-পুথাঙগী চৎনরকপা কয়া অমসুনি।

১৭। পাখংবগী লাই হরাউবদা থম্বাল কৎপা য়াবরা?

ইবুধৌ পাখংবা হরাওবদা থম্বাল, থম্বৌ, থমচেৎ কৎপা সুকয়া য়াদে। থম্বাল অসি পাখংবা মশানি, মশাবু মশাদা কৎপা তৌহৈদে।

১৮। য়েকতা য়ূম্ পানবী অমাইবী অমনা লাই হরাউবা য়াওবা য়াবরা?

য়েকতা য়ূম পানবী অমাইবী অমনা লাই হরাউবা য়াওদুনা জগোই শাবা ঈশৈ শকপনচিংবা য়াওরবদি য়াই অদুগা লাই পায়বা, লাইমাঙ ফম্বা, লাই কৎপনচিংবদি শুকয়া য়াদে, তৌহৈদে।

১৯। উমংলাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাংঙুলোন অসি করিনো?

তাইবংপাল অসিনা ওইগদবা মওং-মতৌ পূম্নমক অসি অশীবনা হায়বদি লাইয়িংথৌ সনামহীনা অতিংকোক মরু শিদবগী পিবূকনুংদগী চিংথোরকপগী মওং মতৌশিং অসি লৌরগা লাই হরাউবা হৌখিবগী মওং মতৌশিং অসিনা লাই হরাউবগী ওইবা ৱাংঙুলোননি। লাই হরাউবা হায়বসি তাইবঙ পূম্নমক্কী মরম্বু ফোঙদোকপনি।

২০। লাই হরাউবগী মতম অসি করম করম্বা থা ওইগদগে? চহী চূপপা হরাউবা য়াব্রা?

ইঙেন, থৱাল, লাংবল হায়রিবা থাশিং অসি লাই হরাউবা য়াদে। অদুবু ৱাহেংবম লৈকাইগী য়ূমজাউ লাইরেম্বীদি লাংবন্দা হরাউই।

২১। লাই পূম্নমক্তা শংব্রৈ, কুন্দো, অপরাজিতা হায়রিবা লৈ অহুম অসি কৎপা য়াদে হায়রিবসি করিগীনো?

শংব্রৈ অসি গুরুবু কূপপা নাপীনি, কুন্দোনা মী লুহোংবগী লৈনি অদুগা অপরাজিত্তনা গৌরচন্দ্রা মহা প্রভুগী লৈনি অদুনা লৈ অহুম অসি লাইদা কৎনদে। অদুবু অৱাং কোইরেংগৈদা লৈরিবা লাই অসিতংদি হরাউবদা শংব্রৈ অসি কৎতবা শুকয়া য়াদে। অসিগুম্বা খরসু লৈতবদি নত্তে।

5৮

৩৪। লাইফম খুদিংদা লৈরিবা লাইগী ফমদৌশিং হঞ্জবা হিদং অমসুং লাই শেল্লুংবগী মথৌ অসি করিনো? লাই হরাউবদা করি- করি ফমদৌ লৈগদগে?

হিদং হায়বসি চকপা শিংগীনি, অদুগা লাই হরাউবদা লৈগদবা ফমদৌশিংদি লাই শেল্লুংবা, লৈরোই হঞ্জবা, লারোই হঞ্জবা, শীংলোই হঞ্জবা হায়রিবশিং অসি লৈগনি। অদুবু হরাউবা খেৎনবগী মতুংইন্না ফমদৌশিং অসি হেনগৎপসু লৈ। শেল্লুংবগী মথৌদি লাই পান্নবনি।

৩৫। উমংলাই হরাউবগী নোংমগী ওইবা থৌরমশিং অসি মথং মনাও নাইনা তাকপীয়ু।

হরাউবা পূন্নমক্কী চপ মান্নদ্রগসু অয়াম্বনা মান্নরিবা নোংমগী ওইবা থৌরমশিংদি পেনা য়াকৈদুনা লাই হৌদোক্কনি, মাইবীনা লাইমাঙ ফমদুনা লাইপাউ চেনগনি, লৈ লাংগনি, মাইবনা হোই লাউগনি, মাইবীনা লাইবৌলা থাগনি, মাইবীনা লাইচিং জগোই শাগনি, (ময়ামদু পুরগা মাইবীনা মকোক চিংদুনা অহুমলক কোয়গনি), পেনানা হোইরৌ হয়া লাউরগা অনোইরোল শক্কনি, মাইবীনা হকচাং শাবগী জগোই, য়ুমশারোল জগোই, ফিশা জগোই, লোংখোল জগোই, তুথূপ জগোই, পাউশা জগোই শাগনি। মাইবনা লাইরেল মথেক চৎকনি, লাই ওকশল্লগা ৱাকোল লাউগনি, পেনানা লাই নাউশুমগনি অমদি মাইবীনা লাই ফি কূপকনি। থৌরমশিং অসি নোংমগী ওইবা লাই হরাউবগী থৌরমশিংনি।

৩৬। লাই হরাউবগী থৌরম অসি কূম্মৈ অমা ওইনা লৌগদ্রা নত্রগা লাইথৌ অমা ওইনা লৌগদ্রা?

লাই হরাউবগী থৌরম অসি অশেংবদি লাইথৌনি, লাইথৌদুগী অহাঙবা য়েংলগা মচা মনাই ওইবশিংনা কূম্মৈ খরদং হাপচিনবনি।

৩৭। উমংলাই হরাউবা অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা সনা কোনুংগী অয়াবগা লোয়ননা হরাউনরকই। হায়রিবা পাথঙ- পুথাঙগী চৎনবী পরম অসি থুগাইরকপশিং- থুগাইনবা হোৎনরিবশিংদা করি করম তৌরগা তৌহল্লোইদগে?

ইশাগী চৎনবী ইশানা ঙাকচগদবনি, চৎনবী থুগাইরকপশিং তৌবীদনবা হায়জগনি, য়াদ্রগনা থৌরম য়াওহনলোইদবনি। মীয়াম্না মুন্না খঙমিন্নবনা অথোইবনি।

হৌজিক হৌজিক তোঙান- তোঙানবা লাইশিংনা শেৎনরিবা ফিজোলশিং অসি মতম অদুদা লাইয়াম্না হরাউবদা শেৎখিবা ফিজোলশিংদুনি। লাইশিংদি খুন্থোকপদা মাগী মাগী ফিজেৎ লোয়নরকই।

২৯। লাইচৎ-লাইহুই হায়বসি করিনো ?

লাইদগী থংথরকলগা লাইগা মীগা শম্নরকপা অদুগা মী ওইরকপা হায়বদি লাই পূম্নমক্তগী থংথরকপা অসি লাইহুইনি।

৩০। থুমলৈমা হায়বসি থুমখোং খুদিংমক্তা লৈবা লাইরেম্বী ওইবরা? ইমা অসিগী লাইরেম্বদু কনানো?

লাইরেম্বী অসি থুমখোং খুদিংমক্তা লৈ অদুগা থুমখোং নিংথৌনা থুমলৈমগী লাইরেম্বনি। মসি মফম খরদা লৈ।

৩১। লাইগা মীগা শম্নরিঙৈদা উমংলাইশিং হরাউখিবা লৈবরা? উমংলাইগী ৱাহন্থোক করিনো?

নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবী অনীনা নোংমাইজিং চীংদোলদা হরাউখিবা অনীশুবা লাই হরাউবা অসিনা লাইগা-মীগা শম্নরিঙৈদা হরাউখিবনি। উরম্বদগী উখিদ্রবা উরম লাই হায়বসিনা উমং লাইগী ৱাহন্থোকনি। মসিবু লাই হোৎই লাউবা, উরমলাই অমসুং উমংলাই কৌগনি। উমংগুম্লবা হকচাং পোলাং মনুংদা থৱায়না লৈরিবা অসিগী মওংবুসু উমংলাই হায়না লৌনবা কয়াসু য়াওই।

৩২। উমংলাই ৯ গী মনুংদা য়াওরিবা কৌব্রু হায়রিবসি চীংগী মমিংলা নত্রগা লাইগী মমিংলা? লাইগী মমিং ওইরগনা চীংসিগা করম্না মরী লৈনরিবনো?

লাইবুংথৌ ৯ গী মনুংদা য়াওরিবা লাইনিংথৌ কৌব্রু হায়বসি চীংগী মমিংনি। লাইবুংথৌ অসিগী মমিংদি কৌরেংঙেং হায়না কৌই, অৱাং মায়কৈ কোল্লি, কৌব্রু চীংদা লৈ হায়বগীদমক লাইনিংথৌ অসিবু অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা হায়না খঙনৈ। লাইনিংথৌ অসুপ্পনা অৱাং মায়কৈ ঙাক্তুনা কৌব্রু চীংদা লৈবনি। মসিনি কৌব্রুগা চিংগা লৈনরিবা মরী।

৩৩। করম-করম্বা খুলদা সনামহী হরাউবগে? ৱাঙ্গোইগী সনামহী খুভম অসিদা হরাউরিবা অসি য়াদে হায়নবা লৈ, অশেংবা মরম তাকপিয়ু।

মফম অতৈদা সনামহী হরাউদে। সনামহীদি তাইবঙপাল শেম্বা য়ূমগী নিংথৌ ওইদুনা লৈবা লাইনি, মপান্দা পুথোক্তুনা হরাউখ্রবদি লমলাই ওইখ্রগনি অদুগা য়ূম অদুনা থৱায় য়াওদ্রবা য়ূম ওইহৌগনি ফত্তে। কংলাদা লৈরিবা ইবুধৌ পাখংবা অসি হরাউবা য়াদে, খুভমনি লেঙবা য়াদে। ৱাঙ্গোইদা লৈরিবা সনামহী খুভম অসিদা হরাউরিবা অসিসু হরাউবা তারবদি ঔগ্রী হংগেল চোংবা শকপা অমদি লাইরেল মথেক চৎপা য়াদে, তৌহৈদে।

৪৩। মতৌ করম্না কোনুং লোয়শঙদা লাই হরাউবগীদমক্তা চে থাগনি? থাপাল অমদি লাইচা কোনুংদা লাক্লগা য়েংগদ্রা, করম্না হরাউবগী মতম লেপকদগে?

কোনুংদা লৈরিবা অখঙ অহৈশিংগা হরাউবা হৌবগী মতম লেপ্পা অমদি অসৃপ্পা মপুদা লাই হরাউগনি হায়বা খঙহনবা হায়বসি অচুম্বনি। হরাউবগী পাউ পীবদা লৈ অহুম নত্রগা ক্বা অহুমগা লোয়ননা পাউদু তাক্কনি। পাউদি শেল্লুংবনা পীগনি।

৪৪। লমদমসিদা লৈরিবা উমংলাইশিং হরাউবদা থোকলিবা ঐখোয়গী চৎনবীবু মাঙখিনবগী মশক ওইরবা থৌরম কয়ামুক তৌরক্লিবা অসি থিংনবা করম্না হোৎনগদগে?

ঐখোয়গী নাৎ, লাইনীং, চৎনবী পূম্নমক্তা য়ানশিন্নবা হোৎনরিবা পূম্নমক পূন্না থেংনমিন্নবা তাই, তৌহন্দবা তাই। মসিগী মতাংদা লাই হরাউফমশিংদা তৌবীগদবা- তৌবীরোইদবা ৱাফমশিং হাপচরি।

৪৫। অপূনবা খুঞ্জাগী ওইনা শেকপিন মথোল ৯ কৎপা য়াব্রা?

য়াদে, ৩ দগী হৌরগা ৭ ফাওবা কৎকদবনি।

৪৬। নিংথৌ নত্তনা শেকপিন (ছত্র) মথোল ৯ অমদি অঙাঙবা কৎশিনবা য়াদ্রিবগী মরম তাকপিয়ু। শেকপিন মথোলগী মতুংইননা মীচম্না কৎপা য়াবা য়াদবা লৈবরা? অঙাঙবা নত্তবা করম্বা শেকপিন নত্রগা থাক্কল কৎপা য়াদ্রবদি করম্বা য়াবগে?

লমদম অসি সলাই ৭ না পানবা লমদমনিনা ৭ কৎপনি অদুগা নিংথৌদি সলাই মচা নত্তবা মপান্দগী খুন্দারকপশিং হাপচিনলগা ৯ কৎপনি। নিংথৌনা পূম্নমক্কী মকোকনিনা পূম্নমক্কী কৎতবা য়াদে। মীচমদি ৩ দগী হৌরগা ৭ ফাওবদং কৎকনি, মচুদি অঙৌবা কৎনৈ।

৪৭। লাই হরাউবা হৌবা অমদি লোইবগী অফবা নুমিৎ করম করম্বনো?

লাইনা মী চাদবা অমসুং তৎনবা থাবাল তাদবা নুমিৎপু অফবা নুমিৎ থাবাল কৌই। অফবা নুমিৎ থাবালদা লাই হরাউবা হৌবা লোইবা লেপনৈ। লাইনা লাই চাবা নুমিৎসি লাইরোই তাবা য়াদে।

৪৮। ঐখোয়না মখল মখল লাই হরাউনরি অদুবু কনানা অৱাং কৌব্রু চীংদা করি লাই হরাউনখিবগে?

লাইয়াম্না মালেম তাইবংপাল অসি লৈশেম্বা লোইরগা হরাউমন্দুনা ঐখোয়না শেমজবা তাইবংপালনি খন্দুনা সলাইরেল শিদবা ইমা লৈমরেল শিদবীগা অনীবু ময়ায়দা ফমহল্লগা লাইয়াম্না পূল্লপ্পা হরাউখি। অহানবদা লাই হোই

৩৮। লাই হরাউবা লোইশিনবগী হিজিং হিরাউদা হিগারম চুম্না হিগারক্লগা লাইবুং য়ৌরে, চুরি তাফমদা হি থাঙলম্লগা লাইরেম্বা- লাইরেন্বী অনীনা লাইশঙদা লেঙশিনখ্রবা হিদু কদায়দা থমখ্রবগে তাকপিয়ু।

হিদু হিগারম কায়দনা অমুক হনখিগনি।

৩৯। লাইবূংদা হিন্দুগী মন্দোপকুম শঙ শাজিনবগী অশোয়বা অরানবদু খরা হেন্না তাকপিয়ু। পূন্নমকনা খল্লিবদি লাইবূংদা শঙ অচৌবা অমা শারবনিনা নোংজু- নুংশানা মরম ওইদুনা হরাউবা কায়দ্রে নুংঙাইরে অসিনি।

সঙ শাবা য়াদে মরমদি অতিয়াগা মালেমগা ফাওনরগা শান্নগদবা হরাউবনি। শঙনা মরক্তা খনজিনখ্রবদি মথক মখা ফাওনদ্রবনিনা অশেংবা হরাউবা ওইদ্রে। করিগুম্বা শাবা তারবদি উখোঙ মাপলনা ময়োল ওইরগা, কূপলিবদুদা অচৌবা অহোবা অমা থম্লগা শাগনি। পঙশা- শাজিনবদি য়াদে।

৪০। ফৌওইবী হরাউবদা লনাই মীওই অমনা ছত্র কৎকে হায়রবদি মথোল কয়া কৎপা য়াবগে, অদুগা করম্বা হৈ- লৈ ফৌওইবীদা কৎপা য়াবগে?

ছত্র হায়বসি মৈতৈলোন নত্তে, সেকপিন হায়গদবনি। লনাই মীওই নত্রগা পজেং ফিরাল অমনা সেকপিন কৎকে হায়রবদি ৩ দগী হৌগনি অদুগা ৭ ফাওবা কৎপা য়াগনি। ফৌওইবী লাইরেন্বীদা হৈ- লৈ কৎপদা থোইদোকপা মচু লৈতে।

৪১। লাই হরাউবগী লৈহুল হুনবা অসি লাই শেল্লুংবনা হুনগদ্রা নত্রগা মাইবা- মাইবীনা হুনগদ্রা অমুক্তা তাকপিয়ু।

অয়াম্বা মতমদা মাইবা- মাইবীনা হুনবা চৎনৈ অদুবু মতম মতমগী মতুংইন্না মাইবা- মাইবীদা নত্তনা শেল্লুংবনা হুনবসু য়াই।

৪২। লাইবৌ শান্নরিঙৈদা লাইগী শেনপোৎ পুবী নুপী অমনা মশা শেংলক্ত্রবদি মতাং অদুদা অতোপ্পা নুপী অমদা শিন্নগনি হায়নদি তাকপিরগা নৌনা চঙলকপা নুপী অমদা পীবা য়াদে হায়বা ৱাফমসি শন্দোক্লা তাকপিয়ু।

লাইবৌ শান্নরিঙৈদা লাইগী শেনপোৎ পুবী নুপী অমনা শোক্ল- পন্নবা য়ারক্ত্রবদি মহাক অদু খুদক্তা কনামত্তগা শোক্লদনা হন্দোক্তুনা লেপকনি অদুগা লা অমতং পীবীনবা হায়জগনি অদুগা ফংদ্রবদি অফংবা উনা অমগী মথক্তা মহাক্লা পুরিবা শেনপোৎ অদু থনম্লগা মশাদু হন্দোকখিগনি। অদুদগী লাইগী মাইবনা কোকথোক- শেংদোক্কনি, অনম অথৌনচিংবা কোকথোক্লবা মতুংদা লাই শেনপোৎতু গী শেনপোৎ পুগদৌরিবী অতোপ্পা নুপী অদুবু অনম- অথৌ কোকপিরগা পুবা য়ারে। অসুম্না তৌরগা হরাউবদু অমুক হৌগনি।

6।

৫৩। হুম্নিশুবা নুমিত্তা লৈ খোন্মী হায়রিবসি হৌজিক্কী অমাইবা অমাইবীনদি মঙানিদা লৈ খোন্মী মসিগী খেন্নবা হায়বীয়ু।

লাই হরাউবা লোইরগা মৃক্লা- কাংজৈ, লমজেলনচিংবা কৃম্মোশিং পাঙথোক্লগা হুমনিদা লৈ খোমগনি। লাইরোই নুমিত্তনা লাইগী থৱায় কোনগনি। পূম্ন মক লোইরগা শেলুংবগী য়ুমদা পেনা ফমশক শক্তুনা মীগী থৱায় কোনগনি। নুমিৎ খুদিংগী লৈহুন কাবশিং অদু হুমনিদা লৈহুল খোমগনি। ৫ নিদা খোম্বা য়াদে, ওক্লবা মীদি হিংলোই।

৫৪। ঈশিংদগী ঈকৌরগা হনলক্লগা লাইগী মমাঙদা খাম্বী মৈ ওক্লগা ফৌদাং কাল্লিবা অসি করিগীনো? মসিনা করিবু তাকপগে?

অনম- অহা চুরকপা পূম্নমক্তু কোক্লনবগীদমক্তা মৈ ওক্লিবনি অমদি ফৌওইবী ইমাবু থৌনিজদুনা মীনম্বা থানম্বা পূম্নমক কোকচনবনি।

৫৫। নোংগাদবা লাইদি করম্না লাই লোইশিনগদগে? নোঙ্গাবা লাইগা নোঙ্গাদবা লাইগা অনীগী মরক্তা করি খেৎনবগে?

নোঙ্গাদবা লাইদি থৱায় কোনশিল্লগা লাই লোইশিনগনি অদুগা নোঙ্গাবা লাইদি শোরারেলনা নোংথক কাগে হায়রে, অপাম খৌবুবা পুখরো-পুখরো অৱাং কৌবা চীংদোলদা লাংগোই শাপোৎ হাপ্তুনা শীংউৎনা মৈরা চাউনা চম, লাংগোই শামৈ পায়দুনা নোংথক কাগে হায়রে। হা পাং খৌবুবা পুখ্রো, পুখ্রো পুখ্রে অসুম্না লাই লোইশিনগনি।

৫৬। লাই হরাউবা মখল কয়া শুবগে? পাউশা জগোইগা লৈশেম জগোইগা করি খেন্নবগে? কনানা হান্না শাগদগে? ৱাকোন ৱাইনু হায়বসি উচেকলা পাউরৌরা, করি হায়রিবনো?

লাই হরাউবা মখল ৪ শুই মদুদি কংলৈ, মোইরাং, ককচিং অমসুং চকপা হরাউবা অসিনি। লৈশেম জগোইনা লৈশেম নোংশেম চুফারোলনি অদুগা পাউশানা লৈতেং জগোইনি। লৈশেম জগোইনা হান্না শাগনি। ৱাকোল ৱাইনু হায়বসি উচেক্তা পাউরৌ তৌবনি থৱায়নি। ৱাকোন্না ফাসে লীফাসে হায়বসি মী লাইগী থৱায়বু ফাদুনা শান্নবনি। অদুনা লোইবা নুমিত্তা ৱ াকোন্না থাসে লীথাসে হায়গনি।

৫৭। হোইরৌ হোয়া লাউবা হায়রিবসি করিবুনো?

মসি অসূপ্পা শৈরোলনি। মসিনা খুদিংমকপু হোইদোকপগা লোয়ননা শান্নবা হৌগদৌরিবনি।

লাউবা হায়রম্বদগী লাই হরাউবা হায়না তারকখি।

৪৯। লাইচৎ- লাইয়াৎকী মতুংইন্না উমংলাই মখল ৩ থোক্লা খায়দোকলি মদুদি ফুরা লাইচৎ, লৈমরোল লাইচৎ, নোংমাই লাইচৎ হায়রিবা লাইচৎ অহুম অসি মতৌ করম্না শেমখিবনো, মসিগী মতাংদা শুগাইনা তাকপিয়ু।

লাইচৎ ৩ হায়বদি ফুরা, নোংমাই অমদি শঙলেন অহুম অসি শেমখিবা-ওইখিবগী মরমদি ঃ (১) শঙলেন ঃ থৱায় অচৎপা অরেপ্পা পূম্নমক অসিগী মনুং ওইনবা তীল্লোল- লাইরোল, ঈরাৎ- থৌনি, তেংথা-নাৱোই, কুমহৌ- থাহৌ, কুমচন- থাচন তৌনববু য়োইরেলনে, মাইবনে, অশৈবনে শঙ ৩ মদা মাগী- মাগী মসিনবু হায়নবা ইয়ুনা খায়বীরমএ। অসিগী মতুংদা নোংথাংলৈমনা মপান ফাওনা খঙহল্লগে হায়না চোংথোকলকএ। মপান ফাওরবদা মমিং পান্থোইবী কৌএ। মাইবীগী মরোল- মরি তম্বীরে, ইয়ু লৈমরেলগী মশঙবু ঐনা শঙলুগে হায়না নীংলকএ হায়বগী “শঙলেন” কৌই। (২) ফুরা ঃ ইয়ু কৈদা লৈবা হায়না নূংফুরা মনুংদা চঙলগা থিএ অদুনা ‘ফুরা’ কৌএ। (৩) নোংমাই ঃ ইয়ুবু লৈতে হায়না নোংথৌ লৈপাক্তা লংদনা থিরুই হায়বগী ‘নোংমাই’ কৌএ।

৫০। কংলৈ হরাউবগী শান্নবদা কাংদ্রুম হুনট্রেৎ হুনলিবা অসি খোইয়ুম লাই কনা কনা শান্নরিবনো?

কাংজৈ কাংদ্রুম হুনট্রেৎ অসি অদুঙৈ লাইয়াম্না মীচঙ অনী থোক্লা খায়দোক্লরগা নাকল অমদা লাই ৭/৭ লৈনরগা পূন্না লাই ১৪ না শান্নখিবদুনি। মসি অমরোমদসু লোয়ালাকপা অমদি লাইনিংথৌ খোরিফাবা অনীনা শান্নরিবনি হায়না লৌনৈ।

৫১। পেনাগী লময়ীন মরোল হায়বসি করি শৈশকপুনো? হোয়রৌ হোয়া লাউবা হায়বসি করিবুনো?

লময়ীন মরোল হায়বসি কলিন শৈদিননি, মসি চকপশিংনা অয়াম্বা ওইনা শকনৈ, কংলৈগীদি য়ামদে। নিংথৌনা লম চৎপা অদুগা লাইনা লম থোক্লবসু লময়ীন ঈশৈ শক্লনি।

৫২। হকচাংনা উমংনি থৱায়না লাইনি হায়রিবা করিগীনো? উমং লৈতবা মফমদা লৈরিবা লাইফমশিং অসি উমংলাই কৌররোইদ্রা?

উমংগী মশক ওইবা হকচাং পোলাংনি, হরাউবগী মওংশিং অসি হকচাংদগী লৌথোক্লগা হরাউরিবনি। হরাউবা লোইস্রগা পূন্না অমুক তাশিন খোমজিনলিবনি। অদুনা উমংলাই কৌবনি। উমং লৈতবা মফমদা লৈরিবশিং অসি উমংলাইনি। উমং লৈ হায়দুনা উমংলাই কৌবা নত্তে।

কায়থরকলিবা লাই হরাউবগী শক্তম

ঐখোয়গী খুন্নাইদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা উমংলাই হরাউবগী ফিভম অসি চাওখৎলকই হায়সিরা নত্রগা শিথরকই হায়সিরা মুন্না খন্না- নৈনবা অমা চঙই। মাঙলমচৎতগী হৌনা করি করি নাৎকী চৎনবী ওইরকপগে হায়বা পূন্নমক মমূৎ তানা খঙমিন্নবা মথৌ তাই। লাই হরাউবা করিনো খঙবা তাই অদুগা থৌরম অসিবু মপূং ওইনা লমজিংলিবা মাইবা মাইবী অমসুং পেনা খোংববু মশক খঙবা অদুগা হরাউফম ওইরিবা লাইবূং করম তৌগনি মসিগা লাই হরাউবগা লৈনবা মরী মুন্না নৈনবা চঙই।

হরাউগদবা লাইবূং অমদা লাইশঙগী মমাঙদা কোয়না শঙ তরুক শাগদবনি। লাহয়িংথৌরোম থংবা লাইবূংগী নাকন্দা শঙ অহুম, পান্থোম শঙ অমা, লেমলোই ফমশাং অমা, য়ারেকশঙ অমা লাইবূংগী তঙ্খাই অমা কোয়শিল্লকনি। লাইরেমমরোম থংবা নাকন্দা শঙ অহুম, পান্থোম শঙ অমা, লৈমরোল ফমশাং অমা, য়ারেক শঙ অমা লাইবূং তঙ্খাই অমা কোয়শিন্না শাগনি। অসুম্না শঙ তরুকসিনা কোয়শিল্লগা লাইবূং ময়ায় থংবা শরুক হাঙনা থমগনি। ময়ায় হাঙলিবা অসিদা লাই হরাউবগী লাইবৌ চোংফম অমদি লাই শান্নফম ওইগনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি লাইবূং খরদি লাইবূং ময়ায়দা হিন্দুশিংগী লাইশঙগী মতৌগুম্না মাণ্ডপ শানরে মসি ইনাৎকী ওইবা থৌরমদগী কায়থরকপা মওংনি।

লাই হরাউবদা কায়থরক্লবা মওংশিং অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা মশীং লাকঙমদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক, মীশি-মীনা, হাৎন-শুনবা কয়া অমা তত্তনা থোকপগী

৫৮। অমাইবা অমাইবীনা তীনমু- লাইমু তানবা মতমদা লাইনিংথৌ মায়গৈ ঙাকপশিংগী মমিং শৈথাবদা থাংজিংদগী হৌরগা কৌব্রুদা লোয়শিনবা থেংনজৈ মসি চুম্বরা? চুমদ্রগদি করম্বনা হৌরগা করম্বনা লোইশিনগনি।

চুম্মী, থাংজিংদগী হৌরগা, থাংজিং, মারজিং, ৱাংব্রেল, কৌব্রু হায়না লোইশিনগনি। মসিবু পল্লান্দবী কৌই।

৫৯। পা- পী খল্লগা শরীক পুন্দুনা থৌরি পরেং শমদুনা জুরা- জুরা য়েৎলগা হূইথি য়েনথি য়েপ্তুনা ঔগ্রী লাইরোল, লাইরেল পাউশা শক্তবা য়াবরা? মতাং অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো?

য়াদে। খুলদুদা লৈরিবা ময়ামদু তাশিন খোমজিনবনি পূনশিনবনি অদুনা খোঙ খূৎশানচিংবা লেঙবা য়াদে।

৬০। অমাইবা, অমাইবী, পেনা লৌবদা শীংলোই, লারোই, লৈরোই অহুম অসি কনাগুম্বশিংনা লারোইনা অমাইবী লৌবা অমসুং শেল পূম্নমক তৌনরম্মী। মসিদা কনানা করি লৌফম থোকপগে?

শীংলোইনা মাইবা লৌগনি, লাইরোইনা পেনা লৌগনি অমসুং লৈরোইনা অমাইবী লৌগনি।

৬১। ঔগ্রী চোংবগী ৱাহন্থোক করিনো? পেনানা য়াকৈবদা হৈরাং লৈরাং কৎপিরম্বা য়াবরা? হূইথি য়েনথি হায়বা অসি করিনো?

ঔগ্রী চোংবা হায়বসি লাইহরাউরিবা খুন অদু খুঞ্জাউ লৈচাউনবা, চাকহোঙ ঙাহোংনবা ঔগ্রী চোংবনি। হূইথি য়েনথি হায়বসি পা-পীগী মরুবুনি।

৬২। পেনানা লাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং তাকপিয়ু

মীরাই ওইবা লাইশিংগী মরক্তা হরাউবা য়াদবা লাই য়াওই অদুনা ঈশৈনা ওইনা হরাউবনি। ঈশৈ অসি পেনা ঈশৈনা ওইহনবনি।

৬৩। খোংদিং মরীগী পেনা হায়দুনা এলুমিনিয়মনা শাবা পেনা অসি লাই হরাউবদা শীজিন্নবা য়াবরা?

পেনানিনা য়াই তৌবদবু নোংমা নোংমগী চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ঐখোয়গী ওইবা মহৌশাগী ওইবা উরৈরোম লাবনা চৈজিং ওইবা, নোংশরিকনা শরীক ওইবা খোম তুম্বানা মখোক ওইবা অশেংবা পেনাগী মশক অসি মাঙখিবা য়াবগী অকিবদুনী ঐখোয়না উমিন্নগদবা মীৎয়েং অসি।

নাৎকী থৌরম অসিদা চানদবা ফিজেৎশিং শীজিন্নরকপা অসিসু লাই হরাউবগী ফিজেৎ লৈতেংদা চাউনা অকায়বা পীরি।

খুঞ্জা নুপীশিংনা হরাউবগী ফিজেৎ লৈতেংশিংগী মশক তপ্লা-তপ্লা কাউনরকলি। য়ূম পাল্লবী নুপীশিংনা খ্বাঙনম অসি মফম খরদা শেৎনরবসু মফম খরদদি মসিগী ৱাহন্থোক খঙদবগুম তৌরি। লাইথৌ তৌবীরিবী অমাইবী খরনফাওবা অমাইবী অমগী মশাগী লৈজরিবা ফিজেৎশিং কাউথোকলগা খুদাং য়াওদবী ঙক লাওনা কোৎথোকপী ফুরিৎনচিংবা লাই হরাউবৃংদা শীজিন্নবা থেংনরি। মসি লাই হরাউবগী শক্তমদা কায়থরকলিবা শক্তমনি।

লাই হরাউফমদা কা হেন্না (ডেকোরেসন) তৌশিনবা, থীল্লি খোংলিবা বেন্দ পার্টিশিংনা অনৌবা মখলগী ইন্স্ট্রুমেন্টশিং শীজিন্নদুনা কা হেন্না থীনজিন খোংজিনবা, অহৌবা মাইক হোরোল মতম চূপ্পদা শীজিননবা অমদি লাইবৃংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নবা অসিনসু লাই হরাউবগী শক্তম কায়থরকপগী থৌওংশিংনি।

লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা লাইপোৎ শেনপোৎশিংগী অশেংবা মশকশিংদা শেমনিং শেমনিংবা পঙশেমদা শেম্বগা লোয়ননা পঙহাপ্পা হাপচিনবা। মশাগী লৈজরিবা অশেংবা মশক্তু থিজিনবা তৌদনা ফজনবনি হায়দুনা হেক্তা শেমদোক শাদোকপা, লাইগী ওইনা শীজিন্নরিবা থাকল, শেকপিন, চোঙ- পেনচিংবশিংগী মশাগী অশেংবা লায়াৎ অদু তোকথোক্লগা ফজনবা পঙয়াৎতা য়াৎশিল্লগা কৈথেলদা পুথোরকপশিং অদু লৈরগা হেক্তা শীজিন্নবা, শুম্বলগী মশক্কা মান্ননা হাপলিবা লেপসুম অসি ঙসিদি ওলেমপিক গেমসকী টোর্চ মানবা মওংদা পুনরকপনচিংবশিং অসি কায়থরকলিবা লাই হরাউবগী শক্তমনি। লাই ফম্বাল, কোমায় অমদি শকপালদা পঙশেমদা শেমজিনবা, তৌশিনবা অসিনা লাই হরাউবগী শক্তমদা শাথিনা অকায়বা ওইহল্লি।

লাই হরাউবা শীনব- লাঙবীরিবা লাই থৌগল লূপশিংগী মরক্তা পূকচেল মান্নদবা, লাইগী মরন- মথুম মুন্নরকপা, লাই অদুগী লৈরিবা ৱারী ৱাখোঙ ময়েক শেংনা খঙনদবা, লাই হরাউনিংই হায়দুনা লৈকাই- খুলদুগী নত্তবা লনাই নত্রগা ইমুং অমনসু য়াবা য়াদবা, তৌহৈবা তৌহৈদবা থিদনা লাই হেক্তা হরাউশিনবা, লাই কম্মিটিশিংনা লৈকাই খুলনা য়ানবা হোৎনদবা অসিনচিংবশিং অসিনসু লাই হরাউবগী শক্তম অসি কায়থরকপগী মচাক ওইরকই। লাই হরাউবগী পরমশিং কায়হন্দনা কাঙলোন চুম্না লাই হরাউবগী থৌরমশিং মপৃংফানা পাঙথোকহন্দুনা লাই হরাউবগী কান্নবশিং ফংনবা হোৎনবীবগী মহূত্তা ইমা

পাউ তারি। মতমগী য়াওলগী মতুং ইন্না লাই তিন্নবগী থৌরমদা কয়া থওইনরক্তবা হরাউবদা লাইগী থৌরম্না শমজিল্লগা মীওইবগী হরাউ কূম্মৈগী ওইবা জগোই ঈশৈ, লিলা, ড্রামাদা মপূং ওইনা মী হরাউবগী কূম্মৈ তৌনরকপনা লাই হরাউবগী অকায়বা ওইহল্লি। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী অহিং অথেঙবা ফাওবা থৌরম কয়া থমদুনা খুনগী নত্রগা লৈকাই লৈকাইগী মীওইশিংনা কম্পিটিসনগী মওংদা জগোই মথং মথং শাদুনা হরাউ কূম্মৈগী মওংদা পাঙথোকই। মসিদা নত্তনা হরাউবা মনুংদা লাইবূংদা থাবল চোংশিন্দুনা লাই হরাউবদা কায়থহল্লি।

সনা কোনুংগী লোয়শঙগী শক্তি মাইবা, মাইবী, পেনা খোংবশিংনা মনীং মখা তৌনা মানা মানা পাম্বা মওংদা হরাউরকপা। অদুগা উমংলাইশিং অসিসু নিংথৌ পান্দ্রবনিনা কোনুংগী লোয়শঙদা অয়াবা য়াওদনা লৈকাই নত্রগা খুঙ্গংগী উমংলাই হরাউনবা মানা মানা অপামবা মাইবা মাইবী পেনা খোংবশিং লনাই নেকনরিবা অসি খুন্নাইগী নাৎকী চৎন-লোনচৎ কয়া থুগাইবনি-ঐখোয়গী মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা উমংলাই অসি লাইচৎ লাইয়াৎকী মতুং ইন্না কাঙলূপ অহুম থোক্লা খায়রি, মদুদি নোংশাবগী লাইচৎকী মনুং চনবা উমংলাইশিং হরাউবদা ফুরাগী মাইবীনা হরাউগনি, লৈমরেলগী লাইচৎ নত্রগা যূমজাউ লাইরেম্বীগী লাইচৎকী উমংলাইশিংদি নোংমাইগী মাইবীনা হরাউগনি, অসুম্না পাখংবগী লাইচৎকী মনুংদা লৈবা উমংলাইশিংদি শঙলেনগী মাইবীনা লাই হরাউগনি।

অসুম্না লোয়শঙনা হরাউগদবা লাই অদুগী লাইচৎ থিদুনা লোয়শঙদা থারকপদা লাইচৎ অদুগী মাইবী থাই। অদুবু হৌজিক্তি লোয়শঙদা থাদ্রবসু লনাই ওইনা মাইবা মাইবীশিংনা অয়াবা লৌনবগী চৎনবী অমা লৈরে। অসুম্না খুন্নাই অসিগী নাৎতা অকায়বা কয়া ওইরক্লি। অসুম্না লাই হরাউবগী চৎনবী কয়াদা চৈথেং কয়া অমা পীরক্লি। অসিদা নত্তনা উমংলাইদা নিংথৌ নত্তনা শেকপিন পজেঙ ফিরাল মথোল মাপল কৎশিনবা অসি খুন্নাই অসিগী নাৎকী মওং কায়বা মথোঙ চাদবা মওংনি। অদুগা শেকপিন নত্রগা থাকলদা অঙাঙবা কৎশিনবা পূন্নমক অসি লৈবাক্কী ওইনা ঈরাং থোকপা অশি-অনা, ইমু-নাইমু তানবা থোকল্লি। অসুম্না খুন্নাই অসিদা নাৎকী চৈথেং কয়া পীরিবনি। মশাগী চৈথেং কয়া পীরি। পোৎ কৎপদসু উমংলাইদা কৎহৈদবা পোৎ কৎশিনবা অসিমসু লাই হরাউবদা পীরিবা চৈথেংনী।

লাই হরাউবা শীনবা-লাঙবীরিবা লাই থৌগল লূপ (কম্মিটি) কী মীওইশিং ফাওবা লাই হরাউবদা শরুক য়াবীরিবা কয়ানা লাই হরাউবদা কুরটা পাইজমানচিংবা

মালেমগী ফুরুপশিংগী মরক্তা ঐখোয় অসি ফুরুপ অমা ওইনা চাউথোকনা হিংগে হায়বা তারবদি ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা চৎন-কাঙলোনশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা থম্লবা হোৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্লা অঙম-অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নবা মতম য়ৌরে খঞ্জে।

মাইবী নখোয়গী লাইগী থৌরমদু তেনশিনবীরো ঐখোয় লিলা লৈ, ঈশৈ লৈ, ইচাগী জগোই লৈ, হায়বনচিংবা কয়া তাবা ফংলি। ইচাগী চিত্রহার, চিত্রমালা, বসন্ত মিলননচিংবা জগোই তৌহন্দ্রবদি হরাউবগী শেলখায় পীরোই হায়বনচিংবা কয়া য়াওরি। থৌওংশিং অসি লাই হরাউববু লৈখা তাহন্নবা থৌওংশিংনি। লাই হরাউফমদা ঙাওশিন্নহৌদ্রগদি হৈনদবা অমাইবা অমাইবীদা খৎনবা হৌহৌদ্রগদি পেন্দবা, ময়ামনা তৌরিবা অচুম্বা অফবা অমা তৌরকপদা য়েৎহৌদ্রগদি নুংঙাইজদবা মখল কয়াগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিন্দুনা অওৎ- অপা শাবা কয়াগী থৌওংশিংনসু লাই হরাউবগী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীরি।

লাই হরাউরবদি মতমগী ঈশৈ শুমাঙ লীলা, চিত্রহার তৌহৌদ্রগদি মপূং ইফা- ফাদবগুম খন্নবা অসি লাই হরাউবগী শক্তম অসি কায়থরকপগী থৌওংনি। ঐখোয়গী ওইনা লৈজরিবা নাৎকী জগোই ঈশৈ নত্তবা মীগী মতৌ তমদুনা লাই হরাউফমদা জগোই ঈশৈ তৌশিন্নবা হোৎনবনা ঐখোয়গী ইনাৎতা চৈথেং পীবদা নত্তনা খুন্নাইগী শক্তমগা শগোন্নরিবা লাই হরাউবদা খ্বাইদগী মাঙজবা অমা ওইরিবনি। লাই হরাউবদা ঐখোয়গী ইচাশিংবু থকসি খাসি, ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা জগোই ঈশৈশিং তন্বীদুনা মশা ঈৎপা ঙম্নবা হোৎনহনবগী মহূত্তা চহী য়াম্লবা মনুং লেনলবা, মশূ লৈরবা নুপা-নুপী খরনা মচা- মমৌগী মাঙদা লাই হরাউবগী থকসি খাসি পূম্নমক থুগাইদুনা ফেন্সিড্রেসনচিংবা মখল কয়াগী মথোঙ হূক্তবা থৌওংশিং তৌশিন্দুনা লাই হরাউবা ফাগি তাহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমকনা নোক্লগা লৈথোকপা হায়বসি ঐখোয়গী মায়দা ফত্তবা তৈশিনবদা হরাউনা য়াবগা মান্নে হায়বসি। লাই হরাউবা হায়বসি ফাগি জুগাই তান্নফম ওইহনলকপদা ঐখোয়না থৌশাদবা মতৌদুনি।

খ্বাইদগী মরু ওইনা ভোৎ লেপলিবা ক্ষয়ানা মশাগী কান্নবা য়েংলগা লাইবূংদা রাজনিটি তৌশিন্দুনা খূৎ থিংজিনবা অসিনি। লাইবূং হায়বসি লৈকাইগী খুলগী অপূনবগী মফম অমা ওইনা লেঙদনা থম্নবা হোৎনবীগদবনি। অসিগুম্বা মফম অসিদা রাজনিটিগী য়ান্নদবা লৈবা কাঙবুনা খূৎ থিংজিন্দুনা মীয়াম্বু খাইবুং খাইবুং তাহনবা থৌওংশিংনা লাই হরাউবগী শক্তমদা কায়থরকই। লাই হরাউবগী শক্তম কায়থরকপা হায়বসি ঐখোয়গী লৈজরিবা ফিজেৎ লৈতেং, থকসি- খাসি, চৎনরোল, শেনমীৎলোন, লাইনীংলোন, লাইথৌ-তীনথৌগী কাঙলোন, জগোই- ঈশৈশিংগী কাঙলোনশিং কায়থরকপদা নত্তনা খুন্নাইগী শক্তম কায়থরকলিবনি। ঙসি ঐখোয়না চেকশিলহৌদ্রবদি মশাগী শক্তম লৈজদবা ফুরুপ অমা ওইনা ঐখোয় হিংবা য়াই নত্রগা মলেমগী লৈমায়সিদা ঐখোয় লৈরম্মী হায়বখক ৰারী ওইহৌবা য়াই। মসি হেঞ্জিনবা ৰাফম নত্তে ঐখোয়গী মাঙদা থোকলিবা থৌদোকশিংনি।

২। ৱারেপ্পম মোধুসুদোন, ইমা লাইখুরেম্বী হাওবম মরক

ঃ য়ারিবমখৈ লাইবৌ ঙন্না চোংহন্দুনা হরাউবগী পরম চীৎথদনবা হোৎনবগা লোয়ননা অমাইবা, অমাইবী, পেনানা লাই হরাউবা অসি শেন্দানফম অমগী মওংদা খনবীরোইদবনি।

৩। মাইস্নাম কুঞ্জবিহারী, নূংথেললৈমা- লোয়ালাকপা, কাঙমোং।

ঃ লাই হরাউবগী চৎনবী, ফিজেৎ- লৈতেং, থকসি- খাসি, জগোই- ঈশৈশিং অসি ফজনা য়ানশিনহন্দনা থম্লবা ঐখোয় পূম্নমকনা হোৎনবীগদবনি। লাই লাইগী ওইনা য়াকৈরোল শকপিনবা হোৎনবীগদবনি।

৪। ৱাহেংবম. অমুতোম্বী, ৱাংগোই।

ঃ লাই হরাউবনা পুরিবা-য়াওরিবা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা ইনাৎ অসি ঙাক্তুনা থম্বা ঙম্লবা হোৎনরি। ঐখোয়না উকলদা থৌনা হাপকদবনি লাইবূংদা থাবল চোংশিনবা তৌহন্দবা পামজৈ অমদি অমাইবীগী ফিজেৎ চপ চানা শেৎহন্নবা হোৎনমিন্নগদবনি।

৫। মুতুম ধনঞ্জোই, প্রসিডেন্ট, লাইনিংথৌ পুথিবা, লাংথবাল লেপ অৱাং লৈকাই।

ঃ লাই হরাউবা লোইশিনবগী মতম অমা চপ চানা লেপ্পগা চৎনহন্নবা হোৎনমিন্নবা ফৈ। অহৌবা মাইক হোরোল তঙাইফদ্রবা মতমদতা শীজিন্নবীবা চুমগনি। লাইবূংগী ফিজেৎ- লৈতেং, ফমফম, চকহেন- ঙাহেন নীংথিনা ঙাক- শেন দুনা কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি। য়ারগদি লাইপোৎ শেনপোৎকী অশেংবা মশক অদু উকলনা লাইবূংশিংদা ফংহনবীয়ু।

৬। এল. নবচন্দ্রা, কালিকা, সেকমাইজিন।

ঃ লাই হরাউবদা হোংলকলিবা মতমসিগী ওইবা থৌরমশিং মতৌ করম্না য়াওহনগদগে হায়বসি নৈনফম থোকই। লাই হরাউবগী পরম কায়হন দনা মতমগা চানবা থৌরম পরেং খরা য়াওহনখি।

৭। মুতুম ভোরোৎ, খুমন নিংথৌ পাখংবা, পাৎশোই, পার্ট ৱান।

লাই হরাউবদা তৌগদবা তৌরোইদবশিং মীয়াম পূন্না খঙমিন্ননবা উকলনা হোৎনবীয়ু।

৮। ডা: নোংমাইথেম রাজেন্দ্র, প্রসিডেন্ট, লাঙ্গোল নিংথৌ থৌগল লূপ।

ঃ হরাউবা য়াবা য়াদবা হায়না লৈরিবা লাইবূংশিং অসি চপ চানা লাইদুগী মচৎ ঙাকহন্নবা হোৎনফম থোকই, লাইবূংদা, লাই হরাউবদা কৎপা য়াবা- য়াদবা হৈ-লৈ, পোৎলম- চৈরম কয়া অসি ময়ামদা খঙহন্নবা

লাই হরাউবদা কনানা করি করি হায়রি

উমংলাই হরাউবগী মতাংদা উকলনা শীন্দুনা নুমিৎ ৩৩ নি চঙনা লমদম অসিদা লৈরিবা উমংলাই থৌগল- লূপশিং, লাই কম্মিটিশিং, অমাইবা, পেনা অমসুং অমাইবীশিংগা তোঙান- তোঙান্না ফমীন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফমশিং পাঙথোকখি। ইং শোক ২০১২ আগষ্ট ১১ দগী সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবা পাংথোকখিবা তাঙ্কক নাইবা মীফম অসিদা শরুক য়াবীখিবশিং লাই হরাউবগী মতাংদা থন্বীরম্বা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম খরদং লৌখৎচরগা থমজরি মদুদি ঃ-

১। থৌনাওজম নিলকন্তা, প্রসিডেন্ট
লোকনিংথৌ, কৌব্রু, লোয়ালাকপা, নরাল কোঞ্জিন।

ঃ লাই হরাউবগী মতম অসি নুমিৎ মশীং য়াম্না হরাউরোইদবনি। নুমিৎ মশীং য়াম্না হরাউবনা ঐখোয়গী শেল- থুমগী ফিভম শোকচিনগনি অমদি অতৈ অতৈ হীরম কয়াদা অকায়বা কয়া লৈরকপা য়াই।

ঃ লম লমদুদা লৈরিবা লাইয়িংথৌ লাইরেন্মশিং অদুগী হৌরক ৱারী করম্না লমদুদা লৈরবা মখোয়গী লাইচৎলোননচিংবশিং নীংথিনা খোমজিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা লাইদুনা কোনলিবা খুঞ্জাশিংদা নীংথিনা খঙহনবীবা ফৈ।

ঃ লাই কম্মিটিশিংনা লাই হরাউবগী থকসি খাসি য়ারিবমখৈ ঙাকনবা হোৎনবীগদবনি অমদি অমাইবীশিং মসি তৌহৈ- তৌহৈদে, য়াই-য়াদে পঙহায়দা হায়জিন্দনা তৌফম থোকপা অদুতমক খুঞ্জাশিংদা তাকপিগদবনি।

ঃ লাই হরাউবগী অসূপ্পা মপু অসি পন্দিট লোয়শঙনা ওইবা য়ারোই, মসি নিংথৌ অমসুং সনা কোনুংগী মথৌনি। মরমদুনা সনা কোনুংগী লোয়শঙ অমনা শীনবা লাঙবা তৌবীগদবনি। মশা-মশাগী লাইথৌ তৌবা য়ারে-হায়বগী শকতাক চেরোল পায়রবা অমাইবা অমাইবী, পেনাতমক লাই হরাউবদা য়াওহনগদবনি।

১৬। ঐচ. রাইকুমার, সেক্রেটরি, চীংজ্রোইবী, খুরায়।

ঃ লাইবূং খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা থিংনবা কয়াৎ অমা উকলনা পুথোকলগা লাউথোকপিয়ু। মদু থবক ওইনা পাঙথোকনবা লাই কম্মিটি খুদিংমকনা হোৎনমিন্নসি। লাইগী মরল মথুম হাৎনদনবা ঐখোয় মতম খুদিংমক্তা হোৎনসি।

১৭। এল. বুধিচন্দ্র, সেক্রেটরি, পুথিবা, খুরায়।

ঃ উকলনা লাই কম্মিটিশিংগা তোয়না ফমিন্নদুনা লাই হরাউবদা নাৎ শিহন্নবা হোৎনরকপশিং তৌহন্দনবা হোৎনসি। অমাইবা অমাইবী পেনানচিংবশিং মশা-মশাগী অপাম্বা মওংদা লাইথৌ তৌশিনবা তৌবীগনু।

১৮। এন.জি. দেভা, প্রসিডেন্ট, হাওরৈবী শম্বুবী, য়াইঙংপোকপী।

ঃ লাই হরাউবদা মী অমনা শকলোন অনী লৌবা তৌবীগনু। অমাইবসু পেনাসু মী অমনা হেক্তা তৌশিনবা য়াফম থোক্তে। অমাইবা, অমাইবী পেনাগী চাকচা-য়ুথক, জগোই-ঈশৈ, তৌবা য়াবা য়াদবা চেকশিন্না খঙহন্দুনা লাই হরাউহনসি। লাই হরাউবগী বেন্দশিংনা থীননিংবা খোংনিংবা পঙথিন থীনজিনবা খোংজিনবা তৌহনগুমসি।

১৯। এল.মঙ্গী, সেক্রেটরি, পাঙ্গলবা, খুন্দ্রাকপম।

ঃ লাই হরাউবদা তৌরোইদবা অমা তৌরকপদা লাই কম্মিটিশিংনা তুমিন্না লৈথোকপিগনু। অমাইবা অমাইবী পেনাশিংনা মমিংনা অমনা ককলগা অতোপ্পা অমা মহূৎ থারকপা অসি তৌবীদবা চুমগনি। থৌওং অসি চুমথোকসি।

২০। টি.ঐচ, মায়মু, শেল্লুংবা, ৱাংব্রেল, ঈরৈমা, খেকমন।

ঃ মৈতৈ ঐখোয় অসি লাইবূং-লাইবূংদা পূন্দুনা ঐখোয়গী খুন্নাইলোনশিং খঙমিন্ননবা হোৎনমিন্নদুনা ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনসি।

২১। কে.ঐচ. ইংঙোচা, অরোং-নিংথৌ, অথোকপম।

ঃ লাই হরাউবা হায়বা লাইথৌ-থৌরম অসি মৈতৈ কন্নবা অমত্তা ঙায়রবা থৌরমনি। থৌরম অসিদা লাহনীংগী খেৎনবা লৈরিবা মৈতৈ-ফুরুপনা

অমাইবীগী ফিজেৎতা অশোয়বা শক্তম

অমাইবী অমনা লাইবক্তা শিন্দুর নমলগা জগোই শাবা
(ৱাহেংলৈকাই য়ুমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা- ২০১২)

অমাইবী অমগী শমজি মমৈ অমদি নাচোম
(ৱাহেংলৈকাই য়ুমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা- ২০১২)

অমাইবী অমনা লীৎলিবা,
অমাইবী অমনা লীৎফম থোক্তবা ফুরিৎ
(ইমা কালিকা, ৱাবগাই- ২০১২)

লম থোকপদা অমাইবীশিংনা নাতৈ
চাদবা ফুরিৎ লীৎলগা থোরকপা (ইমা
কালিকা, ৱাবগাই- ২০১২)

হরাউবদা অমাইবী অমনা লীৎলিবা মওং
চাদবা ফুরিৎ- (লাইমনাই ২০১২)

অমাইবীগী শমজিদা হেক্তা তৌশিনবা
(পলুংঙম্বা, নোংপোক সঞ্জেনবম - ২০১২)

লাই হরাউবগী মপু
অমসুং মপু ওইবগী কাঙলোনশিং

উমংলাইগী মপু (অথোরিটি) অসি মমাঙওঁৈদগী হৌনা নিংথৌ অমদি সনা কোনুংনা ওইদুনা লাকই। খুন্নাই অসিগী কাঙলোন খুদিংমক সনা কোনুং হায়রিবা ঐখোয়গী নেসনেল ইন্সটিট্যুট অসিদগী শেমলকই, চৎনহনলকই অমদি চৎনরকই। মরমদুনা অঙনবা মতমদগী হৌনা খুন্নাইসিগী চৎন-কাঙলোন পূন্নমক য়েংশিন্নবা সনা কোনুংনা ফমদৌ ৬৪ হাপ্তুনা খুন্নাইগী চৎনবী লৈজবা খুন্নাই অমা ওইরকই। চৎনবীশিং অসিবু লমদমসিবু লোই চনলম্বা লৈবাকশিংনা খক থুগাইরমদে অদুবু লৈবাক অসিনা খূৎশেমগী মর্জর অমা ভারতকা তৌনখ্রবা মতুংদা ঐখোয়গী চৎনবী পূন্নমক্তা চয়েৎনবা কয়া থোকহনলকলি। লাই হরাউবদা খুন্নাইসিগী ওইবা কষ্টমরি রাইটকী মতাংদা খূৎশেমগী মর্জর অদুদসু শুগাইনা পনলি।

লাই হরাউবগী অসূপ্পা মপু নিংথৌ অমদি সনা কোনুংনা ওইবগী হকশিং লৈ উমংলাই হরাউবগী লাইরোলগী ওইবা তরু-তরুবা শক্তমদা ঈরাংগী মথেল হাপচিন্দুনা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি উমংলাইগী ওইবা ওথোরিটি (মপু) দা চয়েৎনবা হায়বদি ওথোরিটি নত্তনা ওথোরিটি শাজিনলকপা অমদি উমংলাই পান্নরিবা (লাই পান্নরিবা) মীওইশিং নত্রগা খুঞ্জাশিংনা উমংলাইগী মতীক ময়াইবু মমূৎ তানা খঙনদবা অমদি নৈনদবা অসিননি।

অদুনা উমংলাইগী অশেংবা পাথাং-পুথাংদগী হায়বদি য়েলহৌঁৈদগী লৈরক্লবা মপু ওথোরিটি অদু কনানো হায়বদু খঙদোকমিন্নবা চঙই।

উকলনা হোৎনবীবা ফগনি খল্লি। লোয়ননা ঐখোয়গী লৈরিবা মশান্নশিং অসি লাইবূংদগী হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।

৯। বাবু ইরেংবা, ফৌবাকচাউ

ঃ হরাউবদা লাইবূং অমগী লৈফম থোকপা ফম্নাইবশিং ৱাৎতনা লৈহনগদবনি। খুন্নাই অসিগী যূম্বাল- কৈবালদা লৈরিবা তৌবা য়াবা য়াদবশিং ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক্তা ফম্নাইবশিং অদু যূম্বাল-কৈবাল, চারৌ- মরৌ কাঙলোন চুম্বশিং ওইহনসি। লাইবূং খুদিংদা লাই হরাউবা অমসুং লাই লাইদুগী মরমদা ৱারী লীহনবা ঙল্লবদি লাই হরাউবা কাঙলোন চুম্না কুইনা হরাউগনি।

১০। পি. মঙ্গী, নাউথিংখোং পাখংবা, থাঙমৈবন্দ ।

ঃ লাই হরাউবদা য়ারিবমখৈ ঐখোয়গী অশেংবা লোন ঙাক্তা শীজিন্নগদবনি। ঐখোয়গী লোল অমসুং কলচরদা পোলুট তৌহন্দনবা ঐখোয় পুম্নমক মীৎনা শিংনা লৈসি।

১১। টি ঐচ, ডামু. লাইনিংথৌ হনবা, খুরায়।

ঃ লাই লম থোকপদা লাইগী দোলাই পুগদৌরিবশিং অসি চাকচা- য়ুথক চুম্বা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবশিংদমক খল্লগা পুহননবা হোৎনসি।

১২। থৌদাম দিঙ্গো, লাইনিংথৌ অৱাংবা, খুরায়।

ঃ লাই হরাউবগী জগোইগী ওজাশিংনা ঐখোয়গী ইনাৎকী ওইবা জগোই মখলশিংতমক লাই হরাউবদা খুঞ্জাশিংনা শাননবা তম্বীগদবনি। উকলনা জগোইগী ওজাশিং অমুক্তং পূন্না কৌবীদুনা হীরমসিগী মতাংদা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবীয়ু।

১৩। থোকচোম ব্রজবিধু, প্রসিডেন্ট, মার্জিং, কাইরং ।

ঃ খুল অমদা লাই অনী হেক্তা থোক্লা হরাউবা অসিদা মীয়ামনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীবা চঙই। লাই হরাউবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌবীরিবা অমাইবা অমাইবীশিং খরা চেকশিনবা মথৌ তাই অমদি তাংখুল নুরাবীগী থৌরমসি পঙহাপ্তা হাপচিনবা, পঙতৌদা তৌশিনবা য়াহনগুমসি।

১৪। পি, মঙ্গী, নোংপোকনিংথৌ পান্থোইবী, কৈরাউ।

ঃ লাই হরাউবগী তাঙ্খুল নুরাবী থৌরমদা তাঙ্খুল শাবা অসি খৌশাবা তঙাইফদে। অমদি হরাউবদা নাৎকা মরী লৈনবা হরাউ-কূম্মৈশিং য়াম্ন া মথৌ তাই।

১৫। এন. ইবোচৌবা, সেলুংবা, পুথিবা, কৈবী।

Hence the issue is decided in favour of the plaintiff.

অদুগা ১৭ শুবা জজমেন্ট তা অসুম্না পনলি ঃ

In the result it is declared that the plaintiff was appointed by a legally competent authority and he is now in-charge of the Hanjaba also of the deity Lokningthou Sanamahi of Tangjeng Khunjao etc. etc.

কেশ অসিগী plaintiff না নোংমাইথেম মংলেমনি, নিংথৌনা হাপ্পা হিদংনি কেশ নং, না OS No. 9 of 1995/4 of 1997 নি, মরমশিং অসিনা লৈপাক নিংথৌনা কষ্টম লাইনিংথৌ মপুনি অদুনা উমংলাইগী মপু (ওথোরিটি) লৈপাক নিংথৌনা অসুম ওইরি হায়বদি তশেংনা তাকলি।

য়েৎশিনলকলিবা ওথোরিটিশিংগী মতাংদা মখাগী অসুম্না থমনিংই:

(CR No. 206 of 1987-Hijam Ibobi Singh Vs State of Manipur গী Judgement & Order দা মখাগী অসুম্না ময়েক শেংনা পনলি ঃ

Para 5 : অসুম্না য়াওরি "We have gone through the entire Act of the shri Govinda Temple Act. 1972 and we do not find anywhere the word "Umanglai Committee" This would show that the Act does not cover the Institution of Umang Lai, Section 30 of the Act makes abundantly clear that the Shri Govindajee Temple Board, may make Bye-laws not inconsistant with the Act. By now it is well settled principle of laws that the Rules framed under the Act can not be contrary to the Act.In the instant case the Board has been empowered to frame Rules under section 30 of the Act strictly in accordance with the Act. As already said nowhere in the Act the Institution of Umang Lai has found place. In this view Rule 12 (V) and Rule 23 as referred above, covering the Umang Lai Institution is Ultra-Vires the Act.

Para 6 : অসুম্না য়াওরী Indian Constitution গী Article 26 (B) দা পীরিবা Freedom of Religion গী মতাংদা কূপ্পা নৈনরি লোয়ননা অসুম্নসু পনলি "A law which takes away the right of administration from the hands of a religious denomination altogether and vest it in any other authority would amount to violation of the right guaranteed under clause (d) of Article 36"

Para 7 : দা অসুম্না পনলি ঃ "In view of the settled principle of law enunciated by the Apex Court it would clearly appear that

পূন্না শরুক য়ামিন্নবা অসি ঐখোয় পূন্নমক্কী লাইবক ফবনি। লাই হরাউবগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরীগী মতংদা অমস্যুং লীকলম কয়দনা লাই হরাউহন্নবগীদমক্ত উকলনা অকনবা মওংগী এর‍্যারনেস তৌবা চঙই। নত্রগা উকলগী সব-কম্মিটিশিং শেন্নগা লাই হরাউবগী মতাংদা অকনবা এর‍্যারনেস তৌসি।

২২। এম. কার্টিক মাইবা, ঈকোপ নিংথৌ, তেন্থা।

ঃ লাই হরাউফমদা লাই হরাউবা লাই কম্মিটিফাওবা য়াওনা পাইজমা শেৎচিনলকপা অসি ঐখোয়গী লাইথৌ থৌরম অসি লৈখা তাহনলকপা অমনি। মসি তৌবীনু।

২৩। এস. সান্তা, সেক্রেটরি, কালিকা, লাফুপাৎ তেরা।

ঃ লাই হরাউবগী মতাংদা উকলনা মখল মখা কয়াগী চেজাই, লাইরিক, খুৎপাই লাইরিকশিং মীয়ামদা মরাং কায়না ফংহনবীয়ু। মসি তৌবদা চঙবা শেল-থুমশিং মতম অমা লেপ্পরগা লাইবূং লাইবূংশিংদগী খায়নসি।

২৪। এ. নিল্লধজ, পাঙ্গলবা, এলাংখাংপোকপী।

ঃ ঐখোয়গী লৈরিবা উমংলাইশিং অসি লাইরেম্বী লৈতবা কয়া য়াওরিবসি হরাউবা য়াবা-য়াদবা কূপ্না থিজিনলগা থৌরম তৌবনা ফগনি। লাই কোমায়দা চন্দোল অশাংবা থিঞ্জিনবা অসি তৌফম থোকপ্রা-থোক্তব্রা খঙমিন্নবা চঙই।

২৫। টি. য়াইমা. সেক্রেটরি, নোংদোল লাইরেম্বী, থাঙ্গা।

ঃ অমাইবা অমাইবী, পেনানা মতম চানা লাইবূং য়ৌরক্তবা, লাইবূংদা মওং চাদবা থবক তৌবা য়াওরকপদা মীয়ামগী ওইবা চৈরাক খরা পীনবা উকলনা হোৎনবীয়ু।

২৬। টি.ঐচ. তোম্বা, প্রসিডেন্ট, য়াংগোই নিংথৌ, বিষেনপুর।

ঃ বিষেনপুর য়াঙ্গোই নিংথৌ হরাউবগী লাইরোইদা মখল মখা কয়াগী ইন্দিজিনস গেমসশিং (নাৎকী ওইবা য়েলহৌঙৈগী মশান্নশিং) পাঙথোকই। মসি মূৎখ্রবা ঐখোয়গী ওইবা মশান্নশিং কাউদনবা অমদি হিংগৎহন্নবা থৌওংনি খল্লি।

২৭। টি ঐচ. রুহিচান্দ, রিছার্স স্কোলর, এম.ইউ।

ঃ ঐখোয়না লাই-হরাউবা লোইরগা ঐখোয়গী লাইবূংশিং অসি ইচাই-চাইনা থম্বা তৌবীগনু। ঐখোয়গী লাইবূং খুদিংমক য়াম্না তরু- তরুনা মতম চূপ্পদা থমদুনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্মশিং অসিবু পূক্লিং চঙনা খুরুমজসি।

অসুন্না লৈপাক নিংথৌনা কষ্টম মপুনি উমংলাইগী মপু ওথোরিটিনি অমদি কনাগুম্বা অমত্তনা য়েৎশিনবগী হক লৈত্রে। মরম অদুনা উমংলাইগা মরী লৈনবা লোয়শঙ পূম্বা লৈপাক নিংথৌগী মখাদা মহৌশাগুম থমদুনা লাইথৌ তৌগদৌরিবা অমাইবা পেনানচিংবা নীংথিংনা মমূৎ তানা তাকপী তন্নীদুনা হৈহনলগা উমংলাইশিংগী থৌগল চুম্না তৌহনবনা পাথাং পুথাংদগী চৎনরকপা উমংলাই হরাউবগী তরু তরুবা শক্তমবু ঙাকপা ঙম্বগী পাম্বে ওইবতা নত্তনা লৈচাউ খুঞ্জাউবা পুরক্কুনা মপাঙ্গল কনবা মরা তপ্পা ইরৈপাক অদু ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজৈ।

সনা কোনুংদা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙ কয়া লিংদুনা ঙসিফাওবা লাকলি মদুদি

লাই হরাউবগী অথোরিটি অসি নিংথৌ অমসুং সনা কোনুংনা ওইদুনা লাকই ওইদুনা লৈরি হায়বসি ঐখোয়গী মীয়াম্না খঙমিন্নরসি।

(১) মাইচৌ লোয়শঙ (২) পেনা লোয়শঙ (৩) তানয়ৈশঙ (৪) অমাই লোয়শঙ (৫) মাইবী লোয়শঙ (৬) পাৎচা লোয়শঙ (৭) পনচায়ট (৮) পালা লোয়শঙ (৯) চৈরাক কুচু (১০) উত্রা শঙলেন (১১) ডরবার অসিনচিংবা।

মণিপুরগী নিংথৌগী কষ্টমরি, রাইট, ওথোরিটিগী মতাংদা ইরৈবাকশিদা লিশাং শীৎনা লৈরক্লবা কলচরেলী হেরিটেজ অমসুং ইনষ্টিট্যুসনশিংনা মরী লৈনবা মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা এক্সক্লুসিবলি রিজার্ব তৌদুনা থম্বিরম্মী। মণিপুরগী লৈঙাক সাসন অমসুং ৱায়েল থৌদাগী মতাংদা ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টনা খূর্জি সূপ্লায় পায়খ্রবসু নীং-খা তম্বা রুলর অমদা তৌফম থোকপা ঈকাইখুম্নবা অদু চপ চানা উৎপগা লোয়ননা কোনুংদা নীং-তম্না পায়রিবনা পাখংবগী পাফল য়েকপা ফীরাল অদু নীং-তম্না পাইদুনা লৈহনগনি। মদুদা ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা মীৎয়েং অমত্তা থমলোই লোয়ননা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা তিনখ্রে নত্রগা তিনদ্রি হায়না খল্লগা লৈফম থোকপা নিংথৌগী কষ্টমরি ইনষ্টিট্যুসনশিং রাইট, ওথোরিটি অমসুং ওবজার্বেসনশিংদু চপ চানা হিংদুনা লৈহনগনি। মসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া গোভর্ণমেন্টনা ওক্টোবর ১৫,১৯৪৯ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু মখাদা পীজরি।

লৈপাক নিংথৌ (সনা কোনুং) না অশেংবা ওথোরিটি ওইদুনা অদুমক লাকই অমসুং ওইরি। মসি লাইরোল অমদি কষ্টমনা হায়বনি। হৌজিক লৈরিবা আইনগী মীৎয়েংদা য়েংলবসু সনাকোনুং অমদি নিংথৌনা লাই হরাউবগী মপু অদুমক ওইরি মদুদিঃ ইং কুমশিং ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১ দা লৌখিবা মর্জর এগ্রীমেন্টনসু লৈপাক নিংথৌনা কষ্টম অমদি লাইনীংগী মপুনি হায়বা তাক্লি এগ্রীমেন্ট অসিগী ২ শুবা আরটিকল দা অসুম্না ইরি-"His Highness the Maharaja shall continue to enjoy the same personal rights, privileges titles, authority over religious observances, customs, usages rites and ceremonies and institutions in charge of the same in the state which he would have enjoyed had this agreement not been made." অসুম্না মর্জর এগ্রীমেন্ট অসিনসু নিংথৌগী কষ্টম অমদি লাইনীংগী ওইবা লাইরোলদগী শাগোন্নরকপা হক অদুদি অসুম ঙাক্তুনা থমলি, ঈকাইখুম্নরি।

অমুক্কসু উমং লাইগী লাই পান্নবা (ফমনাইবা) হাপ্পগী মতাংদা লৈবাক নিংথৌনা হান্না তাংজেং খুঞ্জাউগী লাইনিংথৌ লোকনিংথৌ সনামহীগী ফমনাইবা নোংমাইথেম মংলেম, হিদংগা গোবিন্দ টেম্পল বোর্ডনা হান্না খাইদেম মোহোন অমদি কাঙবু (লাইগী ফমনাইবশিং) অনীগী মরক্তা লাই (লোকনিংথৌ সনামহী) অমদি লাইগী মরল মথুম মুন্নবগী কেশ অমদা সিভিল জজ থৌবাল কোর্টনা তাখিবা রাইদা মহারাজ (নিংথৌ) না কষ্টমগী মপুনি অমদি উমংলাইগী ফমনাইবা হাপ্পসি নিংথৌ (মহারাজ) গী হকনি (right & authority) হায়না পীরি।

রাই অদুগী ১২ শুবা জজমেন্টতা অসুম্না পনলি: "To clarify whether the Maharaja is the customary head of the State, the Ld. Councel submitted that according to Article 363A of the Indian constitution though recognition granted to Rulers of Indian States are ceased and privy puses are abolished the succession according to custom of His Highness, authority over religious observances, customary, usages rites and ceremonies and institutions guaranteed by the Merger Agreement is still in force and as such there is still Maharaja of Manipur being the customary Head of the State!!

অদুগা ১৩ শুবা জজমেন্টতা অসুম্না পনলি ঃ "Considering the above fact and circumstances I am of the opinion that the Maharaja of Manipur is the appointing authority of the Hanjaba and Hidang of the deity Lokningthou Sanamahi.

the Chief Commissioner, continue to exercise their respective function in the same manner and to the same extent as they were doing before the commencement of this order.

5. **Existing laws to continue:** All laws in force in Manipur or any part thereof immediately before the commencement of this order shall continue in force until repealed or amended by a competent Legislature or authority. Provided that all powers exercised under the said laws by His Highness, the Maharajah or the government of the state shall be exercised by the Chief Commissioner.

6. **Continuance of Existing Taxes :** All taxes, duties, assets or fees which immediately before the commencement of the order, were being lawfully denied in Manipur or any part thereof, shall continue to be levied and applied to the same purpose, until other provision is made by a competent legislature or authority.

7. As from 15th October, 1949, the Ministry in Manipur state shall cease to function and the legislature of the state stand dissolved.

(M.K. Vellodi)

Secretary to

Copy dated 3/12/1977 The Government of India

the Board has framed the Rules contrary to the mandate of section 30 of the Act and also ultra-vires the madate of Article 26 (d) of the constitution. In the result, Rule 12(v) and 23 of the Bye-Laws and other relevant provisions in the Bye-Laws with regard to functioning Umang Lai Loishang and Lai Haraoba are hereby quashed as Ultra-Vires the Act".

মরমশিং অসি লৈবনা গোবিন্দ টেম্পল বোর্ডনা উমংলাইদা খূৎ থিংজিনবা অমদি ওথোরিটি শাবা আইনগী মতুং ইন্না য়াদে হায়বসি ময়েক শেংলে।

২) **সনামহী টেম্পল বোর্ড ঃ** সনামহী টেম্পল বোর্ড এক্ট ১৯৭৬ অসিদসু লাইনিংথৌ সনামহী নত্তনা উমংলাই পায়শিনবগী হায়বদি ঙাক শেনবগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে। গোবিন্দ টেম্পল এক্ট কুমবনি। অদুগা বোর্ড অসিগী খ্বাইদগী থেঙনা ফোঙবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্ড বাই-লোজ ২০০৬ (Manipur Gazettee Notification dt. 2/8/2006) তশু উমংলাই ঙাক শেনবগী রুল অমত্তা য়াওদে। বাই-লো অসিগী রুল নং ৪. মখাদা পীরি।

4. Constitution of Loishang:

i. The Board shall constitute the following Loishangs/Committees to ensure efficient working:

a) "Amaiba Loishang" for dealing with the matters relating to conventions and practices of Social taboo, rites of Lainingthou Sanamahi and Ima Leimarel Shidabi.

b) "Amaibi Loishang" for dealing with the conduct of paojel of Lainingthou Sanamahi and Ima Leimarel Shidabi and also decide the form of movement of the ritual dances etc.

c) "Pena Loishang" for dealing with the matter relating to yakairol, Naosum, Anoirol etc. of Lainingthou Sanamahi and Ima Leimarel Shidabi.

d) "Umanglai Loishang" for dealing with the control and management and also for guiding and supervising the "Pena Loishang". "Amaiba Loishang" and "Amaibi Loishang."

অসুম্না বাইলোদা পনলিবা উমংলাই লোয়শঙ অসিদি উমংলাই পায়বগী নত্তে লাইনিংথৌ সনামহীগী লৈরিবা অমাইবা অমাইবী পেনা লোয়শঙশিং পান্নবা শেম্বা লোয়শঙনি।

লৈরিবা ফিভম অসিদা সনামহী টেম্পল বোর্ডনা উমংলাইগী মপু (ওথোরিটি) ওইবগী হক অমত্তা এক্ট অসিনা পীদে হায়বসি ময়েক শেংলে।

82

ঙাকশেনবা লূপ (লাই লূপ), এম. অপাবী, মাইচৌপুরেল, স্না কোনুং, এন. জি. কিরানি, পন্দিট অচৌবা, মণিপুর পন্দিট লোয়শঙ, সমজেৎশাবম কোন্দুম্বা, মাইবা হনবা, স্না কোনুং, খাঙেম্বম মঙ্গী, লুপা লৈখম সঙলাকপা, নাউরোইবম ইন্দ্রমনি, ভাইস প্রসিডেন্ট (লাই লূপ) মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস,অমসুং মুতুৱা বহাদুর, ডাইরেক্টর মুতুৱা ম্যুউজিয়ম, সগোলশেম রাজমোহোন, মেম্বর, লাই লূপ, আর. কে. অচৌবীস্না, রিটায়ার প্রিন্সিপাল, জে.এন.এম.ডান্স একাদমী, সি.ঐচ. অমর মচং, ভাইস প্রসিডেন্ট, সনামহী টেম্পল বোর্ড, ৱাহেংবম লুখোই, পন্দিত য়ায়মা, মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ অসিনচিংবনি।

নুমিৎ নিনিগী মীফম (কনফরেন্স) অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এল. জয়েন্তকুমার, ঈকাইখুম্নজরিবা মিনিষ্টর, এডুকেসন, ত্রান্সপোর্ট অমসুং সেরিনা অথোইবা মীথুংলেন, এন.জি.কাংজিয়া মঙাংনা থৌরম মপু, ঈকাইখুম্নজরিবা মোইরাংথেম ওকেন, এম.এল.এ. ঈকাইখুম্নজরিবা ডা: কে.ঐচ. রতনকুমার, এম.এল.এ. চ্যারমেন মনিত্রোননা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াবিখি। মীথেলপূং (কনফরেন্স) অসি লোইশিনবগী থৌরমদনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা স্নাজাওবা, লৈপাক নিংথৌনা অথোইবা মীথুংলেন, এন.জি.কাংজিয়া মঙাংনা থৌরম মপু, অমসুং ঈকাইখুম্নজরিবা সাইরেম নিলবীর, মেম্বর, কংলা ফোর্ট বোর্ডনা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াবিদুনা থৌরম অসি লোইশিনখি।

মরুওইবা ৱাঙাঙলোইশিংগী মনুংদা, ৱাহেংবম লুখোই, পন্দিত য়ায়মা, মণিপুর পন্দিত লোয়শঙনা "অমাইবশিংগী লাইশোল তীনশোল, মাইবলোন" খাঙেম্বম মঙ্গী, লুপা লৈখাম সঙলাকপনা, "লাই হরাউবগী ঈশৈশিং অমদি শৈহেকশিং", মোইরাংথেম মচা চাউরৈকনবা, ফেকলটি, ডিপার্টমেন্ট ওফ ডান্স(মণিপুরী) এম.ইউ.না "লাই হরাউবগী জগোইশিং অমসুং শাথেক মওংশিং" মুতুৱা বহাদুর, ডাইরেক্টর মুতুৱা ম্যুউজিয়মনা "লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা লাইপোৎ-শেনপোৎ, চোঙ-পে-শেকপিননচিংবশিং", অমসুং মুতুম চুরামনি মৈতৈ, ভাইস প্রসিডেন্ট হেরিকোন্না হৌজিক মতমগী লাই হরাউবদা ওইহন্নিংবা মশক হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া তোঙান-তোঙান্না থম্নদুনা কূপ্না খন্না নৈনখি।

নাউরোইবম ইন্দ্রমনি, ভাইস প্রসিডেন্ট, উমংলাই হরাউবা কাঙলোন ঙাকশেনবা লূপ (লাই লূপ) অমসুং মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবসনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মীফম (কনফরন্স) অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখিবা মীফম অসিনা য়াম্না শাংনা অমদি কূপ্না খন্নরবা মতুংদা মখাগী ৱারেপশিং অসি অমত্তা ওইনা লৌমিন্নখি।

No. 219.p.
Government of India, Ministry of State
Dated, New Delhi, the 15th October, 1949

Notification

Whereas the Central Government has full and exclusive authority. Jurisdiction and powers for and in relation to, the governance of the State of Manipur.

Now therefore, in exercise of the powers conferred by Section 3 and 4 of the Extra-provisional Jurisdiction Act, 1947 (XIVII of 1947) and of all other powers enabling it in this behalf, the Central Government is pleased to make the following orders:

1. Short title, extent and commencement :
   i. The order may be called the Manipur (Administrator) Order, 1949.
   ii. It extend to the whole of Manipur.
   iii. It shall come into force of the 15th of October, 1949.
2. Definition : In the order **"MANIPUR"** means the whole of the area, which immediately before the commencement of this order is comprised within the state of Manipur.
3. **Appointment of a Chief Commissioner :** There shall be a Chief Commissioner appointed by the Central Government as the Head of the Administrator of Manipur.
4. **Appointment of Functionaries** : (i) Subject: Subject to the control of the Central Government, the Chief Commissioner may appoint such Judges, Magistrate and other officers as may be necessary for the administrator of Manipur and may be general or special order, determine their jurisdiction, powers duties; and (2) Without prejudice to the provisions of sub-paragraph (i) all judges, Magistrates and other officers who immediately before the commencement of the order, were exercising lawful functions in Manipur or any part thereof, shall, until other provisions is made by

থকসি-খাসি, থৌগল্লোন, চকহেন-গ্রহেন, তৌহৈবা-তৌহৈদবা, ফিজেৎ-লৈত্তেশিংগী মশকশিং নীংথিনা খঙলগা লাই হরাউবদা লাইবূংদা থোরকপা। খমু চৎপা, খূজি,তাল, শারোং অমদি রেসোম ফুরিৎনচিংবা শেৎপা, ইনবা, লীৎপদা পঙতৌদা তৌশিন্নদবা। শীজিন্নবা য়ারে খঙলবা মতমদা শীজিন্নবা। লাইবূংগী চৎনরোল, হরাউবগী কাঙলোন লীকলম থুগাইরকপা অমাইবা, অমাইবী, পেনাশিংবু অককনবা মতম খরা লাইবূংদা চঙহন্দবা অমদি লাই হরাউবা য়াওহন্দবা। খমু চৎপা, খূজি, তাল, শারোং, রেসোম ফুরিৎ শীজিন্নবা য়াবা য়াদবশিংবু উকলনা কূপ্পা য়েংশিল্লগা লাই-লূপতা পীখৎপা অমসুং লাই লূপ্পা কূপ্পা য়েংশিল্লগা ৱারোইশিন লেপ্পা।

খ) অমাইবা, অমাইবী, পেনাশিংবু লাই হরাউবা শীনবীরিবশিংনা মতীক-চানা ঈকাইখুম্নবীবা, মখোয়গী লৈফম, চাফম, অমাইবা, অমাইবীগী তোঙান-তোঙান্না মতীক চানা শীনবা, মখোয়গী ঈকাইখুম্নবদা নত্রগা মরম অমনা নত্রগা অমনা ৱাখলগী অমদি হকচাংগী অৱাবা পীরকপা লৈরগদি খুদক্তা হরাউবা লেপ্তুনা উকল য়াওনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লুবা হোৎনম্নিবা।

গ) অমাইবা, অমাইবী, পেনাশিংগী নোংমগী ওইবা হরাউশেল অসি শঙকোকশিংগী লু:৬৫০ অমসুং মচা-মনাও তেংবাংবশিংগীনা লু:৩০০ ওইবা। কনাগুম্বা অমাইবী, পেনা অদুনা লাইফম থাদোক্তুনা হরাউরিঙৈ মনুংদা চৎথোকলুবা নুমিৎ য়াওরবদি নোংমগী হরাউশেন অদুগী শরুক ৩ থোকপগী ২ তমক হরাউমল পীবা। তাংখুল, নুরাবীগীদি মখা তাবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিফাওবা লাই হরাউবদুবু শীল্লি লাঙলিবা কাঙবুগা য়ান্নবা অমগী মখাদা চৎথনখিগনি।

ঘ) কনাগুম্বা-কনাগুম্বী অমাইবা অমাইবী পেনানচিংবশিংগী মচা-মনাইশিংনা তোয়ন-তোয়না মমা-মপা লমজিং লমতাকপীশিং হোংবা তৌদবা। য়ামদ্রবদা চহী ৫ দি হোংদোক-হোংজিন তৌদবা। অমাইবা, অমাইবী, পেনানা লাই হরাউবগী পাউকৎ (অয়াবা ওর্ডর) লোন্ননা লৌশিনদবা।

৫। লাই হরাউবগী থীনবা খোংবা (বেন্দ পার্টি) :

লাই হরাউবগী থীল্লি খোংলিবশিংনা লাই-হরাউবগী ঈশৈ অমদি পূংলোনতমক থীনবী খোংবীবা। লাই হরাউবদা থীনবী-খোংবীগদবশিংদি হরাউপূং, সেনবূং, লাংদে, তৌদ্রি (অয়ুংবা অফৈবা) অসিনি। অদুবু মখা তাবা ৱারেপ অমা লৌদ্রিফাওবা হায়রিবা খূৎলাইশিং অসিগা লোয়ননা মতম খরগী ওইনা ধোল, সাইত্রম, কলার্নেটখক্তংদি শীজিন্নবা। হায়রিবশিং অসিদগী অহেনবা থীন্ন-খোংনবা খূৎলাইশিং শীজিন্নদবা। লাই হরাউবদা থীনবী খোংবীগদবা মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা ফিজোলতমক

মেরা মীফমগী ৱারেপশিং

নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফুরুপলক্কী মীফম (ইন্টরনেস্যানেলগী থাক্তা পাঙথোকপা) উমংলাই হরাউবগী মীফম (কনফরেন্স)

(অমাইবা, অমাইবী, পেনা, লাই থৌগললূপশিং অমদি অখণ্ড-অহৈশিংগী অখন্নবা মীফম) মেরাগী ১৪ নি পানবা শগোলশেল অমসুং ১৫নি পানবা ঈরাই (ওক্টোবরগী তাং ২১ অমসুং ২২,২০১০) ইবোয়াইমা সূমাঙ লিলা শঙলেন, পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল।

অখন্নবা মীফম অসিগী ৱারেপশিং ঃ

(মীফম অসিগী ৱারেপশিংবু মেরাগী ৱারেপ হায়না খঙনরগনি।)

উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না শীন্দুনা উমংলাই হরাউবগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফুরুপলক্কী (ইন্টরনেস্যানেল থাক্কী) মীফম (কনফরেন্স) অমা মেরাগী ১৪ অমসুং ১৫ নি পানবা শগোলশেল অমদি ঈরাই ওক্টোবরগী ২১ অমসুং ২২, ২০১০ ইংদা ইবোয়াইমা শূমাঙ লিলা শঙলেন, পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফালদা পাঙথোকখি। অমাইবা, অমাইবী, পেনা লাই থৌগললূপশিং অমদি অখণ্ড-অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অমাইবা ২৮২, অমাইবী ৭৬৯, পেনা ৮৮, লাই থৌগললূপকী মীহূৎ ৮৭৯, বাঙ্গলাদেশ অমদি আসামগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীহূৎ অমসুং অখণ্ড অহৈ কয়ানা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। ময়ায় তাংবলদা ফমখিবা অখণ্ড-অহৈশিংগী মনুংদা ঙারিয়ানবম কাংজিয়া মঙাং, চিয়ারমেন, উমংলাই হরাউবা কাঙলোন

মেরা মীফম ২০১১ গী ৱারেপশিং

(উমংলাই হরাউৱগী চহীগী ওইবা অখন্নবা মীফম)

ওক্টোবরগী ১১,২০১১ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎত্তা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না শীন্দুনা অমাইবা, অমাইবী, পেনা, লাই থৌগল লূপশিংগী মীহূৎশিং, সিভিল সোসাইতিশিংগী মীহূৎশিং অমদি অখণ্ড-অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা লাই হরাউবগী মতাংদা ফম্বা মেরা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা ডিলিগেট কয়ানা মতম শাংনা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুদি ঃ-

অহানবা ৱারেপ ঃ-

নোংমগী ওইনা লাই হরাউবগী লাইথৌ থৌরম লোইশিনবগী মতম অসি নুমিদাং পূং ৯.৩০ দগী হেন্দবা। তঙাইফদ্রবদি নুমিদাং পূং ১০.০০ দগীদি হেন্দোক্তবা, চোন্থবা য়াদবা। লাইরোই নুমিৎতদি নুমিদাং পূং ১২.০০ দগী হেন্দোকহন্দবা (নোংয়াই চবূক্তগী লান্থোকহন্দবা)।

অনীশুবা ৱারেপ ঃ-

লাই হরাউবদা শীজিন্নরিবা অহৌবা মাইক-হোরোল অসি তঙাইফদ্রবা মতমদদা শীজিন্নবা, য়ারিবমখৈ লাইবূংদুদং তাননবা শীজিন্নবা। নুমিদাংগী মতমদদি মথক্কী অহৌবা হোরোল অসি শীজিন্নদবা।

মেরাগী মীফম ৱারেপশিং

১) লাই হরাউবগী অমত্তা ওইৱা লাইরিক ঃ

ক) লাই হরাউবগী লাইশোল-তীনশোল, জগোই-ঈশৈ, তৌগদবা, তৌরোইদবগী মতাংদা ময়াঙ ওইবা লাইরিক অমখক থম্বা। লাইরিক অসি লৈখিদ্রবা ঙারিয়ানবম কুল্লচন্দ্রনা শোক ১৯৬৩ দা ইবা "মৈতৈ লাই হরাওবা" অসিনা ময়াঙ ওইনা লৌবা।

খ) লাইরিক অসিগী অৱাৎপা, চীৎথহৌবশিং উমংলাই হরাউবগী মরমদা অখঙ-অহৈশিংনা শেম্বা ওইনা লৈরিবা উমংলাই হরাউবা কাঙলোন লূপ (লাই লূপ) দা য়েংশিনবীনবা হায়জবা।

গ) অৱাৎপা চীৎথহৌবশিং অদু উকলনা লাই লূপকী পাউতাক লৌরগা অথুবা মতমদা ফোঙলগা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবা।

২। লাই হরাউবগী লাইপোৎ-শেনপোৎ, চোঙ, পে, সেকপিন, থাকল ঃ

ক) লাই হরাউবদা শীজিন্নগদবা লাইপোৎ-শেনপোৎ, চোঙ-পে, থাকল-শেকপিননচিংবশিং অসি মমাঙৈদগী লৈরকলবা মশাগী মশক মওং মতৌশিং কায়হন্দনবা হোৎনবা।

খ) হায়রিবশিং অসিগী অচুম্বা মশক মওং-মতৌশিং উকলনা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবা।

গ) উমংলাইগী লাইশঙদা তঙাইফদনা চিরোং (চিরেল লাংয়েল) অমদি হূইয়া হাপ্পিবগা লোয়ননা য়াঙ নাইবা অমসুং লাইশঙগী অশেংবা মশক, মওং-মতৌশিং মীয়ামদা উকলনা ফংহনবা।

৩। লাই-হরাউবগী জগোই-ঈশৈ ঃ

লাই হরাউবগী মশাগী হান্নদগী লৈজরম্বা অশেংবা জগোই অমদি ঈশৈশিং অসি চীং তম অপূনবা শৈশক লূপ্পা অখঙ-অহৈ কয়া তান্নরগা খোমজিনদুনা উকলনা পুথোকলিবশিং অসিতমক লাই হরাউবদা চৎনবা অমসুং মসিদা মখা তানা পীরকপা সজেসন অমদি পাউতাকশিং নীংথিনা খোমজিল্লগা অচুম্বমখৈ হাপচিন্নবা হোৎনবা অমদি মীয়ামদা পাক-শন্না ফংহনবা।

৪। অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমসুং তাম্বুল-নুরাবী ঃ

ক) অমাইবা, অমাইবী, পেনা, তাম্বুল, নুরাবীশিংনা লাই হরাউবগী ওইবা মশাগী লৈজরিবা কাঙলোনশিং মমূৎ তানা খঙনবা হোৎনবা। লাইবুংগী

৪৪

৪৭

ঐখোয়গী খুন্নাইদা উমংলাই হরাউবনা পীরিবা কান্নবশিং

১) তেংবানবদগী তাইবংপান ওইরকখিবা তাক্লবা।

২) তাইবংমী করম্না ওইরকখিবা তাক্লবা

৩) ইশা মশক খঙবা লাইনীং তাকপা অমসুং মীয়াম্না নীংনরিবা লাইগী লৈফম খঙহনবা।

৪) লাই হরাউবদি ৱাংউলোল নৈনফমনি হায়বা তাক্লবা।

৫) মৈতৈ ফুরুপকী অৱাংবা ফিদম ময়েক লানা খঙহনবা।

৬) খুন-খুনগী ওইবা অপূনবা ঙাক্লবা।

৭) চহীগী ওইনা খুনজাশিংগী অপূনবা মীফমগী পান্দম ফংনবা।

৮) অপূনবা খুনজাগী নত্রগা খুনলোন কৈরোন্নবা সলাইচাশিংগী শকখঙ মায়খঙননবগী।

৯) লুচিংবা কাঙলোনগী মফম ওইহনবা।

১০) মীয়ামগী লৈঙাকলোন লিংখৎফম।

১১) ঙাকশেল কাঙলোন নৈনফম অমসুং লিংখৎফম পীনবা লোয়ননা হকচাং শাজেলগী কাঙলোন নৈনফম।

১২) খুন অমগী যূমলোন-কৈরোন্নবা খুনগী মরক্তা নুংশিনবা মরুপ মপাং ওইবগী ৱাখল পোকহনবা।

১৩) থবক শীললাঙবা নৈনফম অমসুং পুথোকফম।

১৪) শেলথুমগী শিল্লাংলোল।

১৫) থকসি খাসিরোল তমফম অমসুং পুথোকফম।

১৬) মৈতৈ নুপা নুপীশিংগী অশেংবা নাৎকী শক্তম উৎনবা মদুনা মালেমদা মৈতৈবু মশক তাক্লবা হোৎনবা।

১৭) উমং য়োকখৎপা অমসুং অকোয়বগী ফিভম কনবা।

লাই হরাউবগী মরমদা থিজিনবা কনাগুম্বনা লাই হরাউববু অকাম-অপেৎ ওইনা উৎথোকখিবা য়াওরবদি মদুমক ঈকায়নিংঙাইহনি অমদি খুন্নাইসিগী লাইবকথিবনি। ঙসিমক ওইরিবসিদি মৈনা ৱায় তাংনা শন্নগা চৎনবনি।

শেৎ-চাবগা লোয়ননা হরাউবূংগী থকসি-খাসি ঙাক্লা চৎপা অমসুং লাইবূংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা।

৬। লাই থৌগল লূপ (লাই কম্মিটি) :

ক) লৈকাই অমা নত্রগা খুল অমনা লাই হরাউবীবা তারবদি লাইবূংগী থকসি-খাসি, থৌগল্লোন ঙাকনবা হোৎনবা, হরাউবূংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নহন্দবা, লাই হরাউবদা হরাউবগা মরী লৈনদবা জগোই-ঈশৈ অমদি মখল মথেলগী হরাউ-কূম্মৈ অমত্তা তৌহন্দবা, তঙাইফদ্রবদি হরাউবা লোইশিল্লবা মতুংদা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈতমক তৌহনবা, য়ারিবমখৈ নুমিৎ লৈরিঙৈদা লাই লোইশিননবা হোৎনবা, লাই হরাউবদা অহৌবা মাইক হোরোল তঙাইফদ্রবা মতমদা শীজিন্নবা অয়াম্বা মতমদা লাইবূং মনুংদং তাননবা শীনবা।

খ) করিগুম্বা খৎনবা, য়েৎনবা, য়ানদবা লৈবা লাইবূংদা কনাগুম্বা অমাইবা, অমাইবী, পেনানচিংবা অমত্তনা চঙদুনা লাইথৌ তৌদবা।

৭। চৎন-কাঙলোন :

উমংলাই হরাউবগী হেন্না কূপ্পা চৎন-কাঙলোনশিং মশাগী হান্না লৈজরম্বশিং অদু কূপ্পা থিজিল্লগা মথংগী লাই হরাউবা হৌনদ্রিঙৈ (শোক ২০১১ গী হরাউবা হৌদ্রিঙৈ) দা উকলনা মরী লৈনবা পূম্নমক্তা ফংহন্নবা হোৎনবা। অখঙ-অহৈশিং তানরগা কূপ্পা থিজিন্দুনা পুথোক্কদৌরিবা মশাগী হান্নদগী লৈজরম্বা চৎন-কাঙলোনশিং অসি অমাইবা, অমাইবী, পেনা, লাই কম্মিটিশিং অমদি মরী লৈনবা খুদিংমক্ত া ঙাক্লা চৎনবা।

sd/- Sairem Nilbir

sd/- Ng Kangjia Mangang

চাউরাকপা লাইবূংগী শক্তম

(২০০৯ গী ডিসেম্বর তাং ২৪ অমসুং ২৫ দা ফমখিবা মীফমনসু য়ান্নখ্রবা)



অহুমশুবা ব্ৰারেপ ঃ-

লাই হরাউবগী তাম্বুল নুরাবীগী অকৎশেল-(দক্ষিনা) অসি হরাউরিবা লোয়শঙদগী ওইরগনা লুপা ১,৫০০-১,৫০০ ওইবা। অতোপ্পদগী ওইরগনা লুপা ২০০০-২০০০ ওইবা। শেল থাবা মতমদা খূৎ শোকননা থাদবা।

মরিশুবা ব্ৰারেপ ঃ-

মণিপুরগী মপান্দা লাই হরাউবিবা তারবদি লাইহৌ অমদি লাইরোই অসি লম-লমদুগী থাপালোন্দা হরাউহনবা।

মঙাশুবা ব্ৰারেপ ঃ-

লাই হরাউরিবা লাইবূং অদুদা কনাগুম্বা জগোই উৎপিগদবশিংনা শরোঙ শেত্তুনা অমাইবীগী জগোই মখল অমত্তা পাঙথোকপা য়াহন্দবা। শরোঙ অসি পাফোর্মর অমত্তনা শীজিন্নবা য়াদবা। করিগুম্বা লাই হরাউবূং নত্তবদা মাইবী জগোই অসি পাফোর্মরশিংনা উৎনিংলবদি সূপ্নগী মচু অমখক্তংনা শেন্বা শরোঙ মানবী ওইনা শীজিন্নবা।

তরুকশুবা ব্ৰারেপ ঃ

লাই হরাউরিঙৈ মনুংদা লাইবূংদা হরাউ-কূম্মৈ (লাইথৌ নত্তবা) খরা পাঙথোকপদা য়াহনবা, হরাউ-কূম্মৈশিং অদুদি ঃ

ক) থাঙ-তাগী মখলশিং।

খ) ইনাৎকী ওইবা জগোই মখলশিং -খম্বা-থোইবী জগোই, লৈশেম জগোই, লৈমা জগোই অমসুং নাৎকী ওইবা জগোই মখলশিং অসিনি।

গ) নাৎকী ওইবা ঈশৈ মখলশিং (খুলং ঈশৈ, খুনুং ঈশৈ অমদি হরাউবদা শীজিন্নরিবা ঈশৈশিং) নাৎকী ওইবা জগোই অমদি ঈশৈশিং অসি চাংদম্নদুনা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমশিং লাই হরাউরিঙৈদা শীনবীবা।

ঘ)নাৎকী ওইবা শান্ন- খোৎনবশিং -মূক্না, চেনজোং, মাঙজোং, খুবৈ চোংবা, পৌ চিংনবা, শূক লংনবা অসিনচিংবশিং অসিনি। হায়রিবশিং অসি নোংমগী লাইগী থৌরম লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা।

মথক্তা পঞ্জরিবা হরাউ-কূম্মৈশিং অসি নত্তবশিংদি কুম অদুগী লাই হরাউবা পূমলোই লোইরগা পাঙথোকপা নাৎকী ওইবা হরাউ কূম্মৈশিং অসিসু লাইহৌ অমদি লাইরোই নুমিত্তদি অমত্তা পাঙথোকতবা।

হৌজিক লৈরিবা লাইবূংগী শক্তম খরা



মথোল নাইবা লাইবূং (পুথিবা লাইশঙ তাউথোং ২০১২)

লাইশঙ মমাঙদা মাগুব শাজিনবা (লোয়ালাকপা লাইবুং লৈমরাম ২০১২)

পাম্বোমশঙ য়াওবা লাইশঙ (শম্বোঙ অপানবগী লাইবুং, কোরশান্তবী ২০১২)

উমংলাই হরাউবা

লাই হরাউবা ঃ লাই হোই লাউববু লাই হরাউবা হায়না খোম্থোক্লে। লাইনা তাইবঙপান ওইরকহন্নবা হৌখিববুনি। তাইবঙপান শকপাম্থোকল্লকপবুনি। নুংগী কাঙলোলবু পান্দা লাংথোকপনি। হকচাং কয়াৎনুংগী কাঙলোলবু খঙনবা থৌরমনি। ইশা মশক খঙবা লাইনীংলোনগী থৌরম পাঙথোকপা ৱাংঙুরোন্নি পূক্কে লনগৈনি।

তেংবানবদগী তাইবংপান ওইরকখিবা থৌরমবু পাঙথোকচবদা লাইনা মখৈ ফংলগা হরাউই হায়বা মৈতৈগী ৱাখুলবু থিন্দুনা তাকপা ঙম্মী হায়দুনা তাইবঙনা লাই হরাউবা কৌবনি। অরুবা নাৎকী লনগৈগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈবা ইশা মশক খঙবা লাইনীংবু তাকপা থৌরমনি।

কংলৈ মৈতৈ লৈপাক্কী খুন খুদিংদা উমংলাই হায়না খঙনদুনা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী হরাউবা থৌরম পাঙথোকলি। খুন-খুনগী লাই হরাউবগী মতম অককনবা লৈনরি।

লাইবকথিবদি মতমগী মনুংদা নোংলৈ নুংশিৎকী সাফুনা মলেমথক্তা অহোংবা কয়া ওইরকপগুম মৈতৈগী মরু ওইবা নাৎকী শকতাকফম ওইরিবা লাই হরাউবা শকলোন খরা ওনখিবা য়াওখিবনা ফুরুপসিগী শক্তম মশেল-মরাংবা য়াওরে। মসি খুন্নাইসিগী লাইবকথিবনি।

মীরম লাইনীংগী ঈথিলদা হান্নগী শকলোল খরা ওনখ্রবসু অমুক হন্না থিগৎনরকপদগী মচু মমেন খরদি নৌনা থোক্লে। ঙাইবা তাই হোৎনবসু লেপ্পা য়াদ্রি। লাই হরাউবদি শম্না হায়রবদা খুন অমদা লৈরিবা মখল কয়াগী সলাইচাশিংগী অপূনবা শক্তম উৎনফমনি।

চোঙ, পেনচিংবগী অশেংবা শক্তম অমসুং লায়াৎ, লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীনা দোলাই তোংদুনা কোংবা লময়েংবা লেঙথোকপনচিংবা মতমদা শীজিন্নবা



লাই হরাউবগী পে অচৌবগী অশেংবা মশক (২০১২)



সেক্তা মখা লৈকাই, লাইয়িংথৌ অহিংবা (২০১২)



লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী পেগী অশেংবা লায়াৎ অমসুং শক্তম (২০১২)



লাইয়িংথৌগী অশেংবা চোঙগী মশক (২০১২)



লাইরেম্বীগী অশেংবা চোঙগী মশক (২০১২)



লাইথাঙগী মশক (২০১২)



লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী উতংনা শাবা হকচাং পোলাংগী মশক (২০১২)

লাই হরাউবগী ফৌদাং (২০১২)



চীনকূপশেনগী মশক (২০১২)

কাওশেলগী মশক (২০১২)

অমাইবা, পেনাগী ওইফম থোকপা ফিজেৎ লৈতেংগী শক্তম

অমাইবশিংগী ওইফম থোকপা ফিজেৎকী শক্তম

পেনা অশৈবশিংগী ওইফম থোকপা ফিজেৎশিং

লাইবূং খরদা লান্না শীজিন্নবা চোঙ-পেগী মশকশিং



নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, য়াইরিপোক কেক্রুগী হরাউবদা শীজিন্নরম্বা-২০১২



ৱাংবা শোরারেল, ময়াং ইম্ফাল শোরোক মপালদা শীজিন্নরম্বা - ২০১২



ঈকোপ নিংথৌ পাপালদা শীজিন্নবা পে -২০১২



লাইয়িংথৌ পাঙ্গলবা, পাঙলতাবীদা শীজিন্নবা - ২০১২



ময়েক অমসুং মচুগী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা চোঙ-পে (ইমা লাইখুরেম্বী, লমদেং-২০১২)

অফ-ফত্তা য়েংদনা শীজিন্নখিবা চোঙ-পে, সেকপিন (ঈকোপ মরু হয়েল -২০১২)

লাইনুংদা লাই থৌগল চঙবী অমাইবীগী ফিজেৎ

লাই ফম্বাল থাকন্দা মচুনা তৌশিনবা
(নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, অংথা-২০১২)

পেদা মচু তৌশিনবা
(নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী,অংথা-২০১২)

নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী অংথাগী
চোঙদা ওইখিবা মশক - ২০১২

চোঙদা ওইখিবা মশক (চীংখৈ কুরু,
মোইরাংকম্পু শাজেপ-২০১২)



থাকলদা য়াৎলিবা লায়াৎ
(লাইয়িংথৌ শোরারেল হাওখা-২০১২)



চোঙদা অরানবা মশক
(লাইয়িংথৌ শোরারেল, হাওখা-২০১২)

লাই হরাউবগী ফিজেৎতা অশোয়বা শক্তম খরা

খামেন চৎপবু খ্বাঙনম ওইনা শেৎপা (ৱাহেংলৈকাই য়ূমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা -২০১২)



হঙ্গামপান মচুগী খ্বাঙনম মথক্তা পোৎলোই কোকক্তুম্বীগী কোকনম ফাজিনবা (ৱাহেং লৈকাই য়ূমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা-২০১২)

হঙ্গামপান মচুগী খ্বাঙনম শেৎপগী অশেংবা মশক (ৱাহেংলৈকাই য়ূমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা - ২০১২)

হঙ্গামপান মচুগী খ্বাঙনম শেৎপগী অশেংবা মশক (ৱাহেংলৈকাই য়ূমজাউ লাইরেম্বী হরাউবা-২০১২)

লাইবূংদা ত্রিসুল শীজিন্নবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বীগী লেংগোনফিদা মচু নাইবা ফি শীজিন্নবা (ত্রোংলাউবী-২০১২)

পেদা মচু তৌশিনবা (ঙাদুনা থমলিবা) (নোংপোক নিংথৌ পন্থোইবী, চীংমৈরোং-২০১২)



লাইশঙদা কাংশি য়ানশিনবা (ঙানুলৈমা, ফৌগাকচাউ ঈখাই-২০১২)

শেনপোৎ লাইপোৎতা ত্রিশুল হাপচিনবা (নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, চনিং-২০১২)

হরাউবদা শীজিন্নরম্বা ম্যুজিক ইন্সট্রুমেন্টকী মওং (নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, য়াইরিপোক কেক্রুগী-২০১২)

হরাউবদা শীজিন্নরিবা অসোয়বা লেপশুম
(নোংপোক নিংথৌ পাম্থোইবী, লংদুম-২০১২)

লাই হরাউবগী চোঙ-পেদা তৌনিংবা তৌবগী শক্তম খরা



লাই হরাউবদা চোঙ পেগী মশক্তা
তৌনিংবা তৌবগী মশক - ২০১২



লাইগী চোঙ পেদা তৌনিংবা তৌবগী
শক্তম - ২০১২



লাইবুংদা লান্না তৌশিনবা-২০১২



চোঙ-পেদা লান্না তৌশিনবা-২০১২

MERA MEEPHAM

Umang Lai Haraobagi Oiba Meethelpung

(Amaiba, Amaibi, Pena, Lai Thougal Lup amadi Akhang Aheisinggi Khanna-Neina Meepham)

Meragi Taramarini panba